
নিংথৌরোল ছিঙবল



B.A., B.Ed., Service Retired



নিংথৌরোল ছিঙখল



অনৌবা ইথোকলক্লগা ফোংদোকপা:

খরিবম নিলমাধব (হানৌ অঙোম)

য়ুম্নাম পাংলৌ / খুরাই পুথিবা লৈকাই,

ইম্ফাল।

লাইরিক শিন্থরকপা:

অকোইজম নোদিয়াচান্দ


মথক্কী নিংথৌগী রাজ পণ্ডিট অচৌবা

কোঞ্জেং লৈকাই, ইম্ফাল।

খোমজিনজবা:

খরিবম নিলমনি (অঙোমচা) মৈতৈ

য়ুম্নাম পাংলৌ



১। লাইরিক শিন্নরকপা:
অকোইজম নোদিয়াচান্দ
মথক্কী নিংথৌগী রাজ পণ্ডিট অচৌবা

২। অনৌবা ইথোকলক্লগা ফোংদোকপা:
খরিবম নিলমাধব

৩। কোপি রাইট:
খরিবম নিলমাধব মৈতৈ

৪। প্রুপ রিডর:
একে তোমচা
কংলা উত্রা শঙলেন এডিসনেল ইডিটব কংলা
ইম্ফাল

৫। কোপী মশিং ১০০০

৬। লাইরিক অসি ফোংজদুনা পুথোকচবা মতম:
তাং ২৩।৫।২০০৫ ইং,নিংথৌকাবা

৭। মমল: লুপা ৬০/-

ছাপা নম্ফম: বিকে ওফসেত প্রিন্টিং প্রেস, খুরাই

ফোঙদোকচরিবগী ৱারম খরা

অহানবামক্তদা তেংবানবা মপুবু খুরুমজে, অসিগী মথংদা মৈতে পুয়া কয়াবু থম্বীরম্বা লাইগী মচাওইরবা অহল লমন কয়াবু খুরুমজে। ঐনা "নিংথৌরোল ছিঙখল্" কৌবা পুয়া লাইরিক মচা অসিবু নমথোকচদুনা পুথোকচবগী মরমদি মৈতে লৈবাক্তা মৈতে ময়েক্কী খুংইদা থম্বীরম্বা নিংথৌরোল ছিঙখল্ কৌবা লাইরিক অসি অকোইজম নোদিয়াচান্দঁ অমাইবগী মফমদগী ফংজখি ওজা নোদিয়াচান্দঁগী অয়াবা লৌজরগা বঙ্গালি ময়েক্তা নমথোকচবনি মরুওইনা লাইরিক অসি মতম কয়া শাংনা লেংদনা লৈবদগী অমুক্তং মীয়ামদা খঙহনজনিংবগী ইথিল ফাওরক্তুনা ফোংদোকচরকপনি। লাইরিক অসিগী মরুওইবা ৱারমদি, মৈতে লৈবাক্তা মতৌ করম্না রামান্দি ধর্ম্মা চঙখিবা অসিনচীংবা কয়াবু উংচনিংবদগীনি।

শমলপ্পা ৱারী লিখুল:- পামহৈবা মহারাজগী সনা হাকতক্তা শান্তিদাস গোষাইনা মাগী খোংলোই অনিগা লোইননা রামান্দি ধর্ম্মা শন্দোকপা মৈতে লৈবাক্তা লাকখি। লাইগী মচা-মশু ওইরবা মৈতে মাইচৌ মীয়াম কয়াবু মশানা য়াদনা নমদুনা রামান্দি ধর্ম্মা চংহনখিবা, মৈতে লৈবাক্কী মীয়াম্না কয়াগী মতিক ৱানা খাঙখিবা, মমল য়াম্রবা পুয়া কয়া, লাইরিক কয়াবু তুম্না মৈ থাখিবা রামায়োনবু অশেংবা চংকদবা ধর্ম্মাগী লাইরিক্কি হায়না শন্দোক্লম্মী। খাগেম্বা মহারাজগী মতমদা মচানুপা সনাৱাপীহনগী শক্তম মাংখ্রবদা তরং লাইপাওগী মতুংইন্না লাইনিংথৌগী শক্তম শারগা লাংলু হায়রবদা লাইনিংথৌগী শক্তম শারগা লাংখি। অসিগুম্বা লাইনিংথৌগী শক্তম অসি ভগবানদাস নারায়নদাস শান্তিদাসগী খোংলোই অনিনা শক্তম অসি য়ৈখাইদুনা মাংহনখি। অদুগী মরম্না কংলা মৈহৌরবদা, পামহৈবগী মচা শ্যামশাঈ লাইওং খঙদনা নারবদা অমুকহন্না লাইনিংথৌগী মুর্ত্তি শাখি। শান্তিদাসগী ময়াই পুন্নমক চমখি। মৈতে মাইচৌ লালহাম্বা অমদি লৌরেম্বা খোংনাংথাবা অসিনচীংবা মাইচৌ কয়ানা রামান্দি ধর্ম্মা চংপা শুকয়া য়াখিদে, মহৈ চাং য়েংনরবা মতুংদা শান্তিদাস্না মাইথিরবা মতমদা খোংনাংথাবনা মাই পাকখি। অমুক হন্না মৈতে ধর্ম্মা

চংহনবীয়ু হায়জরবদা পামহৈবা ইনিংথৌনা হায়খি, নিংথৌরোন তরেং ফাওবদি য়াররোই অসিগী মতুংদা অমুক মৈতৈ ধর্ম্মা চংপা ওইসনু হায়খি। হৌজিক পরেহন্দুনা মৈতৈ ধর্ম্মা চংপা য়াগ্রে। অসিনচীংবা কয়া অসি লাইরিক অসিদা ময়েক শেংনা উংলি।

খরিবম নিলমাধব (হানৌ অঙোম)
য়ুম্নাম পাংলৌ/ খুরাই পুথিবা লৈকাই
ইম্ফাল।

ব্রারম খরদং-।

হৌ হে: চীঙু খোইয়ুম সিদবা নঙনা লাইরেন মৈতিংঙু শেনবি খাগেম্বদা শাংহৌনোংথংদা নোংপাললোন কোরৌ নোংথিল চায়বি চকপা মংশাও লেনখেনলোংবা ফাবি থোংনাং নমপুনা শারৈগুমবিদা শাংহৌনোংগীবু শৈথিরক্লে-।- হে: লিকলাই নিংথৌরেনও নচা ইবুংঙো অহানবনা খোইয়ুম লাইফম ওই। মরিং খুংবীলোক মালেম লৈপুঙ অচিবু শাংপম মাংগী ইচাওবা খোংসুং খুৎসুং হোংহৌদে মিংসুং-নাসুং তারৌদবা চংজিন ইচাওবগুম্বনে,-।

ব্রারম মরোন অয়াম্বা হায়রম্ববু হায়রম্বগী থিরেন লায়াংলোনগী ব্রা-অরুবা মী লাই অমনা থংঙমদবা অশুম্না লৈরম্ববু-নিংথৌ মরোল অয়াম্বা খিবিক্লা কুমগী ব্রাকাওদা লোইদাম থাজা মনিন্ নাইদা পাল্লমববু-লাইনিংথৌ খাগেম্বগী, শুথাং পামহৈবা ময়াং ঙম্বগী হাকতক্তা লেমলৈ ঙাচাদনা খুন নিংথৌজমগী ক্যাম্বা মখোই মঙামকসুং-অকোইজম লাংমৈবনা খোইয়ুম লাইরম্ হাংনা লৈরবদগী মোইরাং ললহাম্বনা তরেৎমক্কী মহুৎশিন্না য়ারৌরে। অকোইজমদি নিংথৌগী স্না হাকথং নিংথৌ সেনবনে,-। অশুম খঙউ:-।।

লাইরিক অসি নিংথৌসেনবা অকোইজম লাংমৈবগা খাগী লাংগোল লুখোইগা অনিমক্লা ইরম্বনে,-। মথং কাইনথংদা পণ্ডিতনা মথং-মথং সিম্বারকপদা সুরচন্দ্র হাকতক্তা নোংমাইথেম্বা পণ্ডিতনা সিম্বরম্বা চুরাচান্দ হাকতক্তা তোকপিয়া পণ্ডিতনা মশু নিপা ওক্রম নিত্যাই মাইচৌদা সিন্নরম্বা ওক্রম নিত্যাইনা অকোইচাম্বা ঐঙোন্দা পিরম্বনে-মনিপুরদা থোকখিবা লানগী মতমদা মহাক্লা সিআইদি ওইবা মতম-ইংশোক ১৯৪৫ দা ঐনা মনিপুর পেলেতুন বাতালেন সেক্সন কমান্দর ওইবা মতমদা ফংনখিবা লাইরিকনে,-।- লাইরিক অসি কংলৈ স্না লৈবাক্কী অরিবা মৈতৈ পুয়াগী ময়েক লোনজল অরিবদগী মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা মতমগী লোনগা ঙাংনবা য়ানবা অব্রাইবা বেঙ্গোল্লী ময়েক্তা সিন্তোকলকপা,-। অকোইজম নোদিয়াচান্দঁ মৈতৈ মাইচৌ কংলৈ স্নাপুঙময়োন স্না-কোনুং মনিপুর রাজ পণ্ডিত-লোইশং-থৌমৈ য়োৎচলনবা মনিপুর কবি রত্না-নোংদম সংলেনগী লুচিংবা মৈতৈ ইনাং মরুপকী প্রসিদেন্ট খ্বাই কোঙ্কেং লৈকাই ইম্ফাল-ইংশোক ১৯৪৭ সিদগী হৌরখিবনি।। মতৌ অসুম্না অমাইপিবা নোদিয়াচান্দঁগী মখুত্তগী S.S.B. দা লৈরম্বা খরিবম নিলমনি কৌবা অসিদা ঐনা শিন্নখিবনি। নিলমনি অসি কোনুংগী মাইচৌ ফমসু পাইরিবা য়ুম্নাম পাংলৌদা লৈবা অসিদগী অমুক মস্তর খরিবম নিলমাধবনা ফোংদোক্লবগীদমক হৌজিক্কী ওইনা লাইরিক অসিগী কোপি রাইত ওইগ্রে

অকোইজম নোদিয়াচান্দঁ
মথক্কী নিংথৌগী রাজ পণ্ডিত অচৌবা
কোঙ্কেং লৈকাই, ইম্ফাল।

খোমজিনজবগী ৱারোল

খরিবম নিলামনি ঐনা তুমদা হিপ্তা চাদনা লাইরিক অসি ৱানা লোযা তময়া ৱাংমা লান্না চত্তুনা থিজরকপাদগী ইয়ু সিদবা অকোইজম নোদিয়াদান্দ কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা অসিদগী ফংজরকপনি। অহল অসিগী শীংবা ঙন্নরোইদৌবা লমন অমা তোনশিনজরে। হায়রিবা লোইরিক অসি মৈতৈ ময়েক্কুগী বেঙ্গোলি ময়েক্তা ওস্থোরকপদা কোঞ্জেং লৈকাইগী অহল অসিগা নিলামনি ১সুং ইরেংবম নোবিল ক্লাকৈথেল মখা কোঞ্জেং লমদোংদা লৈবা অসিগা ঐখোয় অহুম চংদুনা ৱানা হোৎনবকপনি। মৈতৈ ময়েক্কুগী বেঙ্গোলি ময়েক্তা ওস্থোরকপনিনা বনানগী, ৱাহৈ খোস্থোক্কী অরুম অয়াং য়েংনা পাবিনবা নিলমনি ঐনা পাবিরিবা খ্বাই তরাগী মফমদা নোংলুকচরি-।

লাইরিক অসিবু পায়বিরম্বা ইয়ু সিদবা অহল অকোইজম নোদিয়াচান্দঁ গী বাইও ডাটা খর

১। মিংঃ অকোইজম নোদিয়াচান্দঁ মৈতৈ

২। লৈফমঃ কোঞ্জেং লৈকাই পি ও কাক্চিপুর বি পি ও মোংশাঙ্গে পি এস শিংজমৈ।

৩। পোকপগী মতমঃ তাং ১৮।১২।১৯১৮ ইং পোইনুগী ২৫নি পানবা শগোলশেন

৪। হৌজিক্কী মতম অসিদা হায়বদি ইংশোক ২০০৫ ইং মশাগী চহি ৮৮ শুরে।

৫। মহৈগী থাকঃ মশাগী চহি ৫দগী লাইরিক তম্বা হৌখি ১সুং ইংশোক ১৯৩৮ ইংদা মেট্রিক পাস তৌখি, মখা তানা হৌজিক ফাওবা হোৎনবা লেপত্রি।

৬। মহাক্না পায়রম্বা থবকঃ ষ্টেট মিলিটরী পুলিস অমা ওইদুনা প্রেটুন সেকসন কম্মানডর ওইনা ইংশোক ১৯৪৯ ফাওবা সরকারগী থবক তৌরম্মী হায়রিবা চহি অসিমক্তা থবক্কুগী পোথাপ্রে।

৭। হৌজিক হৌজিক্কী থবক: হৌজিক ফাওবা হায়বদি ইংশোক ১৯৫২দগী ২০০৫ ফাওবা অসিদা পুয়াদা য়ুমফম ওইরবা লাইরিক ২৩ ফোংদোক্তুনা পুথোকখ্রে মসিদা মণিপুর সরকারদগী মতেং খরসু য়াওখি। অসুম্না হৌজিক ফাওবা হোৎনবা লেপত্রি। মহাক অসি মথক্কী নিংথৌগী রাজ পণ্ডিট অচৌবা অমা ওইনা মতম মতমগী মতুং ইন্না লৈবাক নিংথৌগী থবক থৌরম অয়াম্বা পুদুনা লাকই হৌজিক ফাওবা চৎথরি।

একে নোদিয়াচান্দঁ মৈতৈ

মথক্কী রাজ পণ্ডিট অচৌবা, চীং-তমগী অমাই পিবা পুরেল কংলা ম্না পাখংবা উমং লাই উত্রা শণ্ডলেন, স্নামহি টৈমপল বেৰ্ডিকী অমাইবা হঞ্জবা, মাইচৌ পুরেল

ক্বাকৈথেল মখা কোঞ্জেং লৈকাই য়ুমফাল

বাইও ডাটা ইরকপা খরিবম নিলমনি (অঙোমচা) মৈতৈ মাইচৌ পুরেল অমাই পিবা পুরেল য়ুম্নাম পাংলৌ লাইরিক অসি তুংগী নহারোলসিংগী কান্নবগীদমক্তা ফোংদোকচবনি মতম শাংনা ফোংদোক্তুনা শন্দোকপা ঙমদনা লৈরম্লবনি। লাইগী থৌজানদগী পাংথোকপা ঙমজরে।

খরিবম নিলমনি (অঙোমচা) মৈতৈ
অমাই-পীবা (পন্দিৎ)
য়ুম্নাম পাংলৌ

য়াওফম তাকপা

অহানবা মতাং

পামহৈবা হাকতক্কী ঙাইথি-ঙাইখংনবা

ইংশোক -১৭০৯- দা পানবা মৈতৈ নিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক্তা পশিমা-নোংচুপ্ লোম্ শিলোট মপুংয়াইদগী শান্তদাসনা মাগী চেক্লা ভগবানদাস-নারানদাস অনিমক্কা লোইনদুনা মখোই অহুম্না ইংশোক - ১৭১৬- ফাইরেল -২৩- নি পানবা থাংজা নুমিত্তগী লাকপনা মৈতৈ স্না লৈবাক পাংলকপদা পোইরৈ অসিগী মনিং-নোংচুপ্ হারম ঙাপ্রুম্ চিংজেন্দা লাক্লুনা মৈতৈ তমদা তারক্লবগা পামহৈবা নিংথৌগী কংলা শঙ্গাই শন্নথোঙদা থুংলরে,- মপু মনাই অহুমদি শজিবু থাগী হুম্নী পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা থুংলৈয়ে,-।

মখোই অহুম্ উরগা নিংথৌ মনাই থোঙশংবনা পাউহংলবদা নিংথৌ স্না খুয়া খাবু খুরুমজগে হায়বগী লাকপনে হায়না পাউখুমবু তারগা হে সাধু লম্বোইবা-? ইপোইরৈ মৈতৈ অসিগী লাইরেন-ইনোংথৌ-মৈদিংঙু পামহৈবদি লাংথবান স্না য়োইকোননুং অনৌবা, কোনুং অচনবদা মপারী শ্যাম্শাই খুরাই লাকপগা লৈখিয়ে অশুম্ পাউতাক্লবদা মিরান লম্বোইবা শান্তদাসনা অদুদি নিংথৌ মঙাইরোই থোঙশংবও! নিংথৌ নাকপু য়ৌনবা লম্বোই ঐখোই অহুম্বু থিনবিয়ো মরম্ লমলেন লাংথবান্দি মীরৈবাকচা ওইরবগী ঐখোইনা খঙলোইএ ব্রারম্ অরুবা লৈবনা কংলৈ নিংথৌবু উনগে,-। অশুম হায়রবদা নিংথৌ মনাইশিংনা য়াম্না ফরে হায়দুনা লমজিঙলে,-।

লমলেন লাংথবানবু য়ৌননবা লাকপনা লাংথবান কোনুং অনৌবা মশঙ্গাইগী শন্নথোংদা সাধু-লম্বোইবা অহুম থন্নবগা স্না নাক্তা য়ৌনবা নিংথৌ মনাই চংসনলে, নিংথৌদা হঙ্গৎচখি,-। মৈদিংঙু পোইরৈ স্না মিতম ঙানবা লাইনিংথৌ হুয়েন্ লাংজেং শাফাবা! মিরান মিরৈবাক মচা লেম্বোইবা অহুম্না ইনোংথৌ স্না খুয়া খাদবু খুরুমজগে লাকচরি-অশুম হঙ্গৎলবদা সন্নথোংদা লৈহৌবা মিরান লম্বোইবা অহমগি শমু নাকতা য়ৌনবা পোইরৈ

নিংথৌ পামহৈবা মা খোংলেংবিরক্লে,-। মৈদিংঙু খোংলেংলকপা উবদা মীরৈবাক লম্বোইবা শান্তদাসগা মখোই -৩- দি রাম্-রাম্ হায়না মুখঃ চিনবানথোংদা শোল্লবগা, পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌরেন্ ইবুঙো মা খুয়া খাদবু কোংয়াং চৈশু তাবগুম তাদুনা খুরুমজখিয়ে,-।

মতৌ অসি উবদা মা য়াথং তাক্লকই, হে: সাধু অহুমমক্ করম্বা লৈবাক্তগী লাকপনো? কোলোঙ্গ মিংলেম্না করি-করি কৌবনো? অশুম ৱাহংলমই-। মিরান লমজা লম্বোইবা শান্তদাসনা খুমজেএ,-। মৈতৈ নিংথৌরেনও: তাবিয়ো,- ননাই ঐনা শান্তদাস মহন্ত হায়না কৌবা রামান্দি ধর্ম্মাগী গুরুনে, ঐগা লোইনরক্লিবা অনিসিনা ভগবানদাস নারানদাস কৌএ, অশুম্না খুরুমজরবগা, ননাই ঐখোইদি শিলোট মপুংয়াইদগী লাকপনে,- ঐখোইনা লাইনিংথৌ নঙবু খুরুম্বা লাকচবদি মৈতৈ মা লৈপাক্ অসিগী মী খুদিংসু রামন্দি ধর্ম্মা অথোইবসিবু চংহনসে,-। মচিন্দা রাম্ নাম শোলহলসে,- শ্রীরঘুনাথ রামচন্দগী নাম্বু শোলহন্দুনা মৈতৈ লৈবাকপু নিলহনসে,- অসিগীদমক ঐখোই লাকপনে,-।

ৱারম অসি তারবদা মৈদিংঙু পামহৈবনা রাম্-রাম্ হায়না শোনববু মা পুক্লিংদা খংপাম্ পান্নমই-। মা নাক্তা থৌগল্লিবা মচা ইবুঙো শ্যামশাই খুরাইলাকপসু পুক্লিংদা পামজদুনা রাম্-রাম্ হায়না শোনখি,-। পামহৈবা নিংথৌনা হে গুরু অথোইবা নিংথৌ ঐগী ইপুক্তদি চিঙু নামুংবা রাম্-রাম্ অসি পামজরে নিংথৌ ঐগী লাইবক ফবনা শ্রীরাম নামুংবনা মনাই ভক্তনি খনবিনবা গুরু নগুন লৈবা নখোই অহুমমকপু নিংথৌ ইনাক তানা চংলসি হায়দুনা লম্বোইবা -৩- পুসিনবিরক্লে, সাধু -৩- মক হৌজিকতি ঐগী কোলোঙ্গ ইশঙ্গানুংদা লেংসনবীয়ু শ্রীরাম নামুংবগী ৱারী খরদংবু নিংথৌ ইফমলাংদা লীবিয়ু অশুম হায়নবগী মরম্না মা শঙ্গাইদা লেংশিল্লে,-। অশাইঙৈগী নিংথৌ মনাই লুচিংবা অদু হনখ্রে মা কোনুং কংলা য়ৌননবা-।- লাংথবান কোনুংদনা নিংথৌনে শান্তদাসনে,- মাহল শ্যামশাইনে চেক্লা -২- নে মখোই -৫- মক্লা রামগী নাম্-কাথা-বিলাপ ঙাহাক্ তৌনরমলগা মতম থেংজল্লক্তুনা মাগী-মাগী তুম্নফম্ মফম চানা জগা-জগা য়েংনদুনা মদোম-মদোম তুম্নখ্রে।

লাইরেন ইনুঙ ঙানলবগা নুমিৎ কৌবা লাইনা অঙানবা, য়াকৈরকলবদা মাগা-মাগা চিনফু মাইতাবা লোইনরকপা মতম য়েংদুনা শান্তদাসনা অফবা পুংফম য়েংলগা নিংথৌ স্না নাক্তা চংলক্তুনা হায়রেএ, পামহৈবা হে: নিংথৌরেন অথোইবাও-। তাইবংপান মীওইবসিংনা নিংনগদবা লাই-ঈশ্বর অথোইবদী প্রভু শ্রীরামচন্দ্রগী নাম্ অথোইবা অসিবু সোনজগদৌবনে ইবুঙো মহাকপু হেনবা অতৈ অতোপ্পা নাম্ অমা লৈত্রে,-। হে: নিংথৌরেনও: ঐনা হায়রিবা অসিবু নিংথৌ নংনা থাজদবা ব্রা খক তৌগনু-নংগী থম্মোইগী মনি মতুম অদু ঐনা মপাল থোক্লা ঙানহনগে তৌবনী,-। শান্তদাসকী ব্রারম অসি তাবদগী নিংথৌনা অরেপ্পা লাইনি খন্দুনা প্রভু রামচন্দগী নামবু সোল্লগে হায়না পুক্লিংদা খন্দুনা শিলোট লৈবাক্তগী লাকপা শান্তদাসপু গুরুনি হায়না নিংথৌ অসিনা স্না নাক্তা বোরিদুনা থম্রে,-। রামন্দি হায়বা ধর্ম্মা অসিগী মরম অয়াম্বা ঙাংনদনা লৈরে-। লম্বোইবা চেক্লা ভগবানদাস,- নারানদাস অনি মকসু নিংথৌ স্না নাক্তা চংলক্তুনা মথোই -৩- মক্লা রামন্দি ধর্ম্মা অসি চৎনবা মরম পুম্নমক নিংথৌগী মফমদা মতম নাইদনা হায়খিএ,-।

রামগী নাম্ কাথা বিলাপ্ ঙাইহাক তৌরগা শান্তদাসনা নিংথৌরেন য়াইফবা স্না শঙ্গাইদা ঙাইহাক লেংসিনবিদুনা ৮০ ইবুঙোগা লোইননা রামগী নাম্ সোনবীরুরো ঐখোইসু ঈবাংয়াইদা হনজল্লগা প্রভু রামচন্দ্রগি নাম্বু সোনলুখিগে, হায়না মাগী লৈফম তাম্না মথোই -৫- হনখিএ-। শান্তদাসনা নুমিৎতুগী নুমিদাংব্রাইরমগী মতমদা রামগী নাম্ সোনা লৈবিঙৈদা,- মহাক্কী মমাংদা চাঁভু তাইবং খায়বা লাইয়িংথৌনা তাউজিং হৈসোঈ থাং থৌরবা অমাবু,- মালেম লৈমাইথক্তা হুনখরকএ,-। মতৌ অদু উবদা শান্তদাসনা মপুক্লিংদা অকিবগা লোইননা রাম্-রাম্ সোনখিএ, -। অকি তুজুং পোক্তুনা নিংথৌগী স্না কোনুং তাম্না চেনখৎলক্তুনা পামহৈবা নিংথৌগী মফমদা মাহাক্কী অকি তুজুংগী মরম পুম্নমক তমমৈএ,-।

শান্তদাসনা নিংথৌগী মফমদা হায়খিএ হে নিংথৌরেন অথোইবা পোইরৈ স্না লৈবাক অসিদা লাই তিন অরুবা করম করম্বা মতিক ময়াই মগুন লৈবা লাই লৈবগে অশুম হায়না পামহৈবা নিংথৌগী মফমদা হংলবদা,-

নিংথৌনা শান্তদাস য়েংদুনা হায়খি,-। নিংথৌনা খুমজখিয়ে,- হে গুরু অথোইবা পোইরৈন্না লৈবাক অসিদা লৈবা লাইগী মতিক ময়াই অরুবা মরমদি নিংথৌ ঐনা খঙলরোইএ,-। পোইরৈ স্না লৈবাক অসিদা নিংথৌ ঐগী অমাইবা মাইচৌ লাইগী মতিক ময়াই অরুবা মরম পুম্নমক খঙবা লৈরিএ,-। হায়রবদা,- শান্তদাসনা অদুদি ইনিংথৌ ইবুঙো স্না য়াথং কৌখৎপিও:- হায়রবদা,-।

পামহৈবনা হায়রে হে গুরু হয়েং ইনুং ঙানলবগা ইনাই অনং ফি হায়রোইবু কৌরুরগা মাবু চৎতুনা কৌহনলুগে, ঙসি নুমিদাং অসিদী অব্রাবা পুম্নমক কোক্নবা শ্রী প্রভুরামচন্দগী নামবু সোম্নবা তৌবনা ফরোইদ্রা,- নিংথৌগী ব্রাসিদগী শান্তদাসনে,- স্নাহল শ্যামশাইনে চেক্লা -২- নে মখোই -৫- মক্লা রামায়ন কৌবা পুরানবু তাগদবগী শংলৌ থৌরাংলে, ধুপ থাউমৈ থানা তাউজিং হয়রুক কংনা রামায়ন ব্রারী নুঙাইববু পাঠ তৌনবা মঙ্গলাচরনবু হৌরবদা চীঙু নোংদম অমা তল্লক্লে,-।

২-শুবা মতাং

পুরান-মৈথাবা

কোরৌ নোংদোন অব্রাংববু কোরৌ মনোংশানা অতিংঙা শীন্না শেংলমববু মফম ইখঙ খংহৌদনা অমংবা নোংনা কুপ্লবগী ব্রাংবন মতেনচা খাক্পদা মতেনজৈনা খম্বী মৈরিক্ থোক্লা থাদরকপদা রামায়ন কৌবা পুরানগী মথক্তা তাদুনা রামায়ন পুরান মৈনা তুম্না চাকলে,-। মৈহৌ লাংপোক থোক্লে-। মখোই -৫- মকসু অচেন খংলৈ হৌনা চেংলৌ মমিং ফিংলবগী রাম্-রাম্ হায়না মচিন্দা নাম্বু শোনজনা নিংবা কাইনা চেলনরে,-। মতম অসিদা শান্তদাস মহন্তনা প্রভু! করি মতৌ কৌবনো? ননাই ঐনা ইবুঙো নংগী নফমদা করি অকাইবা য়াউপ্রবনো? কৃপা পিনবিয়ু হায়না শ্রীরামগী নাম্বু মচিন্দা শোনজদুনা তাংজ ইকাই নংনা চেংলৌ মমিং তুথনা মমিং মমাই ঙাংলবগী মালেম লয়দা লুক্লা ব্রা ঙাংখিদেএ,-।

মৈদিংঙু পামহৈবগা মচা ইবুঙো শ্যামশাইগা অনিসু ইঙক্ ঙক্লা

তুমিন্না খন্নরকই,- কোরৌ মালেম তাইবং অহুম মক্কী মপুং লেপ্লিবা করিসু লৈত্রিঙৈদা মালেম লৈশেম্বীরক্পা চিঙু মতিক অরুবা মালেম তাইবং য়ুমথোং খুদিংগী খোইয়ুম লাইফম্ য়ানা খুরুম লৈপাইনা ইরাংনরিবা মতিক চাউবা লাইগী মফমদা লংজরুবদগী অব্রাবা ইকাইবা নংলেদো হায়না লৈরিঙৈদা।

শান্তদাস মহন্তনা নিংথৌ য়েংনা হায়জখি,-। মৈদিংঙু নিংথৌরেনও:- মালং অহুম তোয়না কোরৌ খাকপা মতেনচানা রামায়ন কৌবা পুরানসু কোরৌ মৈশা লাংলবগী খাম্বী মৈপোক থোকখিবনা নিংবা পুম্বা কাইরেদো,- মহা পুরানসিবু য়াউদনা করি গতি লৈত্রবগী তাইবং পুম্বা থাজবিখিরোইয়ে,-। ঐগী চেক্লা ভগবানদাস-নরানদাস অনিমক্কা লোইননা শ্রীরামাকথা থুমথোইবা ব্রারিবু কথা বিলাপ্ তৌদুনা লৈবিরমও:-।

হয়েং ইনুং ঙাল্লবগা শিলোট ঐগী ইরৈবাক চত্তুনা অতোপ্পা রামায়ন অমা লৌরুগে অশুম ব্রাহংজরবদা মৈদিংঙুনা হে মহন্ত অথোইবা,- কোরৌ নোংজা কয়ানিবু চংকবনো হায়না পাউহংলবদা শান্তদাসনা নিংথৌ য়েংদুনা হায়জৈএ, ইনিংথৌ ইবুঙো লোইতাম থাবুম অমা অনিগী থাবুম্নুংদা পোইরৈ কংলৈ অসিদা হলব্রাইরক্লে হঙ্গংলে,- মহন্ত য়াব্রা তারবদা মৈদিংঙুনা হায়জখি,- হে মহন্ত পোইরৈ ঐগী ইরৈবাক্ মৈতৈ ঐগী ইরম্বু পোইরৈ শীন্না রামান্দি ধর্ম্মা অরুববু মচিন্দা রাম্-রাম্ শেনহল্লবা থুনা য়াংনা লাকপিবা পামজরে,-। অশুম্ ব্রারীনরবগা,- ইনুঙ অদু হৌখিবনা নোংঙান তুং ওইরবদা শান্তদাস মহন্ত মাগী শিলোট মপুংয়াইদা তন্না হনখিরে,-।

অসিগী মতুংদা পামহৈবা নিংথৌনা মচা ইবুঙো শ্যামশাইগা ভগবানদাস-নারানদাস -২- অনি মক্কা লোইননা মখোই মরিমক অনৌবা লাংথবান্ কোনুংদগী স্না কংলা মপুঙয়াইদা লাক্লবগী কোনুং য়ৌরদুনা অব্রা হকচোক্ লাংনা পোথারে,-। ঙাইহাক্কী মনুংদা তরা চাক হাননবা মনাইসিংনা থৌরাং লোইদুনা তরা চাক্ চারে-। ঙাইহাক-ঙাইহাক পোথানরগা,-।

৩-শুবা মতাং

কংলা দারবার

মহন্তগী চেক্লা-হ-না হে-মৈদিংঙু নিংথৌও: গুরুদেবা শান্তিদাসনা বামায়ন ব্রাবী নুঙাইববু পাঠ তৌগে তৌববু খান্বী মৈপোক্ থোকপদি পুক্লিং অঙম ফংখবে,-। নপোইবৈ নংগী নবৈবাক অসিদা মতিক মগুন্ থোইদোকপা কবি লাইবৃ লৈবগে অশুম বাহংজবদা মৈদিংঙনা,- হে চেক্লা মদৃদি ইপোইবৈ লমদম অসিগী মাইচৌ পণ্ডিতশিংনা মখওযে, । অশুম পাউখুম্নবদা ভগবানদাস-নাবানদাস অনিনা অদৃদি নিংথৌবেল, পণ্ডিত মাইচৌ মখণ্ডববু কৌখংলো, লাইফম তিনফম অকুববৃ খঙদুনা মথৌ মঙম পাংথোক্লা চাঙ্ মাবু মাংনবা তৌদ্রবদা স্না পুক্লিংনা পামলিববৃ পাংথোক্লোইযে, ।

অশুম বাহঙ্গলবদা নিংথৌগা উর্নাবনংদা খল্লকই । মহন্ত চেক্লা অনিগী যাবা অসিব চমলে খল্লবগী নিংথৌ শেনবা অকোইজম না নেবদা নিংথৌ মাগী পুক্লিংগী বা মবম পম্না ফোংদোক্না বাবি শানএব্রা। মথোই সম লোংমৈবনা খোইগম লাইবম পুন্নমক হা দনা যেংবদা পোইবে অসগা খোইগম লাইতিনবদি লোবেম্বম খোংনাংথাবনা লাইগী মবম মখঙংদে চিঙ খোংনাংথাবদা মবম পুন্নমক লেগান হাযনা লাংমৈবনা নিংথৌনা বাপি খঙহনলবদা নিংথৌনা তযম নাইচা থাদুনা মাইচৌ লৌবেম্বা খোংনাংথাববু কৌক হাগনা থাখবে, ।

নিংথৌ মনাইশিংনা খোংনাংথাবগা নাক্ত যৌববগা স্না যাথং পাউদম্লবদা,- খোংনাংথাবনা নিংথৌ মচং নাইদবা ভর্মথি পুকচেল অদ মবম পুন্নমক উবদুনা হায়এ,-। হে: নিংথৌ মনাইশিংও: ইপুদি হকচাং ঙমদবে, । নিংথৌগী অকবা ব্রাফম ওইবগা নপু মোইবাং ললহান্বা অদ কৌদুনা পুখো: অশুম তাকপিববদা নিংথৌ মনাইসিং পুন্নমক্লা মখোই চপ মান্নদা খোংনাংথাবদা খুকমলমলগা থুনা যাংনা চংখিদনা কোনুং যৌবগা নিংথৌ স্না খুযাখাদা পাউদম্লবে,-।

নিংথৌনা মনাইশিংগী যাবা পাউখুম তাববগা নিংথৌনা

ইদাইরেম নখোই পুম্নমক অমুক হন্না চৎতুনা মোইরাং ললহান্বা কৌরু হায়না অমুরক্ পাউশীরে,-। নিংথৌ মনাইশিংনা তন্না চৎখিদুনা ললহান্বগী মফমলাংদা য়ৌরবদা নিংথৌ মনাই পুম্নমক্না ললহান্বদা খুরুমলবগা স্না য়াথংগী ব্রা মরম পুম্নমক হায়রবদা ললহান্বনা নিংথৌ মনাই অঙম্বাসিং নখোই লাকপদা ঐনা কৌঙমদ্রিঙৈদা নখোই পুম্নমক্না নিংথৌ স্না য়াথংনি হায়দুনা অসুক কন্নবা ব্রাবু ললহান্বা ঐঙোন্দা হায়রি অঙম্বসিং ফরে হৌজিক্তি নিংথৌ স্না য়াথংদি কোরৌ মালেমদা মাংবা য়াদে ঐসু স্না কোনুং চৎতবা য়াদরে ময়ুম মশঙ্গাইদা লৈরিবা মাগী লোইনবা মীশিংদা ময়ুমগী মরম্ পুম্নমক সিননরমলগা,- ললহান্বনা নিংথৌ মনাই অঙম্বসিং পুম্নমক হৌজিকমক স্না কোনুংদা চৎমিননরসি হায়না লাকপনা কোনুং য়ৌরবদা-। নিংথৌগা ললহান্বগা অনি উনরে মখোই অনিমক চপ্ মান্নবা খুরুমনরে।

নিংথৌনা ললহান্বদা হায়রকই ইপু নফমলাংদা লেংসিন্দুনা তাংবন্দা ঙাইহাকতং ফম্বীয়ু হায়বগা ললহান্বা ফমথবগী তাংবন্দা লৈতানা কন্না লোইফাংগ্রিঙৈদা, পামহৈবনা পাউহংখি,-। ইপু পোইরৈ মৈতৈ লৈবাকসিদা চাঙ্‌ অরুবা করম্বা খোইয়ুম্ মতীক অহকপা করম্বব্ লৈরবগে মরম অসী হংজনিংবগী ইপুবু কৌবনে, নিংথৌগী ব্রা তাবদা ললহান্বনা পোইরৈ মিতম ঙানবা ইনোংথৌওঃ।

মৈতৈ ইরৈবাক অসিগী খোইয়ুম অরুবা চাঙ্‌ মতিক হকপাদ ইপুনা করিবু হায়রসিবনো? নবুথৌ কংলৈ মৈদিংঙু ভুবি খাগেন্দ্রগী মপারী স্না ব্রাবিহল চাঙ্‌ লাই ওহবা তাইবং খায়বগী চেংলৌ শকপানথোং তরেৎ শেনাহিং হৈনা ফুরা লাইয়ুমনুংদা লাংলিবা লাইয়িংথৌ স্নামহি মালেম লয়শেম্বদি অরুবা কোরৌ নোংহৌরকঙৈগী লাইনে,-। পোইরৈ অসিগী তাইবং য়ুমথোং খুদিংগী চিঙু লাইফম-য়ান খুরুমনরি-ইরাংনরি খোইয়ুম্ মহাক্কী থৌজান্না অচৎ-চৎতা লেংলি পাল্লিবা পুম্নমক হিংবা ঙমদুনা ঐহাক-য়াহাক-মহাক ঐ হায়রিবা মশক অদু খঙহনলক্লবা পুম্নমক্কী মপু-অমতা ওইরিবা লাই কোটি কুন্ত্রাহনদোইনবী মথরাই পিবা তাইবং শেম্বা অসিদগী হেন্না লুবা লাইবু করম্বা অমা লাকখিবনো? অসিদগী নবুথৌ পাখংবসু অরুবা লাইফম্ অমনি,-। ইন্না লৈমরেন সিদবী খানা চাওবা, নোংপোক, সোরারেন, কৌব্রু,-থাংজিং-

ব্রাংব্রেন,-ঈখৈরেন,নমুংবা, মারজিং থাংমাই মারহনবা, হাইরিবা উমং মাপন মক্কী মকোক হেবু খুনমাবা স্লামহি অসিদগী হেন্না লুবা লাইদি ইপুনা খঙবা উবা লৈত্রে,-।

ললহাম্বগী ব্রারম খরা অসি তারবগা, পামহৈবনা অদুদি ইপু ইবুধৌ স্লামহি অসিবু তিনথোং লাইথোং থিংজিন্দুনা মহী ময়াই চম্লবা করি লৈবগে? নিংথৌ য়াব্রা তাবদা-ললহাম্বানা হি: করি ব্রানো:? নিংথেম লাইনিংথৌ-নবুধৌ মালেম লয়শেম্বা লাইবু কৈদগী মাঙবা ঙমগদগে,! অদুগা নবুধৌ পাখংবসু কনানা মাঙহনবা ঙমগনি! অশুম পাউখুন্নবদা নিংথৌনা হায়খি ইপু-ললহাম্বা মৈতৈ লৈবাক অসিগী লৈরিবা য়ুমথোং খুদিংদা রামান্দি ধর্ম্মা অসি চংহনগে। ইবুধৌ স্লামহিগী মিংথৈ থাদোকহল্লগে, নিংথৌ ঐনা পামজবা ধর্ম্মানি ইপুসু ঐগী অপাম্বা অনিংবা অসি তৌবিয়ু নিংথৌগী য়াব্রা অবদা ললহাম্বনা হায়খি,-।

করি ব্রানো লাইনিংথৌ নবুধৌ স্লামহিগী মিংথৈ অথোইবা অসিদি থাফদে,- থক্তা হৌখিবা নবুধৌশিংনা নিংনরম্বা অমদি শোন্নরন্নবা লাইনি পলেম পম্থৌ তাইবং লাইনিংহনসিংনা তাকপীরম্বনা তাইবং থব্রাইমক্কী হায়না য়ুমথোং খুদিংনা খুভম য়ানা খুরুম্লরি অসিগুম্বা মরম ইবুঙো মহাক্কী মতিক ময়াই থাবা লোইবা ঙমলরোইদৌবা কয়ামুক লৈরিবা অসিদা ইবুঙো মহাকপু হুনলান্লগা,- নিংথেম্ নহাক্কী ময়েংতাবা স্লা লৈবাক, অসিগী অমাংবা ওইগনি,-। অসিদসু নংতনা পোইরৈ মীপুম্ খুদিংনসু মাগী মাগী পারি-পুরী লাইওইবনা থাদোক্লো শোনলগনু হাইবা য়ারোই-। লাইনিংথৌ-নবুধৌ স্লামহিনা তাইবং শক্তম্ ওইনা ফাউরকপগী ব্লা হায়গে ইনিংথৌ উনবী পুক্লিং শেলোং নিক্তনা তাবিয়ু।

৪-শুবা মতাং

স্লামহি-লাইহুই-।

নহাননোং নপুধৌ খাগেম্বনা পোইরৈ স্লা লৈপাক অসিদা পানফরিঙৈদা,-নবুধৌ খাগেম্বা স্লা হাকতক্ অসিদা থিনপাম্ শাগৈলেন

কৌবলোন খোইনাই শেনহোংবম অকোইজাম্বী অঙোম চনু সৈহেনবী লৈমা শেবা কবোম্বী ইবেম্মা সৈহেনবী কৌবী লৈম্মা অসিগা মৈদিংঙু খাগেম্বাগা লোইননা চিঙুলাইদা থৌনিজখি,- নিংথৌ-লৈমা অনিসীনা।- হে: তেংপানবগী মপু নংবু তাইবং ওইবা খুদিংনা মশক নওং নাইদে নতৌ নচং খঙদে অরেপ্পা মওং লৈতে হায়বসিবু চুম্বম্না তেংবানবা মপুগী চেংলৌ শকপান্থোং ফজবা অদু সংশং তাংবান্দা ননাইবু অমুক্তা উহনবীয়ু হায়না লোইদাম থাপুম কয়াবু নিজরক্লে-।

নিংথৌ-লৈমা অনিমক্না চোইনৌ স্না সেনপাক্তা হৈরুক্ মশিংসুনা সিঙেন লৈরাং চরোং অচুম্বা লৈরক লৈকথেল হৈরো অশং খনতোক্লে তাউজিং অমুন খলজিল্লে,-হৈগী হৈরমগু-লৈগী লৈরমসুনা চোইনৌ স্না সেপাক্তো হাপ্লগা,- খোইয়ুম মাগী ঙাংলৌ থম্বাল লৈপাইনা কংচরবগা,-উমং লাইথোংলেন খৈবিক্তা ইপারি শাংনবদা ইমোম ফুইনবদা চিঙু তাইবং খাইবা খোইয়ুম লাইবু পারি ইচাগী শকতম ওইনা অমুক্তদি ফংজগে,- ইবুঙো নংগি চেংলৌ-শক্পানথোং ফজবা অদুবু সংশং অমুক্তদি উজগে, হায়না নিংথৌ লৈমা অনিনা কংলাগী মেন্দা ফমদুনা চোয়নৌ স্না ফম্বাল তোংলবা মতমদা খোইয়ুম স্নামহি চিঙু তাইবঙ খায়ববু পুক্লিং চেংনা নিংজৈ।

ইবুঙো নহাক্কী চেংলৌ শকপানথোং নিংথিববু তাইবং মীপুম খুদিংনা মশক মওং নাইদে হায়না ঙাংনরিবা শোন্নরিবা অসিবু ইবুঙো নহাক্কী চেংলৌ শক্তম্বু করম্বা মওং শক্তমনো খঙজনিংয়ে, হায়না নিঙজরবদা চিঙু তাইবং খায়বনা নিংথৌগী পুক্লিং নুংবংনরিবা ব্রাখলবু শেংদোকপিগে খঙহনবিগে হায়বগী চিঙু ঐগী ইশক চেংলৌ শক্পানথোংদি নমু তাইবং শক্তম্মী হায়ববু খঙহল্লমগে হায়দুনা লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বনা লাংঙোন্দুনা,-।

মথংলেন মমা থংদা নোংবানল্লোন অঙোম চনু নুংথিল চাইবীনা নোংশিং নোংলৈ ওইনা তাশিনখিরে,-। লাইনিংথৌ নাওপুরে,-। চীংঙু লাইব্রা হায়বা কোইয়ুম লাইপাও চেনবা স্নামহিনা তাইবং মীপোক ওইনা মিংহনগে নিংবদা,-। হুমলেন-লাইরেম্মনা খোইজিদা খপহনলে,- লাইজ য়িরৈমনা য়াফম্ ফম্বী ওইহনলে, য়াইবী লৈমনা খোইথৌ মিহন-মালং নুংশিং লৈমনা

হকচাং লৈচংমিহন -১৬- লেংলক্লবদা, কাওরেন্ লন্-লৈমবু পুক্লিং নাওয়োক্ -৮- ওইহনলে,-তম্বা শিনহৈবীবু লৌশিং পাংকল্-৫-বু ওইহনলে,- লৌশিং নাওয়োম্ নুঙদা তমবা খোমলেন লৈমবু মিংয়েং নাওশুম্বা খোম্লেন্ তুমগনবা নোংঙান্ মিকপ থোকপবু নোংদমবিহনলে,-।

খোমলেন উনকোই নুঙদা চিঙু তায়বঙ খায়বনা পলেম পিপুক নাওয়োম নুঙদা লৈরকপবু কুমশীং শুরবগী তাইবং ফাওরগে নিংলক্লে,-।- কালেনগী হুম্নী পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা হয়রাং-মচা-ম্যান্-তাউজিং মরূ পল্লুববু লোইতাম্ থাপুম-১০- লাইগী -থাজ-১২- শুরক্লে-।

ইবেম্মা কৌমলোন্ খোইনাই শেনহোংবী অকোইজাম্বী অঙোম চন্ সৈহেনবী শেনবী কবোম্বী ইবেম্মানা লাইযিংথৌ,-তাইবং খায়ববু লোইতাম থাপুম -১০-নাউপ্রকলবদা কুমশিং শুরবগী ফাইবেনগী-থানিল যুমশকৈস-নুমিৎকী য়াচংবা মতমদা, লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বা পোক্লে,-।

মতৌ অশুম্না লাইহিংতৌ খাগেম্বনা খোইয়ুম থৌজান লনকুনা নিংথৌ ম্না ঈব্ লাইহুইখরে,-। মপারী নুঙচানববু ফংজবনগী সলাইরোনগী চৌনবী শাগে মেঙৌ তৈঙৌ তৌদুন। পাচ সলাই পাউজেল্লা মাথৌ যাঙেম্লনদা -৫- মঙালি ই পান থাখিবে,-চিঙু মখোং খাদা ঈবাং পুকম থৌনিদৈ. । চিঙু তায়বং -খাইর্বাদি মশানা লাইনি মীগা মান্নদে যাম্না থন। চাওবে.।

লৈমা-নিংথৌ অনিনক্লা মপারী নুঙচানববু তাঙনা ফংজরবী হায়বগী কোলোঈ মমিং থোনবু ম্না বাপিহনও: নিংথৌদ,-। অশুম্না ম্না মতুং ফংবগুম্না লৈমা নিংথৌ অনিনা উনবি পুক্লিং হুবাউ মথোঈ তোংলবদা লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বনা মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্বগী মপারা ওইনা তাইবং শক্তম্ ওইনা লৈগদবদি কুমজা চহি -৮- মওইরে হায়না নোংদমখিবনা কোবৌ অশুম হৌখিরবা ব্রাংবন অশুম বাংখিববগী কুমজ-৭- মপুং ফারক্লবগী কোবৌ নোংজা অমদা মৈদিংঙু পম্বৌ মপা খাগেম্বনা ম্না কংলা তান্না কাগে ইবুধৌগী লাইফম খুরুমলুগে, হায়বগী মৈদিংঙু-কোনলোই মশঙ্গাই-মোংশাংঙ্গে কোনুংদগী নিংথৌগী পোংলৌ শমপোং হোংদুনা তযুম নাইচা অয়াম্বনা থৌগম্না ম্না খোংলেঙ্গে তৌরববু মপারী ম্না ব্রাপিহলনা মোংবা শঙ্গাই নুঙদগী চেম্থোক্লকুনা,- পম্বৌ মপা ইবুঙোগী ফিজি পায়না য়াল্লরে-।

মতম অসিদা মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্বনা মপারী চেংলৌ শকপান থোংবু ম্লামিংয়েং সাংখৈনা চেংলৌ মিংথিংনা মিংয়েংখরবদা ইপারী নুঙচানবা, ম্না ব্রাপিহনও:! নংনা পস্থৌ নপা ঐগী চরৈ ফিজি পাঙনা য়ানববু করি হিরম লৈবনো ইপারী নংগী করি ননিং থুংদবা লৈহিক্রবনো হায়না নোংদম্বীরবদা মপারী ম্না ব্রাপিহন্না পস্থৌ ইপা ইবুঙো, ঙসি কোরৌ নুমিত্তা ইবুধৌগী ম্না কংলা কাবদা নচা ঐসু পস্থৌগী হৈনা তুংয়িনজগে হায়না পাউখুম্ররবদা খাগেম্বা নিংথৌনা করি ব্রানো: পারী ইবুঙো: নহাক্তি অঙাংগী নাব্রা ওইরিয়ে,-। মেন ম্না কংলা কাবদা নপল্ ঐগী হৈনা তুংইন তানবসুং য়াঙমলোই:-।

কংলা লাইফম্ অয়াম্বদি নবুধৌশিংগী য়াথোকফম্ অরুবা মফম ঙাক্তনি,-। পারী নঙনা অঙাং নাব্রা ওইবনা খঙদরবগী পংচং চংলুরগা খোইয়ুম মঙাল শানয়ৈবা চুরুং লাংথাক ফংগনি, চঙহৈদেনে পাবীও:-। অশুম্না থেম্ন নৌনা চরৈ ফিজি য়াল্লববু থৌখাম্ররবদা মপারী খুজেং লৌথোক্তুনা নিংথৌ থবাক পমশিনা পুশিল্লক্তুনা পলেম্ মমা ইবেম্মা অঙোম চনু চাইবী লৈমাগী মফমদা শিম্নবে,-। নিংথেম্ খাগেম্বদি তয়ম নাইজা থৌগম্না মনাই মশল পুম্না যোনা ম্না খোংলেংখবে।

অসোম্নদদি মপাবী ম্না বাপিহন্না পলেম মমাগী মনাক্ত লৈবঙ্গদগী মপাম্লাংদা থোকখিদুনা ম্না শঙ্গাই মাঙ্গোন্দা শাম্নদনা লৈখি, ...মে অদিদা এঙোম লৈমা মমা ইনেম্মসু মোংবা শঙ্গাইনুঙদা লোইনর্বশিংগ,-ব্রানা বাতাই শাদনা লে,-। অশুম লৈরিঙৌসিমক্তদা তাইনং কনান খংহনদে নমু কনাবু উহন্দা চাঙু তাইবং খায়বনা ঐগী নমিং মশিং শুরববা কুমজা চহি মশাং শুববববা হায়না উনবি পূাক্লুংদা নিংশিংলুববু কোরৌ নুমিৎ অশিমক্তি কুমজা চহি-৭- মপুং ওইরবগী কোরৌ নোংমা হেনবনা চহি-৮ শুবম্লে,-। লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বনা ঐগী কুমজা চহি মশীং শুরে ঐদ খোইয়ুম লাই ওইখিরগে হায়না নিংশিংলক্তুনা ম্না শঙ্গাইম্নুঙগী ফমলেন্দা শাম্নবহৃদগী ইখং-খংহৌদনা মালং ফেনচি-ওইনা খমকোল্ নোংলৈ ওইদুনা লাইয়িংথৌ তাইবং খায়বদি খোইয়ুম চাঙু শাইওম্না মাংখরে,-।

মতম অসিমক্তদা লাইয়িংথৌ খাগেম্বসু ম্না কংলাদগী লেংথরক্তুন। মোংবা শঙ্গাইদা ব্রাইথুংলরে,-। শঙ্গাই মাঙ্গোম্বক্তা লেংখৎলবগা লাইয়িংথৌ

খাগেম্বনা শঙ্গাইনুঙদা তম্না লেংশিন্দুনা অঙোম্ লৈমগী মফমদা মপারী স্না ব্রাপিহনবু লৈবরা কদাইনো হায়না স্না য়াথং তাক্লকই-। নিংথৌ স্না য়াথং তাবদা লৈমনা পাওখুমজে,-। লাইনিংথৌও নপারী স্না ব্রাপিহন্দি হৌজিক্তা ঐগী ইনাক্তা লৈরম্বদগী মপাল্লাংদা থোক্লুনা মোংবা শঙ্গাই ফমলেম্লক্তা শান্নদুনা লৈহৌবনি,-লাইনিংথৌ।

য়াব্রা অসি তাবদা লাইনিংথৌ খাগেম্বনা অদুদি ইপারী নুংচানববু লৈতে মফম কৈদা লৈবনো: অশুম্না লৈমা নিংথৌ অনি চংনা নিংথৌ তয়ম নাইচা হুপ্না অকল অথৌশিংগা লোয়ননা শঙ্গাই য়িম্মুং কাচিনস্ ফমজাউ কাংখলনুং য়েনখা য়েনখুন কোয়না থিরুরে থিখংদে, লৈমা নিংথৌ অনিদি অব্রা হকচোক্ লাংদুনা হুম্মাং লৈরিক্ কাদুনা মিপাইথিবা স্বরনা লব্রাই কোইরেম্লক্তা য়েদুনা মপারী স্না ব্রাপিহনবু থিরক্রবদা লৈকাই খুনগং লান্না তুবেল্ হিদেল্ তাফম খুদিংদা থিদুনসু থিখংদে,-।

অশুম থিবা খংদ্রবদা লাইনিংথৌ খাগেম্বনা অঙাউবগী মতমগুম্না মোংবা শঙ্গাই মাঙ্গোনগী ফমলেন্দা তাংজা লয়দা লুক্লুনা তরং লাইজা শিল্লনা লৈরিঙে-নিংথৌ উনবী মৈচাকপু পলেম মমা ইবেম্মা লৈমরেন-সিদবীনা মোংবা লপলেন কাদ গী থোক্লক্লুনা নমু তাইবং শক্তম লৌদুনা হনু মালৈ কারবীনা সঙ্গাই থোঙজিন্দা লেপ্লুনা তাইবং মীরোন থোক্লা চাঁঙ্ য়াবা খোঞ্জেন লেম্না লাউরক্লে,-। পারী ইবুঙো খাগেম্বাও নহাক্লা নপারী স্না ব্রাপিহনগী মার খোংখুনবু ঐনা তার্কপিরগে,-। নপারী স্না ব্রাপির্হন্দি চাঁঙ্ মাগী শম্লোং মকাইফমদা চঙখিদুনা খোইয়ুম চাঁঙ্ লাইওননা লেপ্পবনে,-।

নপারী স্না ব্রাপিহনগী চৈরৈ নিংখম মচেংকা কাঙজৈ হুমদং মখুংশূগা শম্লোং মকাইফমদা তাদুনা লৈরিবনে হায়না মালেম মমা লৈমরেন্ সিদবিনা খোইয়ুম লাইপাউ লাউরম্লগা মালংফেনচি ওই খমকোন নোংলৈ ওইদুনা মাংখিরে,-।

খোইয়ুম লাইপাউ তাবদা মৈদিংগু শেনবী খাগেম্বনা মচাবু শম্লোং মকাইফমদা চঙখরে হায়বা ব্রাবু হেক তাবদা অঙাওবগী মতৌগুম্না সনথোং কাদা চেলশিনখিদুনা য়েংলুবদা পারী মচা ইবুঙোনা শেংলম্বা চৈরৈ ফি মচেংনে, মহাক্লা নুমিৎ খুদিংগী পায়দুনা শান্নরম্বা কাংজৈ হুমদং মখংশুনে,-। স্নামহিগী

লাইমাংদা মালেম লয়দা তাদুনা লৈরম্রে,-। মতৌ অদু উবদা খাগেম্বা নিংথৌনা মচাগী চৈরৈ ফি মচেংনে কাংজৈ হুমদং মখুংশৃনে মালেমথক্তগী লৌখংনা পুনুংথাদ কোন্দুনা নোং খোংবগুম্ য়াব্রা খোঞ্জেল থোক্লা কপলে,-। পারী ইবুঙো নঙদি ওম্লোকপনিদা! ইপানা কোরৌ নোঙ্গাম্রবদা ইপাগী ইহুং ইরেন শিন্দুনা কংলা স্নায়োইকোন্ নুংগী -ফম্বাল্ থক্তা কাদুনা পোইরৈ তানথোং ময়ুং কুইনা শাবন্ লাম্থোং ঙাক্তুনা পানগবরা হায়বদি শিঙঙেন অরেম্বা লৈরাং অতিংঙাবু ওইখরেকো:-।

চীঙু নতিক্ অরুবা খোইয়ুম নঙান্ অরাবা ওইবনা ইপারী নঙদি খোইয়ুম লাইবু ওইথ্রমাল্লেকো অঙকপনিদা ইবুঙো! খোইয়ুম নোংদম্লা নংগী কুম্মে অসে,-। পলেম্ মমা ইবেম্মা অঙোম্ চাইবী লৈমাসু চেলশিনলক্তুনা মৈদিংঙ্ খাগেম্বনা পায়রিবা মচাগী চৈরৈ ফিজেৎকা কাংজৈ হুমদং মখুংশৃগা লৌদুনা পুনুংথাদ পম্লা-কোন্ মালেম্ লৈমাঈথক্তা ওন্দুনা লৱাঈ শমথোং ফোয়না হীক্লা লাউনা কপ্লকলে,-। পারী ইবুঙো নুংচানবা চেংলৌ শক্লোই হেনবা নঙদি পলেম্ নমা লাইবক থিবী ঐবু হুঞ্জেক্লম্লগা খোইয়ুম্ লাইবু ওইনা চৎলমাল্লেকো:। পলেম নমা ঐনা ইপারী নংবু চোয়নৌ স্না ফম্বালদা-তোং পলেম নমা ঐহাক্লা ইপারী নংগী চেংলৌ নিংথিবা লোইদাম থাজ থানিনগুম্ববু কোরৌ নোংজা খুদিংয়েংদুনা লৈজনিংবদি সিংঙেন অরেম্বা লৈরাং অতিংঙাবু ওইরেদা কল্লকইদা ইমানা-। অঙকপনিদা ইবুঙো হে: খোইয়ুম নোংদম্বা নহাক্কী থৌশিন অসে,-। অশুম্না লৈমা নিংথৌ অনিনা মপারীগীদমকপু পুক্লিং অৱা তুরৈ চম্না লৈরিঙৈ- স্না ৱাপিহন্দি মপা নিংথৌ খাগেম্বগী থোংঙাক্ লাইরেম্বী কৌনা লৈরিবা,-মকাইফমদা মালংফেনচি-ওইনা খমগোন্ নোংলৈ ওইদুনা পাইখিরবগা,-লমদেংদা মী ওইদুনা লৈরিএ,-। খাগী লাংগোন্ লুখোইদি লাই ওইবা ঙমদুনা লাইগা-য়াওন্ কোনওম্না লৈবা ঙম্বনা-খাগেম্বগীদমক খাবী অমাইবী কৌদুনা লমদেং লমকোম্না,-থোংঙাক লাইরেম্বী ওইদুনা লৈবী খাবী মাইবীনা,- খাগেম্বগী মচা ওইনা নোংদম খিরুবা, স্না ৱাপিহনবু মীগী মপোক শুরে লাই ওইহনখিরগে, হায়না খলঙেনে. ।

লাইগা মীগা লৈমিনৌ হায়না তমদবগী খাগী লাঙ্গোল লখোইনা স্না ৱাপিহনবা কালেনগী থম্নি পানবা নোংমাইচিং নামেক্লা চকমাং পাজেদুনা

লমদেংদা মী ওইদুনা লৈববু মপোক লোইহল্লগে,- নিংদুনা কালেন্ থাগী - থাপুং য়িরাঙ্গ নুমিৎ য়ুংবদা য়ুমজাওগী মমাংদা স্না ব্রাপিহনগী থৌগনলোই মীয়াম্ কয়াবু খঙহন উহন্দনা মালং ফেনচি ওই খমগোন নোংলৈ ওইদুনা লৈরোন লৈক্রক্ মনুঙদা হুঞ্জিনখিরদুনা মাংখ্রবদা মতম খোংলৈ তুংইন্ননা পন্থৌ মপাগা কংলা খলবা য়োইবু য়োইহে নিংথৌনচিংবা,-মমা ইবেম্মনচিংবা য়োইবু-য়োইহে মীয়াম পুম্নমক্লা নুমিৎ -১২-নি চাদ-থক্তনা তুম্বা হিপ্পা তৌদনা কপ্ন-কপ্না থিনাবদা খংবা ঙমদ্রদুনা লৈনরি, লৈবাক মীয়ামশু অশুমমক্ লৈরিএ,-।।

স্না ব্রাপিহন্দি লমদেংদা চৎখিদুনা মবেন্ মাইবী খাগীদা হায়রুইএ,-। ঐদি নিংথৌগী মচানে,-। ইমিং স্না ব্রাপিহন কৌএ,-। ইবেন ঐ লাকলে,- ইবিংঙা কুম্মৈ তৌসে হায়রৈএ,-। মাইবী খাগীসু স্নামহিনে হায়বা খংএ,-। স্নামহিনসু থোঙাক্ লৈমনে হায়বা খংএ,-। অনির্মাক্তি নুঙাইনা লৈরে,-। লমদেংগী মীনদি স্না ব্রাপিহনগী মর্শাক্তি খঙএ,-। নিংথৌনদি মচা মাংখ্রে হায়না য়ামনা কপ্নরে,- মচাদি অসিদা লৈরে,-। করমনো:-নিংথৌনা অসুক্ ব্রারবদা মচাদি অসুক্ নিংঙাইদবা অসিবু করিননো: নিংথৌদা তাকলসে হায়না লমদেংগী মীয়ামগী লুচিং খরনা কোনুংদা কারক্তনা নিংথৌদা তাকলরে,-।

হে: নিংথৌ-ও:- নচা স্না ব্রাপিহন্দি নবেন্ মাইবী খাগীগিদা লৈহৌরে হায়না তমলবদা নিংথৌনা শাওদুনা ইচা মাংখ্রে,- নুমিৎ হুম্নি শুনা চাদ থক্তনা ইচা থিবা ফংদবদগী লৈবাক মীয়াম পুম্নমকসু ইচাগীদমক অব্রাবা খাংদুনা লৈরক্লিবা ঙাসিগা থানা নুমিৎ -১২-নি লৈরবা অসিদা ইবেন্না নচা লাকলে,-হায়দবদি করিগীনো ইচা পুদুনা থুনা য়াংনা লাকও:- হায়না নিংথৌনা তায়ম্ মনাইশিংদা হায়রবদা, নিংথৌশেনবনে হাওমচানে, তুলাইপাবনে খাগী মাইবীগী মনাক য়ৌনবা চৎখিবদা,- অসোম্দগী, লাকলিবা মীয়াম অসি স্না ব্রাপিহন্না উরদুনা মবেন্ খাগীদা হায়এ,-। ইবেন খাগী কংলৈগী মী লাকলে,-। ইবিংঙাবু ফাগে লাকলে,-। ঐদি ইবেনগী লিক্লুদা চংখ্রগে হায়দুনা চংখ্রে,-।

নিংথৌ তায়ম লৈবাক মীয়ামসু থুংলরে,-। করিগী লাকপনো

হায়না মাইবীনা হংএ,-। লৈপাকনা খুন্মে নিংথৌগী মচাবু মাংখ্রে হায়না লৈপাক পুম্নমক নিম্নরবদা ইপি নংনা তাক্তবা,-। নিংথৌগী মচা পুদুনা থুনা য়াংনা কারকও: হায়রকএ,-। লৈপাকনা তম্বা পাউ অদু তারবদা মাইবী খাগীনা য়াম্না শাওরে,-। মাগী-মচাবু ঐনা কৌজরবরা? লাই মশেন্ ওইবগী লাকপনে, নখোইদি থংলিরোইএ অসি হায়রবদা লৈপাক্তি তুমিন্না লৈএ,-। খাগীদা স্না ব্রাপিহন্না হায়এ,-। ঐদি ইবেন নংগী স্নাগী লিক্ল লিক্লাং মনুঙদা চংখ্রগে,-। হায়না লিক্ল মনুঙদা হুনজিন্খিদুনা খাগী মাইবীদা স্নামহিনা তোংশিনলগা স্নামহিনা মাইবী মরোন্দা খোনজেন থোক্লা হায়এ,-। খাগী লাইপাও-ওইনা ঐবু ইপানা উন্নগে হায়রবদি ইপাগী দোলাই তোংদুনা কাগে হায়রবদা খাগীনা মীয়ামদা হায়এ, -। নচাবু উন্নগে হায়রবদি নিংথৌদা হায়রুও ইপাগী দোলাই পুরকউ-। শংলেন মরিমক্লা দোলাইলেং ওইহল্লো-।

চীংজিন্দগী য়ুমজাও য়ৌবা ঈশে শকহনলো,:-। পেনা চাম্মা খোংহনলো: লৈনুঙ তারি তৌদ্রি চাম্মা খোংহনলো:, অমাইবীনা শরিক নোংদম চাম্মা খিংহনলো:- শেনপুং তারা য়েহনলো: ব্রাংলেন পুংফাং য়েহনলো: তরেং শেনপুং শেনফাং খিংহনলো: লমলোং-লমলোং লৈরিবা মীমী লৈরিবা মীগী খরাই থোংজিন্দা-লফু-চু য়ুংনা হৈরম্-লৈরম মরম শুনা থাহনলো,-। নিংথৌগী নোংমৈ কাপহনলো: তোংবদা অমরক কাপ্-ও:-থুংবদা অমরক কাপও:-।

অদুদগী নিংথৌদি ইরুরগা য়ুম্জাওগী কারন্দা শগাই মথোন তরেং শাও ফকলোং খল্লো,: ফিরোন তরেং খল্লো, লারোন তরেং খল্লো:-। শগাই চিথেক মরিমক্তা থাওমৈ থাল্লো-। হৈরুক পানা অথেনপোং মরি পৈও:-। হায়রিবা অসি লোইরগা মচা পুদুনা লাক্কে হায়রবদা মীয়াম হনখরে,-।

কোনুং য়ৌরগা মীয়াম্না নিংথৌদা মরম পুম্নমক তমলে-। নিংথৌনা য়াদুনা থৌরম্ পুম্নমক তৌরে,-। পোংলম্ পুম্নমক পুদুনা মাইবীগী য়ুমদা থুংলে,-। খাগীসুং ইরুরে,- ফিশেৎ লৈতেংলে,- দোলাই মথক্তা তোংলে,-। শংলেন মরিমক্লা দোলাই লেং ওইরে,-। শকলে,- খোংলে, লাওরে য়েরে,- খিংলে-। অশুম তৌনা কারকলে,-।- নিংথৌসু ইরুরগা


ফিশেৎ লৈতেংদুনা শগাইদা কাখৎলে,-। মমানা চিংদুনা য়োইবু য়োইহে পুম্না তিল্লে, মাইবী খাগীসুং কাখৎলক্লে-। য়ুমজাও মমৈদা দোলাই থারে,-। মীয়াম্না মহে-মহে ঙাংনৈএ,-। মাইবীদি কারক্লে, স্না ব্রাপিহন্দি য়াওরক্তে হায়নৈএ,-। মাইবীসু শগাই মথক্তা কাখিরে,- নিংথৌগা মায়োক্লনা ফমলে,।

নিংথৌনা মবেম মাইবীবু য়েংদুনা হাঙ্গি,-ইচা স্নাব্রাপিহন্দি কদাইনো: হায়না হংবদা মবেম্না খুম্মে নচাদি ঐগী ইনাক্তা লৈএ,-। লাইনিনা উদবনে,-। নচা উগে হায়রবদি নিংথৌ নংগী শকয়েং মিংশেল মখোং নাইবা অদুবু পুরকও:-। থাওমৈ চামা নিপাল্ থাল্লো নচাবু মিংশেন্ মনুঙদা উগনিএ,-। হায়রবদা নিংথৌনা মিংশেন মখোং নাইববু পুথোক্লক্লবদা-মাইবীনা স্না ব্রাপিহনগী মমিং পন্দুনা হায়এ,-। স্নার্মহি হি য়াইবও: মিংশেনগী মনুঙদা য়েংদনা নিংথৌবু উহনলো-নমা লৈমাবু উহনলো হায়রবদা,- স্না ব্রাপিহন্দি মিংশেনগী মনুঙদা চোংথোকলক্লে,-। মাইবীনা হায়এ,-।

হে: নিংথৌও: মিংশেন মনুঙদা নচা লৈরে য়েংও: হায়ববদা মপাসুং মমাশুং য়েংবদা মিংশেন মনুঙদা স্না ব্রাপিহন্দি লেপ্তুনা লৈরে,-। কদোমদগীনো: খঙহৌদনা খোঞ্জেন্ থোক্লা লাউরকএ,-। হে নিংথৌও: নচাবু মীওইনা উবদি উহৈদরে লাইগী মশক্ ওইনা উবা অসি মঙাইরে হায়না মচাবু মেংশেল মনুঙদা লৈবা উরে,-। মমানা হায়এ,-। ইমাগী ইবুঙো স্না ব্রাপিহন্ নংবু ইমানা করম পমদুনা খোম্লাং মায়োক্লববু করম য়াদরবনো: কল্লকএ,-হায়না কপ্লরে,-। য়োইবু য়োইহে পুম্নমকস্ খোংনা লাওনা কপ্না লাওনরে,-। স্না ব্রাপিহন্দি মমা মপা উহল্লমলগা মাংখরে,-।

খাগী মাইবীনা হায়রে,-। ঐদি তাইবং পানবা মীদি নত্তে খোইয়ুম লাইনে, শিবা হিংবা নোংদমলিবদি ঐনে-লাঙ্গোল্ লুখোইনা ফাদুনা খুরক থেক্লা নাপ লৈ-থেংনদুনা তালোইসিংদা চনখিবগী লাই ওইবা ঙমদবনে,-। নচা স্না ব্রাপিহন্না ঐবু শোকলবদা ঐগী অমাংবা কোক্লে,-।-নিংথৌ নংগীদমক লাইমিং হায়রমগে,-।

মপ মনাইনে কোক্লোক কোন্সিল রানে, লৈপুং শল্লেম রানে, খুরাই তোংশোন নানে,- লৈমবেন ফম্বান রানে, শংপুম লাংপুম রানোচরাইনা.. .. নাইবনে,-।- অসি খোবকপ্ শগাই মথক্তা সিন্নবগা ..:



নি[illegible]থীওঃ নবুধৌ নাও[illegible]খোং হাকতক্তা নোংমাই পেতাঙানা য়ুমজাও [illegible]বী ওইবম্মী [illegible] নিংথৌ নহাক্ থক্তা ঐ য়ুমজাও লৈমা ওইখ্রগে য়ুমযা[illegible]না য়ুময়াং ফাত্তোকতুনা য়ুমজাও লৈমা ওইখবে,-। নিংথৌসু সগাইদগী কুমথবক্কে লৈবাক নিংথৌ লৈমা য়োইবু য়োইহৈ পুম্নমক মাগী মাগী মযুম শঙ্গাইদা অরা নুঙাই ৱারি শাদুনা হনজলনখি, ইনুঙ ঙানলবসু মাগা-মাগা মথৌ মসিন্ পাইখংনখি।

অসিগী মতুংদা খোইয়ুম সিদবনা তোম্লোং লম্মহন হাউনু খুনজি লমন্‌ংশি পোইবৈ লৈশাংখোং মক বাঙ্গোঙ্গী মকাইফমদা চাঙু ঐগী লাইশং ফলা শাহনগে চিঙু ঐগী লাইফমলেন অথোইববু থম্বিবমগে, । নমু তাইব[illegible] [illegible] পুরুমক্কা চংনফম লাইফম ওইহনগে চাঙু ঐগী ইচেংলৌ [illegible] নিংশিংবাসিব্ তাইবং মীওইবাশিংনা খঙহৌবসনু হাযবগী খোইযুম সিদব[illegible] নমলেন বাসে। মকাইফমদা লৈজবি খোইম্নাম্ নিংঙোল ভুম্রা শাঙদা চঙ্লি[illegible] [illegible] মমোম ফইদ্রবি লাইব অতোন তাববি খমলৈ অযেং [illegible] [illegible] অহোঙবি কৌবিনা অহিং তাংলৌ থেংলবদা তবেং খোংফ[illegible] [illegible] মাইথাপ্ নাইনা,- নুবা শিনথোই তান্না লেনিহৈ [illegible] চাঙু [illegible] খাযবনা উর্নবি প্যারুং নিংশিংলক্লে, ।

চাঙু ঐনা পলেম মতম মানবী অম[illegible] মতম [illegible] [illegible] মপিনলৌ মবিন-শি না লোলবাসিগী শিনবৈ [illegible] [illegible] মবোল থোক্না চাঙু লাইশাং [illegible] [illegible] চাঙু ঐগী শার্নি হিনাযৈ অমা [illegible] [illegible] হাযনা চাঙু উর্নবি নিংখল্লুক [illegible] মোইথাপনুংদা চঙখবে । তনু মযাই কাববা খোইসা [illegible] খোংফাং লৌনা থাপলৌ মবিন শিংলকপদা খোইযুম [illegible] মাবোলং পাং মেল্লকই। হেঃ খোইনু অহোঙবি। পলেম্ মতম মার্নাব নঙবু ভাউঃওঃ-। চাঙু তাইবং খাযবা ২ বু নঙগী শিম্নৌ মোইথাপনুংদ লৈনিযে, । পলেম মতম মার্নাব নঙবু চাঙু ঐ [illegible] ইদাইরেম্ব ওইনগে-। পোইবৈ [illegible] অসিদা খাবি থিযাথৌ অমাই শুমতোং লাংবু ওইহনগে,-। খোইযুম ঐগী য়াৱা-ইপাউমেন অসিবু তাউ-।

হয়েং ইনুং লাইরেন ঙানলবদা পম্লৌ ইপা ইবুঙো খাগেম্বদা নঙনা চংলগা হায়রুও:-। নপারী ম্না ব্রাপিহম্না হায়রকপা ব্রানে,-। পোইরৈ লৈশাংখোং মরু হাউনু খুনজিল লমনুংশি লমলেন ব্রাঙোঈ মকাইফমদা পারী নচা ম্না ব্রাপিহনগী উনবি পুক্লিংনা পাম্বা লমদম্ ওই।- মফম অদুদা পম্লৌ ইপা নহাক্না নপারী ঐগীদমকপু ফুরা লাইশং শাবিয়ো-। ফুরা লাইশঙ নুংদুদা নপারী ঐগী চেংলৌ শকপানথোংবু মালেম লয়রুমতৌ খোইরু মিতম লাক্না তরেৎ শেনজা অহিংবনা হৈরগা ফুরা লাইশংনুংদা থম্বিয়ো:-।

পোইরৈ তাম্থোং ময়ুং কুইহনগে শাবন লানথোংবু নচানা ঙাক্তুনা নিংথৌ ফম্বাল মরা চেংনা পালহলগে অশুম হায়না পলেম মতম মানবী ইমা নঙনা পম্লৌগী খুয়া খাদা হঙ্গংলুও: হায়না চীঙ্ক লাইপাও হায়রক্লবদা, খোইস্নাম নিংঙোনবী হনু ময়াই কারবীনা তারবদা খোইস্নাম্ নিংঙোনবীদি অচেল্ খংলে হৌনা অখংবগা অকিবগা লোয়ননা,- খুংফাং চাংজৌ চেপ্না লোম্না তরং লাইজ ইরা চেলনা হীক্না হীক্না কপ্লকলে,-। অঙকপনিকো তেংবানবা,। ইবুঙো খোইয়ুম সিদবা নহাক্কি কুম্মে অসিবু-।

ননাই ভোম্লবিনা নঙবু-তাইবং মপোক যুমওইবি লাইবক খেনলাই থিরবী ঐহাক্কি ইফমদা খোইয়ুম নঙনা লেংবিরক্লুনা চীঙ্ক যাব্রা নপাউদি তাজনে চীঙ্ক চেংলৌ শকপানথোং নিংথিনা লোইদাম থাজ থানিনগুম্বদি উজবা ফংজদে । চীঙ্ক নয়াথংবু মালেম লগদ তাফদে.-মদাইবেম ওইবি ঐহাক্না হয়েং কৌবা ইনুং শোয়রবগা পম্লৌ নপা ইবুঙোগা ম্না খুয়া খাদা চেংনা খোইযুম নপাউমেন নিংথিবা চীঙ্ক য়াবা নখোঞ্জেল থুমখোইববু তম্না হঙ্গংচরুগে অশুম হায়না খোসস্নাম্ নিংঙোর্নবিনা চৈবৈ ফিগাউ শানা য়াজহৌরে,-।

অহিং ইনুঙ লেনবনা শরা তয়না ওনলবদা খোইস্নাম্ চাদি নিংঙোনবিনা খাংচেৎ মচি-লাং মানলৌ-লমথাং চরৈনা কোক্খুম্লনা তুবি ম্না য়োইকোননুংবু তানা কারকলে,-নিংথৌ শম্নথোঙবু য়ৌরক্লবগা খোইনু অহোংবীনা নিংথৌগী মনাই থোঙশংববু লৈরবদা পারী মতম্ মানবা নিংথৌ মনাই অঙম্বা ঐদি অসি কোরৌ অসিদা তুবি ইনোংথৌ লাইরেন্ ম্না খুয়া খাবু খুরুমলুগে অশুম হায়জরবদা নিংথৌ মনাই থোঙশঙবা পলেম মানবী

ইমাও:-। মফমসিদা ঙাহাক পুংগোই মরমবু-অব্রা হকচাং হুইশোন্নবা মালং ইচিক থেম্লম্খো:-।

তুবি লাইরেন্ ইনোংথৌ স্না খুয়া খাদবু পলেম য়াব্রা হঙ্গংলুগে অশুম্ হায়রম্নগা স্না য়োইকোননুংদা চংখিরে পোইরৈ স্না মীতম্ ঙানবা লাইনিংথৌ নদাইরেম তয়ুম্ ঐগী ইথোঙশঙ থোংশঙ মঙম পুবদা অহল মতম ওইরবী হনু ময়াই কারবি অমবু ইনিংথৌ স্না খুয়াখাবু খুরুম্জগে লাকচৈদো স্না নোংদম ঙাইজরিয়ে অশুম হায়রবদা মৈদিংঙু খাগেম্বনা কনা ওইরিগবা তয়ুমশা? থুনা য়াঙনা পুশিল্লকওঃ। অশুম স্না য়াথং তাকপিরবদা নিংথৌগী মনাই থোঙশঙবনা তন্না লাক্কুনা থোইনু অহোঙবিবু পুশিল্লে,- স্না খুয়াখাদা পুরুল্লে।

নিংথৌ স্নামাং য়ৌবগা থোইনু অহোঙবিনা নিংথৌগী স্না খুয়াখাবু য়েংলগা তিঙক তিঙক লৈজরবদা মৈদিংঙুনা পলেম ইমা নহাকপু লমদম কৈদগী লাকপনো?-কোলোঈ নমিংনা করিনো-? নিংথৌ ঐগী ইফমদা লাকপবু ব্রারম করি লৈবগী লাকপনো-?- হায়না স্না য়াথং তাকপিরবদা থোইনু অহোঙবিনা হঙ্গচে-। পোইরৈ নিংথৌ ইনিংথৌ স্না মীতম ঙানবও:! ননাই তোল্লবি ঐদি ব্রাঙ্গোই মকাইফমদা,- লৈজবি কোলোঈ- ইনিংথোনদি থোইনু অহোংবি কৌজেদো ননাইনা স্না নাক্তা লাকচর্বদি করি হায়না হঙ্গংসিবনো? লাইনিংথৌ তাইবং কনানা থাজ- য়াদ্রবা য়াব্রানি-; অদুবু স্নাখুয়া খাসিদা হঙ্গত্তবা য়াদ্রবা ওইবনা তোল্লবিনা স্না খুয়াখাদা চেঞ্জরকপনি-। ননাই তোল্লবিনা অহিং তাংলৌ লৈনা থেংথ্রবদা লাইর অতোন তারবগী খমলৈ ঙায়েং চেংলবগী মরম্না শিগ্নৌ মোইথাপ নাইরিঙে নপারি স্না ব্রাপিহন চীঙু লাই ওইখিবনা শিগ্নৌ মোইথাপুঙদা চঙদুনা চীঙু মাগী য়াব্রাবু খোইয়ুম্ লাইপাউনা তাইবং মীরোল্ থোক্লা পাউমেল্লকয়ে,-।

পলেম মতম্ মানবী খোইন্নাম নিংঙোনবিও:। চীঙু তাইবং খায়বা ঐনে,-ইমা নঙগী শিগ্নৌ মোইথাপনুঙদা লৈরিয়ে-। চীঙু ঐগী ইব্রা ইপাউবু তাবিয়ো হয়েং ইনুং ঙানবগা পস্থৌ ইপা খাগেম্বা তুবি মাগী মকাইফম্ স্না খুয়া খাদবু হংকংলুও:! নপারী নুঙচানবনা পামজবা পোইরৈ লমনুঙশি ব্রাঙ্গোই মকাইফমদা পারীগী ফুরা লাইশঙ শাবিয়ু অদুগা নপারীগী চেংলৌ

শকপানথোংবু তরেৎ শেলহিং অহিংবনা অহয়বা কোনফু চঙদুনা হযবা ঐগী চেংলৌ শক্রম অদুবু ফুবা লাইশংনুঙদা লাংপিয়ো-।

পোরৈ তাম্থোং ময়ুংকুই লেমথোং মবাক পাকহনগে,-। পন্থৌ ইপা নহাক্কী নিংথৌ ফম্বাল মরা চেংনা পানহনগে,-। মৈতৈ ম্না কংলৈপুং শাবন লাম্থোং ঙাক্নুনা নপাবী ঐনা লৈজগে,-। অশুম হায়না নপাবী ম্না ব্রাপিহন্না খোইয়ুম চিনগোই অমেঙবনা ননাই ঐঙোন্দা চাঙু লাইপাউ তান্নকই । ছিবম অসি লেবগী শেনবি নখোং খাদব হঙ্গংচগে লাকপানি-।

হনু যান্না তাবদা লাইনিংথৌ ঠবি শাগেম্না পায়মা ম্না বাখন তৌনা নিংখেম্নে,-। পলেম মংম মানবী ইমাগী যাদ পাডখোল অসিবু নিংথৌ ঐনা থাজসিববা, । অসি কোবৌ অসিদ পুনকইব মানা নিংথৌ ঐনা নৌদনা থবক অসিদ খোক্রুবা তৌববাদ পোহবে ম্না লৈবাক মীযাম অসিনা উর্ম নপুক মনুঙদা কৌন বাখল [illegible] কান চাযনা শোমাংবা [illegible] থাক্কে নিংখংবগা অশুম হাযনা [illegible] - [illegible] মংম মানবিদ ।

নহাক্না যাবা খোঙ্কেন [illegible] [illegible] হপাবা ম্না বাপঙগী ম[illegible]। [illegible] ইপা [illegible] ধুমখোর এস [illegible] [illegible] থাজ [illegible] । [illegible] পাডবগন[illegible] [illegible] [illegible] খো[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

অশুম্না [illegible] [illegible] মাকেম [illegible] - [illegible] খোইযম [illegible] [illegible] [illegible] লৈনিংশিংনা [illegible] । [illegible] ঐহাক্ত লমলেন ব্রাম্নোই লমনংশাগী, মকাইফমদা লৌরবা ইদাইরেম নোশাংথেমচা খোংমাগা মফমলাং । [illegible] খোইযুম ঐগী হহাকথক্তা পোইবে মনুঙ অসিদা তযুম মাবু নিংনাইনা অমাই শুমতোংলাং ওইনা পোইবৈশীংদা খঙহনগে,-। অশুম্না নিংখম্নগা মালং ফেনচি ওই খনকোল, নোংলৈ ওইদুনা মদাইরেম, খোম্মা কৌবগী মোংবা মরানয়াইদবু য়াইথুংলুই-।

মতম অসিদা মদাইরেম লৈশাং খোম্মা কৌবদি খোইয়ুম মিংখৈ অথুপ্পা মৈতৈ পুয়া পারঙৈ চীংঙু সিদবা মাগী মিংখৈবু উনবীনুংদা নিংশিংনা লৈরিঙৈ মতমদা চীঙু তাইবং খায়বনা চেংলৌ শকপান থোং,- নিংথিবা তাইবং পুন্না পুকহবা লোইদাম থাজ থানিনগুম্বা শক্তম্না মদাইরেম খোমাগী শমু মাঙদা ঙানবিরে,-। খোইয়ুম য়াব্রা খোঞ্জেন নুঙসিবা ইঙা কুমজেনবা ইঙেন কুমখাইবনা হয়িখোনবা,- মখোঞ্জেম্না নমু মীরোল থোক্লা হায়রক্লে,-।

হে: ইদাইরেম খোম্মা-ও:-। তাংজ নমাইবু চীঙু ঐঙোন্দা য়েংলগা অশুম খোইয়ুম মপাউ লাউরক্লবদা মদাইরেম খোম্মানা তাংজ লয়না কাঙনা য়েংলুববু খোইয়ুম সিদবনা মা ফিগে-থোন লোইদাম্ থাজ লিশিংনা ঈঙ্না চীক্লা ঙানবগুম্ মোংবা য়ুময়াই-কাদা ঙানথোইনা লৈরম্লবদা পোইরৈ লৈশাং খোম্মাদি তুজুং মানজুং-হৌ-মিংম্না তরং লাইজ সিঙ্গনা মালেম লৈমাই থক্তা থৌরি-কোংয়াং চৈসুনা পক্লা তাবগুম পুনেম্জরক্লে-।- মতম অদুদা চীঙ্ তাইবং খায়বনা পাউমেল্লকই তয়ুম্ নঙবু তাউও:!

চীঙু তাইবং খায়বা মালেম্ লয়শেম্বা ঐনা খোম্মা নংগী মোংবা নফমলাংদা.- লাকপদি হয়েং ইনুঙ লাইরেন ঙানলবদা পম্লৌ ইপা খাগেম্বগী মা খুয়াখাদা চংলুও:-। নপারী নুঙচানবা মা ব্রাপিহন চীঙু লাই ওইযনা হায়জরকপনে,-। লমলেন্ তোল্লোং লম্মহন খোইয়ুম মরমখৈ ব্রাঙ্গোই মকাইফমদা ফুরা লাইশং শাবিয়ো,-। চীঙু ঐগী চেংলৌ শকপান থোংবু মালেম লয়রুমতৌ খোইরু মিতম-লাক্লা তরেং শেনহিং হয়রগা ফুরা লাইশং নুঙদবু ইরাৎপিয়ো,: পোইরৈ তানথোং ময়ুংকুই লেমথোংমরাক পাক্লা পোইরৈ শাবন লানথোং-ঙাক লৈবাক মরা তপ্না নিংথৌ ফম্বাল থক্তা কুমজা কুমশিং কুইনবু পালহনগে হায়না হায়রুও:-

মতম অদুদা ইদাইরেম নঙগী লুব্রাই কোইরেনথক্তা চীঙ্ ঐনা তোংদুনা নমু তাইবংনসু উহন্দা খোইয়ুম্ লাইসুং খঙহন্দনা চীঙ্ ঐগা নঙগা লাইরোইননা পম্লৌ খাগেম্বগী মা য়োইকোননুঙদা কারুসি-। খোম্মা নঙগী চিলকোঈ নপাউমেনবু নিংথৌরেন পোইরৈ খাগেম্বনা থওই-ব্রাওই তৌদ্রবদা চীংঙু ঐনা নমু তাইবং মীরোন থোক্লা পম্লৌ ইপাগী মফমদা হায়গে হায়না চীঙু খোইয়ুম মপাউবু মেনলক্লবদা তোনবা লৈশাং খোম্মানা খোইয়ুম্ চীঙু

ময়াথংবু মালেম লয়দা তাফরোই হায়রবগী চৈরে ফিগাউ শানা য়াজরেক্লে,-।

চীঙু অতিংকোক মরু সিদবা য়াইবি য়েনহৌঙৈগী অমম্ লৈশানরকপা,- খেরে নুংশুম তশুপ্পা পোইদিংঙু নোংথাং তরংলেন তরং লাইজ য়িপোকপা চীঙু নতিক্ অরূবা খোইয়ুম শান্ওন্ য়াম্বা লাইয়িংথৌ সিদবাও: নহাননোং শমু লৌতম হুনবদা নমিৎ কুপ্তনা য়েংবও: নচুবু উমুংসেনগী থাংমৈশুম্বও: নশকপু নোংথাং কুপ্পাশুম্বাও: নংনা লৈবা মখোই নোংথৌগী মতোন স্না সেক্পিন থক্তগী মাকলং নুংসিং সিদাবু,-তোংলেন তপনা হুম্থারক্তনা লিক্লা পুনগী মনুঙদা হুমচিনখিদুনা স্বরগী ফম্বী হিমরু-য়াইমরূগী পাম্বী তাইবং থব্রাই অপকমা খিবীকপু ওইদুনা-হ: মপাল্ থারে,- লো:মাউ: হৌরে,- স্না মপাল সারে,-লুপা মহৈ য়ানলে,-।- পিশুম অনিগী মরক্তা লৈদুনা অপোক অসী নোংদমদুনা হকচাংগী মনুঙদা-মৈ-ঈশিং-নুংসিৎ-নুমিৎ-থা-অতিংঙা লৈপাক- নোংথৌ অতিয়া,- অসী খৈবীক পোক্লে,-।- হুকসাং কায়াৎ-৯-গী-উমং-৯-দা লাই-৯-মক্ নোংদমখিবনা হকচাং থোংলোন-৯-গী-লাই-৯-মকপু লাইপুংথৌ-৯-মক্ কৌনা লৈরিবা লাইপুংথৌ-৯-মক্কী মপা-মমা ওই

হে:বু খুন্মাবা নংনা অহিং-নুংথিল নাইদনা তংতনা ঙাম্না লৈবা স্নামহি হি য়াই-মরু অথোইবা থব্রাই সনবা নিংসা হোনবা খিবীক্তা নিংসা নুংসিংকীথোংলোন্দা চংথোক্ চসিন্ ওইরিবা চাদাববু চাও সেংতববু সেংও: লাই নংনা পুম্নমক্কী মপু-ওইহনবসু নংনে,-।- ইবুঙো নহাক অসিগী নমিং মিংখৈলেন অসিবু শকচা সোনজরবদী পুক্লিং সেলোং নিক্লা ওলাংলবসু-হরাও: নুঙ-ঙাই মথোই কানা হরাও:-শকশেম,-তমজবা ঙম্মী হায়বাদাইনে,-ইবুঙো ননাই ঐহাক্লা ইপুক্লিংদা নুঙব্রঙনবগী ব্রাখল্ খল্লীবা অসিদতী খলহনবীগনুও: লাইয়িংথৌ-।।

অশুম্না শক্লা সোম্না লৈরকপনা ইনুংসোইরবগা লাইরেন য়াগা ঙানলবদা হৌনবী চিলফু মাইতা লোই,-ফিশেং লৈতেং পোংলোই ফিরোল শেংপা লোইরবগা খোম্মানা লাইয়িংথৌ স্নামহি য়োইরেম্বা নদাইরেন তয়ম ইব্রাক্মনা খোইয়ুম্ নয়াথং অরুববু তাংজ লুদা থোংনা খোইয়ুম্ নংগী

স্নায়োইকোননুঙ পম্থৌ মনাক্ য়ৌননবা চৎপদা চীঙু নংনা অন্না হুই সোল্লাং হনবিগনুকো: অশুম শক সোন্না খোম্মা মরাংয়াইদগী স্নাকোনুং য়ৌনবা খোংকাপ্ নাওহুই থাংলকপনা লমলেন্ মোংসাঙথৈ নিংথৌ স্না য়োইকোননুং-পোইরৈ স্না মিতম ঙানবগী সন্নাথোঙবু য়ৌরবদা-।।

নিংথৌ মনাই থোঙশঙবদা খোম্মানা অশুম পাউমেঞ্জরকয়ে নিংথৌ মনাই নুংচানবা অঙন্বা নখোয় পুন্বা তাউও:! পোইরৈ স্না খুননিংথৌ য়াইফথোইবদা,- অমুক্তং হঙ্গংপিয়ো! নিংথৌ স্না খুয়াখাবু অমুক্তং খুরুমজগে অহল্ অমা লাকচরি হায়না হঙ্গংবিয়ো: হায়রবদা নিংথৌ মনাই থোঙশঙবনা চংখিদুনা লাইরেন্ মনোংথৌ তুবি লৈমা নিংথৌরেল্ খাগেম্বগী স্না খুয়াখাদা খুরুম্না পোইরৈ স্না মীতম্ ঙান্‌বা লাইনিংথৌ ননাই ঐখোইনা পুজবা-থোঙ কংলা সন্নথোংসিদা অহল্ মতম্ ওইরবা অমবু লাক্তুনা স্না খুয়াখাবু খুরুমজগে লাকপবু পুশিঞ্জরকপা য়াগবরা হায়না হঙ্গংলে,-। মৈদিংঙু তুবি খাগেম্বানা স্না য়াথং তারুকই-। তয়ম থোঙশঙবা ইঙাইরোই-। তয়ম্ নখোইনা শীন্দুনা অহলদুবু পুরক লা:-।

নিংথৌ মনাই নুংচানবশিংনা চংখিদুনা খোম্মা নুঙমু-চাবু-পুশিল্লে,-। নিংথৌ মাঙদা য়ৌবগা লৈশাং খোম্মা অহলনা পোইরৈ লৈবাক লৈমাবা কংলৈ নিংথৌ ইনিংথৌও:। স্না মীতম ঙানবা হুয়েন লাংজং শাফবা। নদাইরেম তয়ম ঐনা স্না খুয়া খাদবু পুনেমজরি-। খোম্মাগি য়ান্না তাবদা মৈদিংঙু খাগেম্বনা পম্থৌপোকমা মানবা ইপুও:-। নহাকপু কনানো? নিংথৌ ঐনা নশক নতৌসুং খঙদ্রিয়ে,-। পোইরৈ লমদম কৈদবু লৈবনো? কোলোঙ্গ মিংলেন্না করিনো:? থৌরম করি লৈবগী নিংথৌ ঐগী নাক্তবু লাকপিবনো অশুম পাউহংখোনবু তারবগা লৈশাং খোম্মানা পাউমেনজে।

চীঙু সিদবা খোইয়ুম তাইবং খায়বা নপারী ইবুঙো স্না ব্রাপিহন্না ননাই তয়ম ঐগী অহিং তাংলৌ লয়না থেংলবদা খোয়ুম মাহাক্কী চেংলৌ শকপানথোং নিংথিবা লোইদাম্-থাজ থানিনগুম্বনা লেংবিরক্তুনা নমু তাইবং মীরোল থোক্লা হায়রম্‌হই ইদাইরেম খোম্মা নহাক্লা পম্থৌ ইপা ইবুঙোগী স্না খুয়াখাদা হংকংলুও:-। পারি নচা স্না ব্রাপিহনদি লমলেন মদাইমা হাউনু খুন লমনুংশি ব্রাঙ্গোই মকাইফম অসিবু নচানা পামজবা লম্‌নে-মফম অদুদা ফুরা

লাইশঙ শাবিয়ু চীঙু লাইফম য়াবিয়ু অদুগা নপারী ঐগী চেংলৌ শকপানথোং অসিবু তরেৎ শেনহিং হয়দুনা ফুরা লাইয়িম নুংদা লাংপিয়ু-।

পোইরৈ তানথোং ময়ুংকুই লেমথোং মরাক পাক্লা শাবন্-লাম্থোঙ ঙাক্লা কংলা ফম্বাল মরা চেংনা পালহনগে,-। অশুম হায়না নপারী স্না ব্রাপিহম্না পাওমেঞ্জরক্ই লাইনিংথৌ-। খোম্মা য়াব্রা তাবদা মৈদিংঙু লাইরেন খাগেম্বনা ইপু নহাক্কী য়াব্রাসিবু নিংথৌ ঐবু ঙাক্লেদা লাইরেন ঐদি থাজহিক লোইয়ে,-। ইপারী নুংচানবগী চেংলৌ শক পানথোংবু উদ্রিয়ে লাইরেন ঐনা য়াঙমলোই-। পারী ইচা ইবুঙো খোইয়ুম চীঙু লাই ওইখিবা মহাক্কী য়াব্রা মপাউ-খোনবু নিংথৌ ঐনা তাবা ফংদ্রিয়ে,-। অদুবু ঐনদি করম্ হায়না থাজরসিগে?

মতম অসিদা খোইয়ুম লাইপাউ ওইনা তরঙদগী লাউরক্ই-। হাদ পম্থৌ অপোকপা,-নপারী ঐগী য়াব্রা ইখোঞ্জেন্ অসিবু তাবিয়ো-। নপারী ঐনা খোইয়ুম লাই ওইখিবা মরম্না নমু মীরমলেন্দদি তিনবা ময়াদরে-। নচাগী চেংলৌ শকপানথোংব উদে হায়বতনি,- নপারী ঐদি অমাং অতা লৈত্রবা চীঙু সিদবা খোইয়ুমনি,-। অসাইঙৈগী ঙাংনবা ব্রারম্বু নদাইরেম খোম্মা মহাক্কী লুব্রাই কোইরেন থক্তা লৈনা-নাতারি,-। পম্থৌ অপোকপা নহাক্কী পুক্লিংদা চিংনরিবা হিরমবু চীঙু ঐনা লোইনা খঙলে,-। নপারী ঐগী চেংলৌ শকপানথোংবু উদ্রিমখৈ থাজদে খনবিবদু চীঙু ঐনা য়াকাইগে,-।

লহাননোং পম্থৌ নঙনা স্নামহিবু ইবুঙো নহাক্কী নশক নতৌবু তাইবংশিংনা ঙাংনরি,-নশক নওং নাইদে, নঙগী নশক নওংবু করম্বগী শকওং শক্তমনোঃ হায়না খঙনিঙবগী নিংখনখিবদুনা চীঙু তাইবং খায়বা ঐহাক্কী শক্তমদি নমু তাইবং মশক্লি খঙহনগে হায়বগীবু পম্থৌ নঙগী নফমদা নপারীবু ওইদুনা তাইবং ওইনা লাকপনি,-। চীঙু ঐহাক্তি নমু তাইবং মপোক্তা কুমজা-৭- মপুং ওই -৮- চংলবা মতমদা চীঙু লিতিন ওইবগী খোইয়ুম হৌনশা ওইবনা কোরৌ মশীং শুরবগী খোইয়ুম লাই ওইখিরবনি,-।

হৌজিক্তি পম্থৌ ইপা নহাক্লা ঐগী চেংলৌ ইশকপু উদ্রবদি থাজদে হায়ববু নমু তাইবং মপোক্তাদি উঙম্লরোইয়ে-। পম্থৌ নঙনা উনিংলবদি তাইবং শকমাম্লনা খোইয়ুম্ লাইগী মমি ওইনা উবদা নপারী চেংলৌ শকপানথোংবু

উঙমনবা হয়েং ইনুঙ-ঙানলবগা মালং নোংহুম্শঙদা নোংপোক চক্লাইশেন অপালবা স্না হকচাং চনববু শাবিয়ো-। মিংশেন অদুগী মমাংদা চীঙুলকা ফম্জাউবা তাইবং শরী সিদবাগী তাউজিং হৈরুক শেম্না থাজৌও:। মতম্ অদুদা পন্থৌ-ইপা নহাক্কা পলেম ইমা লৈমা পোকমাবীগা অনিনা মিংশেন অদু মনুঙদা চেংলৌ মিংথিংনা য়েংবিয়ো-মতম অদুদা নপারী স্না ব্রাপিহনবু ওইনা থোক্লক্কে-।

অশুম হায়না খোইয়ুম লাইপাউ লাউরক্লবদা মৈদিংঙু খাগেম্বনা য়াব্রা খোঞ্জেন থোক্লা মীকপথি-। ইপারীও: নুঙচানবা নহাকপু ইপানা নম্ব তাইবংনি স্না ব্রাপিহন্নি হায়বগী ব্রাখন্নবু অমম্বা ওইরেকো: ঐহাক্তি ফরে হয়েং ইনুং লাইরেন ঙানলগা, মালং নোংহুমশঙদা নোংপোক চকলাইশেন হকচাং চনবা মিংশেনব্ থারগে,- খোঈয়ুম খুয়াখাদবু তাউজিং হয়রুক্ কাজগে-। খোংব্রাই মতম অদুদা পম্থৌ নপা ঐহাক্কা পলেম্ নমা পোকমাবীগা ঐখোই অনিনা চেংলৌ শাংদানবদা পারী নঙবু থোক্লকউ:-। পম্থৌ নপা ঐহাক্লা পারী নঙগী চেংলৌব্ শকউদবা কুইরক্লে-। য়াব্রা খোন্দাননা পুকমেন পাউমেন্নসিকো পারীও:। অশুম্না য়াব্রা লীতিন্নরে,-।

কোরৌ অসি নোংগী অহিং তাংলৌ তৌরবা ইনুং অদ্ সোইরগা লাইরেন নোংগা ঙানলবগা মৈদিংঙু লাইরেন্ খাগেম্বনা মালং নোংহুম শঙদা স্না খোঙলেঙলে,-। পলেম মমা পোকমাবী লৈমনা স্না থৌগন তৌরে-। মালং নোংহুমশঙবু য়ৌরবগা নোংপোক্ চকলৈশেন অপানববু -থা, খোইয়ুম খুদাফম্দা তাউজিং হয়রুক্ কাদুনা মৈদিংঙুনা য়েংতা-ফম্-লৈমরেন্না ওইদ-ফম্-মিংশেন নুঙদা মিংয়েং শানখৈরবদা চীঙ্ তাইবং খায়বা মপারী সনা ব্রাপিহন্না চেংলৌ শকপানথোং নিংথিববু লিক্লাই মিংশেন্নুঙদা তরং-তরং চোংথোক্লে,- চপ লেপ্পা লৈররে-।

মতৌ অসি উরবদা মৈদিংঙু খাগেম্বদি মিংস্না তরংহৌ লাইজ ইরাচেন্না মপারীবু কৌদুনা কপলক্লে-। পলেম মমা পোকমাবীসু মপারীগী চেংলৌ মশক উবদা থম্মোই লাইয়ুম কায়থ্রদুনা মালেম লয়দা ওন্না লরাই শমদোং ফোয়না ভুখরে,। ঙাহাক পুঙ্গোই তুরুরগা হৌগংলক্তুনা ইপারী নঙবু লাউও:-। পলেম নমা ঐহাক্লা ইপারী নঙগী চেংলৌবু উদবা নুঙশাংলে,

পলেম নমা ঐহাক্কী ফৈরাতান্দা পমগে লাউওঃ-। পলেম নমা ঐহাক্কী লাইজ থয়োংনুঙগী লাইজা লিক্লা অরূববু ইপারী নঙগী লৈকাচিনবাল্ নুঙদবু য়িনগে লাউওঃ-। নহাননোং ইমা-ইচা অনিনা শমু-মাইয়োক্লদুনা নঙগী লোইদাম-থাজ-থানিনগুম্বা মাইথোংবু ইমানা অমুক্তং য়েংখিগে-। অশুম্না য়ারা থোক্লা কপ্লিঙে চীঙু তাইবং খায়বদি মালং ফেনচিওই খমকোন নোংলে ওইদুনা মাঙখিরে,-।

অশুম্না মাঙখ্রবদা মৈদিংঙু খাগেম্বগা পলেম-মমা পোকমাবীগা অনিমক্লা মোংবা শঙ্গাই তানা হলব্রাইরে-। মৈদিংঙু খাগেম্বনা মপারীগা চেংলৌ শকপানথোংব উরবদা লাইরেন্ ইনুং ঙানলবগা পোইরৈ খুৎহৈর্বাশং পুদুনা লমলেন ব্রাঙ্গোই মকাইফমদা-মপারীগাদমকপু ফুরা লাইয়িম শাহল্লে।

ফুরা লাইয়িম শারবগা পোইরৈ স্না লৈবাক্কী সেঞ্জবা অম্দোনব্ কৌদুনা মপারীগী চেংলৌ শকপানথোংবু মালেম লয়রুম-তৌ খোইরু মিতম্ লাকহন্না-ফাইরেন থানিন্ থাজগী-১০-নি পানবা য়িমশকৈস কোরৌদা তরেং শেনচা অহিংবনা কোলু ওইনা হয়খরে,-। অশুম অশোঙ্গ অঙাম লৈতনা হয়রবদা লোইদাম্ ফাইরেন থাজগী থানিন নোংজাদা পোইরৈ নাইচা হুপ্লা চীঙু তাইবং খায়ববু ব্রাঙ্গোঈ মকাইফমদা পুথদুনা ফুরা লাইয়িম্ নুঙদা থম্না ইরাং পুরুল্লে,-।

চীঙু মনাই অচানবী থোইনু অহোঙবিবু কৌদুনা চীঙু মহাক্কী খাবী শীঙদা চলহনলে,-। অমাইবা অমাইবী পুম্নমক্লা ইরাং থৌনি তৌরে,-। খোংব্রাই মতম অসিদা খাগেম অপোই মচানা মনাউঃ লৈশাং খোম্মাবু নিংথৌ লোইশং অচৌবগী মাইচৌ ফমথোন্ হাপপিখিরবনে,-॥

তেংপানবা পোকপিবা লাইয়িংথৌ সিদবা মহাক্লা তায়বঙ শক্তম্ লৌদুনা নিংথৌরেন খাগেম্বগী মচা ওইনা পোকপীরক্লুনা চীঙু মহাক্কী খুফম্বু অরেপ্পা লাইনি হায়না মপা নিংথৌ খাগেম্বা মৈতৈ লৈমা অঙোম্ চনু মমা ইবেম্মা অমদি লৈবাক্ মীয়াম্ অমাইবী অমাইবা মাইচৌ অয়াম্বনা মৈতৈ ঐখোইগী নিংগদবা লাইনি হায়দুনা স্নামহি খুভম্বু-মরম লমলেন্ মদাইমা তোলোং লম্মহন হাউমু খুনজিন নুঙওনবা পোইরৈ লমুঙসী লমলেন্ লৈশাংখোং খুনজিন ব্রাঙ্গোই কৌবা লমদম্দা,-। চীঙু মাগী খুভম্ লেপ্তুনা

পোইরৈ মৈতৈ স্নালৈবাক অসিগী পারী পুরী মশক খঙনবা মৈতৈ ঐখোইগী নিংনফমগি মরু ওইবা লাইফম্মু ব্রাঙ্গোই কোনুং লাইফম্-১০৮ সুবনি হায়দুনা হৌজিক ফাওবা খুদম লৈরী স্না লৈপাক অসিদা লেংবা য়াদ্রবা মরু ওইবা খুদম্নি,-। লাইনিংথৌ-।।

নোংদম্ পাওথেক স্নামহি লাঈহুই লাইয়েক অর্সা নোংদ' লাইরেন পাখংবগী মতুং কুমশিং- (১০০১২১) লখা অমগা চান্না কুনমাথোং শুবদা,-।- লাইনিংথৌ খাগেম্বনা ফম্বান্দা কুমশিং ৫৭-সুনা পুন্সিবদী-৭২-সুবদা লৈখোম্ শংদা ওমদুনা কুরু-৯-মক্কা মাইয়োক্লনা হায়রম্বা ব্রানে,-।

লাইনিংথৌ খাগেম্বনা মনোংয়াই লাইনিংথৌ খুনজাওবদা সিন্নরম্বা ব্রারম্লে,- স্না ফম্বান্দা চহি-১৫-পুন্সিবদী-৪৫-নে, লাইনিংথৌ খুনজাওবনা তবুংবগী মচা পাইখু লাম্ফাবা মনোং য়াইদা সিন্নরম্বা ব্রনে,-। পাইখু লাম্ফাবনা-মনোংয়াই তুবী চরাই লোংবদা সিন্নরম্বা ব্রানে,-।- তুবী চরাই লোংবনা কুমশিং-১৫-দা শক্তম ফম্বাল লাং ফংজৈএ,-। পুন্সিদি সুপ্না ১৫ নে।

মৈদিংঙু লাইনিংথৌ তুবী চরাইলোংবনা ময়ুনোংবান য়াংখুবা চনু মনোংয়াই থৌমি নোংজু অহোংবগা খাংনৌলাংমৈ য়াংগোন নিংথৌ মচাগা লোইয়ুম নোংবান্ নহাগা লাইনিংথৌ তুবী চরাইলোংবগা-মঙা মক্কা মাইয়োক্লনা হায়রম্বা ব্রানে তুবী চরাইলোংবনা চীঙু মাবু নুঙহীক্লা ইরাং পুরুমজরবগী পোইরৈ শীন্না মরা তপ্না পান্‌লম্বা ঙমজৈএ,-।।

হায়রিবা অসি খৈবিক্কী ব্রারম পুম্নমক অসিদী পলেম্ পম্লৌ অনি মক্কা কোরৌ মালেম তাইবং অহুম মক্কী নুঙসি থৌরি তংতনবা হাঙ্গদুনা ইনলম্বা খোন্নাংনী,-। লাইনিংথৌ-।।

৫-শুবা মতাং

ঈ-তিন্নদবদগী,-জাতি মাংনবা সিনবা,-।

পামহৈবা নিংথৌনা- মোইরাং ললহাম্বগী ব্রা পুম্বা তরাগা হায়খি, ইপু-নিংথৌ ঐনা তৌগে নিংলবা থবক্তা মৈতৈ স্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা

মৈতৈ অকল-অথৌ অহৈ-অসিং কনানা থিংগনি,-। মৈতৈ খুদিংনা করম্না ইনলোইদৌরিবনো : অদুগা ইপুনসু থিংবা ঙম্লোই ইপুগী নতিকসু লৈতে,-।-নিংথৌ ঐগী ইনিঙনি,-। নিংথৌগী রাঙাং খোনফম অসি তাবদা মোইরাং ললহান্বনা হায়খি,-। লাইনিংথৌনা-পামলিবা স্না পুক্লিং অদুব্ন ননাই-ইপুনা থিংবগী ব্রা লৈতে অদুগা পোইরৈ স্না লৈবাক্কী তাইবং য়ুমথোঙ খুদিঙব্ন রামান্দি ধর্ম্মা শোনহনগনি,- চংহনগনি হায়রিবা ধর্ম্মা অদু-মোইরাং-ললহান্বা ঐঙোন্দা অতোপ্পা লাইশোন অমা শোনলো হায়ববদা ননাই ইপুগী শিংলিদা ঈ মরিক অমা পক্লিবা হকচাং মনুঙদা মিশুন অমত্তংদা লৈরিঙৈদদি ইপুদি শোল্লরোই ঐগী হকচাংসি মতুপ তরেৎ থোক্লা কল্লবসু পারি পুরি লাইবু থাবা ঙমজরোই ইনিংথৌ-। অসি থাজ-১১-নি পালবা নিংথৌকাবা নুমিৎ-সাচিফু থা-থাবীচৈজেলদাবা থাবা লান্ নংদবনা খঙসানো:?।

ললহান্বগী বা অসি তাবদা মৈদিংঙু পামহৈবনা হায়খি ইপু নিংথৌ ঐনা নিঙলিবা থবক অসি ইপুনা যৈথাইগে থগায়গে হায়বিবোইনে-। নতিক নপাস্ নত্তে নিঙদববা ইপু? পামহৈবগী বা অসি তাবদা ললহান্বনা হায়খি,-। লাইনিংথৌনা ঙম্মী হায়বগী পংতৌ তৌগদবা মঙাই মদাদি লাইনিংথৌগী অকনবা চৈরাকনি,-। চৈরাক অদু কিদবা মীদদি করিসু চঙলোই।

মৈদিংঙুনা ব্রাসি তাবদা তানিঙদে ইপু? নবা লৌবোই নশক য়েংনিংদে,- থাপ্পা চংথোকখ্রো-। নিংথৌ যাব্রা তাবদা ললহান্বনা য়াম্না ফরে,-লাইনিংথৌ-? ননাই ইপু চংচরগে,-। অশুম্না ললহান্বা চংখরে,-।

মতুং অসিদা ভগবানদাস,-নরানদাস অনিনা হায়খি লাইনিংথৌ ইবুঙো তাবিয়ো,-। হৌজিক ললহান্বনা হায়রম্লিবা ব্রা অসিদি নহাক্লা নিঙলিবা ধর্ম্মাবু অরানবনি অদৃগা মৈতৈগী য়ুমথোং খুদিং রামান্দি চংহনবা হায়বা অসি ওইথোক্কবনি হায়বা ব্রানি,-। মরম অসিনা ননাই ঐখোইনা পামজবদি মৈদিংঙু নিংথৌরেল্ স্না-কাদা খুরৌথানা য়েক্লবা ওইদুনা য়েংলিবা, অসিগুম্বা মীওই অসি লৈবর্বাদ লাইনিংথৌগী স্না পুক্লিং কায়বা তারে।

অদৃগা মাপুম খুদিংসু মহাক্লা থিংখিবা তাই-। মৈতৈ প্রজাশিংনসু নিংথৌবু অকি তুজুং লৈররোই-। মরম অদুনা ঐখোইনা পামজর্বাদ অসিগুম্বা মীশক্ অসিদি মাগী য়াইবী হেক্তো নোংমল্হনবা অদৃগা পোইরৈ হুপ্পা তিল্লা

মিংথিংহল্লবগা খঙহল্লবদি নিংথৌগী চৈরাক অকনববু উরগা অকি তুজুং পোক্লগদবনি, ব্রা অসি তাবদা পামহৈবনা হায়খি-চুম্মি গোষাই অনিমক মহাক অসি লৈরবদি নিংথৌ ঐগী লোইরং শীখোং ওইনা য়েৎলরগনি অদুনা মহাকপু থৌরিদা নোংমালহল্লগদবনি,-। ইবুধৌ পাখংবনা সাক্ষি ওইরসনু-।

ইপু হাউবম মকোক মন্ত্রিবু লৈতবরা? মন্ত্রিনা ননাই ইপু লৈ ইনিংথৌ-। মৈদিংঙুনা হায়খি ইপু হয়েং ইনুং ঙানবগা মোইরাং ললহাম্বা থৌরিদা নোংমালহল্ল-। মৈতে য়ুমথোং খুদিংসু চেংলৌ মমিং থিংনা উনবা শগোল পাউ চেনগদবনি-। মন্ত্রিনা হায়খি, ফগনি,স্না য়াথং লৈবাক তাবা যাবা নত্তে লাইনিংথৌ-। অসি হাযরম্নগা নিংথৌ মনাই অনংফি হাইরোয়শিং থাদুনা হয়েং ইনং ঙানবদা ললহাম্বা নহাকপু নিংথৌ স্না য়াথং মতুং ইন্না থৌরিদা নো"মলহল্লগনি হায়না পাউতাক্লবগা পুন্দুনা পুরকউ হাযখবে,-।

মন্ত্রি যাথং পৃদুনা অনং ফি হাঙ্গরোয়শিংনা ললহাম্বা নাক্তা লাকুনা হায়খি ইপু হয়েং ইনুং ঙানবগা নিংথৌ স্নায়াথংনা থৌরিদা নোংমল্লগনি, পুল্লগা পুনকউ তাকপিরকই অশুম্না পাউতাক্লবদা ললহাম্বানা খুমখি, নিংথৌ মনাই অঙুম্বা অনং ফি হাইরোয় শিংও-। ললহাম্বা ঐনা মৈতে কনাগী মপোং চৎলম্লবগা পুন্দুনা পুগদৌরিবনো? ঐবু পুনগদবদি,- মৈতে লৈবাক্তদি ভাংভা [illegible] অদুবু নিংথৌগী যাথংনি হযেং ইনুং ঙানলবগা ঐ লাক্কনি [illegible] [illegible] হাঙ্গা নাত্তে নপঙোদা হঙ্গংল্-। বা অসি তাবগা নিংথৌ মনাইশিংনা থনা য়াংনা চংখবে, । কোনং থৌরগা বা পুন্না নিংথৌদা তক্লে

পাম্নাংবা ব্রাবম খেবাক তাবগা অশাংবনা স্নাংথং [illegible] ইপু হাউবম মকোক মাগ্ন লৈতবরা মন্ত্রিনা ননাই ইপু লৈ পামইহৈবনা [illegible] পাওজেল চৎহলদুনা মাইকৈ-মাইকৈ পুম্নমক্কা মী অয়াম্বদা খংহনবা, [illegible] ইনুং ঙানলবদা মোইরাং ললহাম্বা থৌবিদা নোংমাহল্লগনি লৈবাক পুম্না য়েংঙলাউ ললহাম্বা অসি নিংথৌনা পাম্বা বামান্দি ধর্ম্মা চংলু হায়বা য়াদবগা দমক্কী, । মাব নোংমাহনগদৌরিবসে, প্রজা নখোই পুম্নমকসু ধর্ম্মা অসি চংলু হায়বা য়াদ্রবদি মাগুম্না ব্রাবা ফংগনি,- অসি হায়না ইপুনা চেঙ্গোকউ:।

অনং ফি হায়রোই পুম্নমক অমত্তা ব্রাংতনা কৌখংলগা পাওনম হিদেন-মপাল ফৈদা হিদং মশুমাংদা হৌরিবা হৈবোঙ পাম্বীদা থৌরি থরগা

ললহাম্ববু থৌরিদুদা নোংমান্নবা ইপুনা সিল্লু। নিংথৌ ব্রা তাবদা মন্ত্রিনা অনং ফি হায়রোই পুম্নমক কৌসিন্দুনা মরম পুম্বা অমত্তা ব্রাংতেনা সিলখ্রে-। শগোল মকোক্না চিংবা মীনাই খারগী পাওদগী,- লৈকাই-লৈকাইগী মী খর কোনুংদা কাখৎনরকপা হৌনরক্নে-। নিংথৌ শাগোল পাওজেন্নী হায়দুনা।

মতম অসিদা মাইচৌ লাংওন অথোইবা মৈদিংঙু তুবি খাগেম্বা স্না হাকথক্কী শাওনমিন্নবা অপোই শাওন্ ওইঙম্বা লৌরেম্বা খোংনাংথাবনা ললহাম্বগী পাউবু তাবগী থুনা য়াঙনা লাক্নুনা ললহাম্বগী মরান্দা থুংলরে,-। খোংনাংথাববু উরবগা মোইরাং ললহাম্বনা কোংয়াং চৈগুম-তা মালেম লয়দা পক্না খুরুমলে,-। ইয়াম্বা পম্হৌ শকপা মাচৌও:।

ললহাম্বা ঐহাক্তি ইয়াম্বা থৌগল ঙমদরে,-। চীঙু নঙগী নতিক্ নয়াই ফংঙমদনা লম্মখাংদা তেখিবা তারে,-নিংথৌ চৈরাক্না কনবনা চীঙু থৌগল্ তৌঙমদবা তারে,-। ললহাম্বগী নুঙসি খোঞ্জেন তারবদা খোংনাংথাবনা হায়বকই-। করি মরান লৈবগী ইনাউ য়াইবী মাঙগবা? পাথাং-পুথাং পারি পুরি লাইবু থাফরোই হায়বগী ইনাউবু থৌরিদা য়াইবী নোংমান্নগনি হায়রিবা? ঙাইখো ললহাম্বা-। অরেপ্পাগী মরমদা য়াইবী মাঙববু কিবরনে,-ইনাউবু?- খোংনাংথাবগী ব্রাহৈ নুঙসিবদু তারগা ললহাম্বনা পাউখুমখি,-।

ননাই-ননাউ ঐহক্তি অচম্বগী মরমদা থব্রাই মাঙববু কিজদে: ইপাগী ইপুগী মতিক ময়াই ঙাকচরগনি,-। নংত্রবদি হয়েং পোইরৈ চাদোননা মৈতে শুরোনশিংনা ননাউবু শোন্নাইরগনি,-। নংত্রা ইয়াম্বা? মনাউ ললহাম্বগী বা তারগা খোংনাংথাবনা হায়খি,-। নুংঙাইদা ইনাউ ললহাম্বা,: নঙগী নরা তাবদা নয়াম্বা ঐগী ইপুকপু নুংওল্লি,-। নঙদি কাউরবরা? মৈদিংঙু চরাইবোংবা- মহাকথক বিষ্ণু গোশ্বামিগা খ্বাই কেক্রু অনিগী মৈচৌ চাংয়েং তান্নবা খোইয়ু মতিক উৎনবা, মতমদা লাইজ ঈশিং ঈরেন ইয়াঈদা খাম্বী মৈহৌহনখিবা, নবুধৌ স্না মহিরেনগী সিদবা মিংখৈনা খাম্বী মৈরী তোক্না চাকখিবা খ্বাউ কেক্রুবু অকি তুজং লৈখিবা মরমদি চীঙু সিদবা মিংখৈনী কাওগন্ ইনাউও:।

গোস্বামীগী রাম নামংবা নাম্না খাম্বী মৈপোক খোকঙমদরবগী, গোস্বামী মিনম্বা ওইদুনা নিংথৌ স্নামাংদা অরাবা ব্রাথোক ওইরদুনা নোলুক

লৈখাতাখ্রবা লম্বোইবা শাসন্নবা বিষ্ণুগোশশ্যাম্মী মহাক্কী মিনম্বা অদু উবদা, নিংথৌনা তানথোক্লকপদা ময়ুম্ মরৈপাক শিলোট মাগী মরৈবাক্তা চংখ্রগা ময়ুম মরৈবাক্তদি চংত্রগা,- লমাংদোংদা থোংজাওরোক্তগী নুংমচা অমা খুনলগা বিষ্ণুনি হায়দুনা তাংতৌদুনা লাংতুনা লৈরিঙৈদা,

নিংথৌ লৈমা ইবেম্মা শাপমচনু নুংথিলচাইবীনা মচা পোকতবদগী মচা পোক্লবা লাইব্রা মন্ত্র থিবদা পাংঙনবম্ অমুদা লৈম্না খুয়া লখুম্ সেন্ পিদুনা মহৈ থিহনবদা,- অমুনা লম্বোইবা অদু থেংনদুনা মরম পুন্বা ব্রাবি শানরগা অমুনা মী কানা উহন্দনা লম্বোইবা অসি মাগী ময়ুমদা পুবকলগা ইবেম্মা নুংথিলচাইবীগা উনহন্দুনা ব্রারি মরম পুম্নমক শানহনখী।।

মহাকপু পোকপদা চরারোংবনা মচা নত্তে হাংলনি হায়না তৌববদা মমানা থাংগান খুনলাকপগী তালোই লৈমা নুরালেম্বীগা ঙাইশান্নদুনা মানা হেক পোকপগা হাউবম্ সেলুংবগা শরৌ তৌনদুনা থাংগান মতে মনাওদা থৈদোক্লনা লোংতুনা মতম কুইনা থম্মুরবনি মতুং কাইনথংদা নিংথৌনা লৌখংলুরগা হাউ মচা লোইশং হায়দুনা অমুক লোইশং শাগংলগা মাবু লোইশংদূদা চাউনবা নিংথৌনা য়োকখিবনী,-।-মতম খর লৈরগা চীঙু নোংদম অমা লাক্লনা মকোই হাউ ঙাওরদুনা মকোই হাউনা লানলাকপদা নিংথৌনা হাউ তানলুবা হনলকপদা,- হাউবম সেলুংবগা গোশাই মচা পাম্খেবগা শরৌ তৌনদুনা চরাইবোংবা নিংথৌগী মথবাক্তা তানা থিন্দুনা হাংথিবগী খুদম খোংনাং হোগাইবী লৈবী চবাইরোংবা নিংথৌগী থবাই মাংফম মোংবা হনবা ইরিন খোংনাং মখোং খ্বাই পম্থোং মপাল্ নোইনু থুমতাইফম তেনৌ য়োংত্রিকফম খ্বাইরমন হায়দুনা লৈরিবা অসি চবাইরোংবা নিংথৌগী. থরাই মাংফম্নীনে, ইনাও-।।

ব্রাবি শানরগা লম্বোইবা অসিনা তাওজিং হৈবাং মপুং ফাবা ফজবা কোম্না-৩-দা লম্বোইবাদুগী মন্ত্র থিংকাপননা সোম্লগা লৈমাদা পিনে ইবেম্মা লৈমনা হৈ: অসি নংচাও: হৈ:-৩- অসি চাবা হেক লোক্টবদা নিংথৌনা ইবেম্মা নংবু থাদোকপা ঙমলাবোই মতম অদুদা লৈমা নংগী নচা থা... ফংঙগদৌবনী হায়না মাগী অসোনবা কোম্না-৩ দু চাহনলে. ।

কোম্না অদু চারুবদগী লৈমা অসিনা লাম্বোইবা আসিবু উদ্রবদা

লৈবা ঙমহ্রে,-মরম অদুদগী অমুগী জগাদা লৈমা অসি ঙাকলৌ ফিয়ান্ নাথিবনী, পামহৈবা অশে বিষ্ণুগোশ্যামীগী মচা অশেংবনী,-শানৌ ইবুঙো মরম লৈরিবনী শানৌ। পামহৈবা হায়বা অসিদী মৈতৈ গ্না-ঈ মচা নত্তে,-। ময়াং চাকনিবা বিষ্ণুগোশ্যামীগী মচা তশেংবনী,-। মরম অসিদগীনি মহাক্না মৈতৈগী ফনবা নংহাক্ ঐহাক্ চংদুনা মৈতৈগী ফনবা মরম কয়ামুক হায়বদা মহাক্না য়াম্রিবা অসি নংসু খল্লু। মহাকপু ঙাকলৌ ফিয়াল লকপগী মরম অসি নিংথৌনা তারক্ খংঙক্পাগী ব্রারম মরম অয়াম্বা লৈরী,।

লম্বোইবা মিন্থা অসি নিংথৌনা ফাদুনা কোনুংদা অঙাং ওনহনলনী তৌরবদা হাওবম সেলুংবনা নিংথৌদা লম্বোইবগী মথব্রাই নিরগা ননাই শেলুংবা ঐনা জগোন্দা অঙাং ওনহনলুরগে,- হায়না পুথোকখ্রগা,- সেলুংবনা লম্বোইবদগী মহয় মন্ত্র খরা লৌহৌরগা লম্বোইবা থাদোক পিখ্রগা,- শেলুংবনা জগোন্দা শাঙা হংলগা শাঙাগী ঈ অদু লম্বোইবা হাংপগী ঈনি হায়দুনা শেলুংবনা নিংথৌদা ঈ কংথিবগী মরম কয়ামুক লৈরী,-।

লম্বোইবা বিষ্ণুগোশ্যামী অসিনা শিলোট লৈবাক্ য়ৌখ্রগা,- থৌথোক অসিগী নুঙাইতবা ব্রাখলনা মমাংঙৈদা,-মৈতৈ লৈবাক অসিদা লৈরিঙৈদা মহাক্কী মচল্ নুপি বানালিক কৌবা নুপি অসিনা মাগী শেবোক্ হরি নারায়ন্ চক্রপতি কৌবা অমদা ওংদুনা লম্লেন নিংথৌখোংদা পোকখিবা মমাকনিপা শান্তদাস কৌবা অসিদা মহাক্কী হৌথিবগী অখা-অয়াক্কী মরম পুম্বা, চিংথবা লৈতনা ব্রারি শানরগা মমাক শান্তদাসতা চরাইরোংবা নুংফমদা তংতনা তাহৌরিবা লিক্লাং পরেংবু খুনকংগা লৈচল্ চানা লেংদুনা ঈমাক্কী গলে বস্তো ঙকশমদা বিরা জিতো ঙানথোইনা সিরুরো: হায়না থাদোক্লকপা শান্তদাস্নী,-। মাগী মামানা পোইরৈ গ্না লৈবাক্কী লৈহাও ফবনী অথুম অহাউ চাবা থকপা ব্রাংতবনী হায়দুনা পোইরৈ অসিদা শান্তদাসনা লাকপাদা পোইরৈগী নুঙশেন্দা তাবা মমিবু মিংশেন শক্মাই চুম্বনা শান্তদাসকী য়াথংবু কোরৌ থক্তা কাফদে মালেম লৈদা তাফদে হায়না চেংনা নুঙদা কোনখরে,- অদুঙৈ হৌথিবা ব্রা কোংদোক্লক্রবদগী থোইনা হেম্না নুঙসিনখ্রবনী,-।

ইনাও নপুক্লিংদা ওনলাংগনু চীজু লাইনিং পারে চেংলু ইনাও করি অম্বাথা নংলোই-।- তেংবানবগী মপু খোইয়ুম লাইগী মকোক্ ওইরিবা

ইবুধৌ মালেম লয়শেম্ নোংশেম্বা চীঙু শরী সিদবা লৈরিঙে ইনাউনা মাইথিবা করম্ ফংগনি,-। নঙক থৌরি থাংলবসু খাম্বী মৈপোক থোক্কনি,-। চীঙু শরী সিদবগী মিংথৈরেনবু উনৃবি লাইয়িমনুঙদা চেংনা কোন্‌জৌও:-।-নয়াম্বা ঐসু ললহাম্বা নংগীদমক চীঙু পরে চেংলগে অসুম পাউমেননরম্লগা থাবদদি মরান লমদা হলরাইখি,-।

ললহাম্বনা ময়াম্বা চীঙু মাইচৌ য়াব্রাবু থম্মোই নুঙদা চেংনা কোল্লবগা চীঙু শরী সিদবা খোইয়ুম্ মিংথৈবু চেংনা কোন্দুনা ইনুং ঙানবা ঙাইরকৃখি,-।

অশুম্না লৈরিঙে চীঙু নোংদম তুংইন্ননা লাইরেন ইনুং ঙানলবদা মোইরাং ললহাম্বনা চীঙু সিদবা মিংথৈরেনবু শোম্না স্না কোনুং কারক্লে-। মৈদিংঙু খুয়াখাদা পুরুম্না ননাই ইপু লাকচরে হায়না তাকখি-। মতম অসিদা মৈদিংঙু পামহৈবদি অশাউ মরেপ্ ফারবগী মোইরাং ললহাম্বা উরগা কৌবদি লায়বদুনা থুনা য়াঙনা থৌরি হুক্লা নোংমল্লো হায়না স্না য়াথং হায়রবগা নিংথৌ মনাইশিংনা ললহাম্ববু মপাল লাংদা পুথোকখি,-।

ললহাম্বগা নিংথৌ মনাইশিংগা লোইননা লাকপনা ফৈদাপুংদা য়োরবদা নিংথৌ মনাইশিংনা ললহাম্বগী মঙকশম্‌দা থৌরি থুরবগা শাগাই পনবান থক্তা পুখৎলগা হৈবোং পাম্বী মশা অচৌবা অদুদা থৌরি চেংনা কিসনলে,-। মতম অদুদা ললহাম্বনা হায়খি,-নিংথৌ মনাই অঙম্বশা,-। শাগাই পৌরোন শংপা ঙাহাক্ পুঙ্গোই ঙাইখো:-। ঐদি শিল্লগদবনি অদুনা ঐগী খোইয়ুম্ সিদববু অমুক্তং ইচিনসিদা সোনখিগে অশুম্না হায়রদুনা খোইয়ুম মিংথৈ সোল্লক্লে,-।- মতৌ অসি উবদা চীঙু তাইবং খায়বা খোইয়ুম সিদবনা নমু কনা খংহন্দনা মদাইরেম ললহাম্বগী মঙক্ থৌরী হুকপবু খাম্বী মৈরী হৌহল্লে,-। মাইচৌ য়াইবী কনথরে,-।

খাম্বী মৈরিক থোকপনা নিংথৌ মনাইশিংদা তাম্না-তাম্না মৈপোক্লে, মশা, মউ, চরৈ ফিরোল চাক্লক্লে,-। স্না কোনুং মথক মখা ওনলক্লে। শঙ্গাই মনুংদসু খাম্বী মৈপোক থোক্লা মৈহৌরকুনা লৈমা-নিংথৌগী, মফি মরোল পুম্নমক্ চাক্লে-। লৈবাক মীয়াম্ পুম্নমক অচেন খংলে হৌনা চেলনরে,-। মীয়াম্না মতৌ অসি উবদা ললহাম্বসে তাইবং নত্তরে,- খোইয়ুম

লাইনি ঙাংনরে লৈবাক মীয়াম হুপ্পা নিম্নরে।

মতম অসিদা নিংথৌনা লৈবাক্ মীয়াম তান্নবা লাউরকই-ইদাইরেম নখোই পুম্নমক্না ললহাম্ববু অমুক হন্না থৌরি য়ানখো: হায়না অকলবা চৈরাক্ খোনজেন্না লাউরকই।

ৱাসি তাবদা লৈবাক মীয়াম্ মরক্তগী ঙবোংমনজুনবা অমা,-ইনলগা খোংনাংথাবনা হৌগংলক্লে-। অহন মতমনদি ওই কাম্লাক্ কুরুসুং খুবোম্ সিংলি পাফন্থোক্ চুবা কাংগোইনদি ময়েংতা মাংগী লমনদি সাংখি তুংগি লম্নদি তেন শনলক্ ওম্থোক্লা ৱানা হৌগংলক্লুনা মীয়ামগী মরকতগী থোরক্লগা চীঙু খোংনাংথাবনা পেল্লবগী মনাউ ললহাম্বা কোন্দুনা য়াৱা খোঞ্জেন্ থোক্লা লাউরকখি মীবু অনিরক হাংহৈদে,-। মী অনিরক্,- হাংপগী হুকুম লৈতে মী হাংপগী হুকুম্ অনিরক্ তৌনবা মীদী মরু তাংজ ইছন তমদ্রি,-। ইনাউ ললহাম্বদি থৌরিদা নোংমান্হনবা ঙমদরে,-লৈবাক্কী মপি-মপা ওইবনা-।

অসি খোংনাংথাবা ইখুংতগী ললহাম্ববু মুনগদবা পোইরৈ অসিদা মরু হন্দ্রি,-। করি নিংথৌনি হায়দুনা মরাল লৈতবশিংবু ঙম্মি হায়বগী অশুম্না হেক্ তৌরবদি লৈবাক্ ৱাবা ওইগনি,-। অশুম লাউরল্লগা ললহাম্বগি খুজেং পায়দুনা লাউ: ইনাউ,-ললহাম্বা অসিগুম্বা মচং নাইদবা নিংথৌ নাক্তা লৈবা হৌনদে,-চংলসি লাকও: অশুম্না হায়দুনা চংখরে,-। মতৌ অসি উরবদা মৈতৈ অয়াম্বা ঙক্লখি,-।

৬-শুবা মতাং

য়ুমলোন্নবনা ঈচেল থাজিনলকপদগী পুক্নিং মথক-মখা ওন্নখিবা, মীরাম্না মৈতৈ জতি মাংনবা হোংনবা।

মতুং নুমিৎ খরা লৈরগা ভগবানদাস-নারানদাস অনিনা মৈদিংঙুগী মফমদা হঙ্গচ্চে-। পোইরৈম্না মীতম্ ঙানবা লাইনিংথৌ,-নবুধৌ খাগেম্বা পনলোনগী ৱাঙ্গোই মকাইফমদা লৈরিবা লাইসিবু মাঙহনদ্রিবা মখৈদি নিংথৌনা নিঙবিরিবা থৌরম পুম্নমক্ কায়গনি রামান্দি ধর্ম্মা শন্দোকপা ইয়া

য়াররোই-।- হায়রিবা লাই-শেন অহিংবনা হয়দুনা শাই হায়না লৈরিবা অদু থুগাইরগা মাঙহন্দ্রবদি,- রামান্দি ধর্ম্মা অসি শন্দোপা ওইথোক্কে। অশুম্না গোষাই অনিনা হঙ্গংপা ব্রা তারবদা মৈদিংঙু পামহৈবনা স্না পুক্নিংদা য়ৌনা থাজমনখিদুনা ফরে,- হয়েং ইনুং হেক ঙানবদা নিংথৌ ঐগী ইদাইরেম্শিং তম্বা মী খর থাদুনা কোলু য়ৈখায়গে ফুরা লাইয়িম্গা কোন্ননা থুগাইবা হায়বা অসি লেপ্পবনি-।

নিংথৌ য়াব্রা তাবদা গোযাই অনিনা থৈননি মহারাজ ননাই ঐখোইসু চংপা য়াউগনি,- অদুনা স্না য়াথং পাউ হায়দোকপা য়াবশিংদা তাকপিরোঃ হায়না হঙ্গংখি,-। গোষাই অনিগী ব্রা অসিদা নিংথৌনা লুপশিন্না থাজমনখিবদগী,- হাউবম শগোল মকোক মন্ত্রি কৌশিনলে,- ইপু হয়েং ইনুংহেক ঙানবদা ইবুধৌ খাগেম্বা পনলোনগী ব্রাঙ্গোই মকাইফমদা লৈরিবা স্নামহি কোলু অদুগা ফুরা লাইয়িম্ অদু থুগাইনবা তঙ্গানিপা -৫০- পুনা চংলু কোলু অদু য়ৈখাইরগা লিন্দুখোং য়োকোন্ নুং পাংতা থাদোখোঃ- অশুম্না স্না য়াথং লাউথোক্লবদা শগোল মকোক্না ননাই ইপু স্না য়াথং শোয়দনা পাঙথোকচরগনি হায়না পাউখুমখি।

মতম অসিদা স্নাহল শ্যামশাই খুরাইলাকপা পোকপি পলেম মমা অরাম্বম চনু লৈমখুবিনা কোলু য়ৈখায়বগী পাও অসি তারদুনা নিংথৌগী স্না খুয়া খাদা চংলক্লনা খুরুম্না হঙ্গংচৈ,- লাইনিংথৌ ইবুঙো নবুধৌ খাগেম্বা পনলোনগী চীঙু তাইবং খায়বা ইবুধৌগী,- কোলু য়ৈখাইবা হায়না স্না য়াথং তাকপিরিবা অসি স্না পুক্নিংদা অমুক্তা মুন্না খনবিখো,-। চীঙু তাইবং খায়বা মালেম শেম্বা লাইনি,- অমাঙ অতা লৈতবা খোইয়ুম সিদবা লাইনি,-। চীঙু মাঙোন্দা লঙজরুরগা তুংদা করি অকায়বা থোক্লগদগে খনবিয়্ লাইনিংথৌ-।

ব্রা অসি তাবদা মৈদিংঙু পামহৈবনা, করি? অরম্বী নিংথৌ ঐনা তৌবা থবক্তা নঙনা অমুক ব্রায়েল্ চঙলি? চংলো নশক য়েংনিঙদে, অশুম্ হায়না খোংপাক্লা কাউদুনা তাম্লোকখি,-। ইনুং অদু হৌখরে,-। হাউবম মন্ত্রিনা নিংথৌ য়াথং তুংইম্না নিংথৌ মনাই -৫০- পুদুনা ব্রাঙ্গোই মকাইফম য়ৌখরে,-। নিংথৌ মনাইশিংনা খোইয়ুম্ চীঙু সিদবা ফুরা লাইশঙ-নুঙদা

লৈরিবা চীঙু শকপানথোং নিঙথিববু উরগা মৈতে কনাগী পুক্রিংদা খোইয়ুম্ স্না মহিকশাংবু নুংথং খুৎলাই থাঙমদে,-।

মতৌ অসি উবদা ভগবানদাস-নারানদাস অনিনা কাঁরনোঃ নিংথৌগী স্নায়াথং পুদ্না লাকলগা নিংহন্নবদি ফবে ঐখোই অনিনা য়েখাইগে অশুম হায়দনা মখক্তা নুংথং পায়দুনা ফুরা লাইয়িম নঙদা চংখরে,-।- চোয়নৌ স্নামহিগী কোল্ অহয়বা স্না শয়েং পায়দনা মপাল লাংদা চিংথোক্লে,- চীঙু তাইবং খায়বগী,- লুব্রাই কোইরেন্থক্তা নংথংনা থাখনে,-। অশুম্না স্না কোল্ য়েখাইরবদা য়েংথংবা পাম্বোমদি স্না শয়েং ক্তিক্তোক্লা খাঙ্গী মৈরী মতুম ওইনা হাউরে অব্রাং পাংনা পাইখরে,-।

অরাম্বম চনু লৈমখৃবীগী মনাউ ইবেম্মা লৈফোন্ন কৌাননা মাঙ্গোন্দা চরে ফি-শারিঙৈদা ইয়োং শাংদিং মখাদা ভাকলে. লৈফোননদি খংপ্রেক খংবগা লোয়ননা ফুক হৌগৎতুনা য়েংলবদা চাঙ স্না মহিগী, শয়েং পাম্বোম্নি খঙলদুনা চাঙু পাম্বোম য়েংলগা কোলু য়েখাইবগী বাব্ নিংশিংলক্লুনা হাক্লা হাক্লা কপচখি,। চবৈ ফিয়োম অমা থিরুবগা চাঙ পাম্বোম অদু থোগ্রদনা লুবাক তাবুনুঙদা চেংনা থমজখি. ।

ব্রাঙ্গোই মকাইফমদাদ নিংথৌ মনাইশিংনা ফলা লাংথোং থুগাইরে,- চীঙু মহিকশাংবু কুপ্না যৈখাইরগা লৈশাংখোং হিন্দেল লিন্দ্খোং য়োইকোন পাত্তা থাদখরে,-।- মতুংদা ভাগবানদাস নারানদাস অনিনা নানিনা জয় ওইরে হায়না লাউদুনা নিংথৌ মনাইশিংগা লোয়ননা লাকপনা স্না কোনং য়ৌরক্লে.- নিংথৌ স্না নাক্লা মনাইশিংনা লাক্লুনা চংসিনলগা বাঙ্গোই মকাইফমগী ফুরা লাইশং নুংগী স্না কোনলু থুগাইবগী ঐ-পাও থৌদোক পুন্না চিংথদনা পাউদমখি,-।

মতম অসিদা চীঙু লাইয়িম নুঙগি খোইয়ুম লাইফম হাংহনলবদা,- চীঙু তায়বঙ খাইবা লাইয়িংথৌনা মাকলং ফেনচিওই খমগোল্ নোংলৈ ওইনা অতিংঙা কোরৌ থক্তা পাইরক্লুনা খোংনাংথাবগী,- খোমলেন মংলান চান্দ চীঙু মানা তাইবং মীরোন থোক্লা হায়রৈএ,-।- ইদাইরেম্ খোংনাংথাবা,- নং খঙজহৌ,- নবুঙো ঐবু পামহৈবা নিংথৌনা চীঙু ঐগী স্নাকোল্লু থুগাইবগী ময়ম্লা নিংথৌগী স্না য়োইকোনুংদা চংদুনা খোংবলিরৌ

চনলগে,- অনা লাইকুম্‌হনলগে,-। চীঙ্গু ইতিক খংহনগে তাইবং য়ুমথোং খুদিং চংদুনা মীসি মিনা তোইহনলগে ,-। পোইরৈ য়াথোক্‌ তোইহনলগে,-। অশুম হায়না হায়রন্নগা,- লাইয়িংথৌ স্না মহিনা মপুক্লিংদা অশাউবগা লোইননা মাঙখিএ,-॥

খোংনাংথাবা মাইচৌ লাইতিন্নবনা খোমলেন মিকপ্‌ থোক্লবদা মাংলে-মাংলে হায়না লাইয়িংথৌ মিংখৈ অরুববু মচিন্দা সোন্দুনা পুক্লিং অর‍াবা ফংনা মিকপ্‌ থোকুনা হৌগৎতুনা সিদা মিংখৈ সোন্দুনা লৈএ,-।- লাইয়িংথৌ স্নামহিনা শাউখিবনা পামহৈবা নিংথৌগী স্না কোনুংদা চংখিদুনা খাম্বী মৈপোক থোক্লে-। কোরৌ অদুদা পামহৈবা নিংথৌ অসিনা খোমলেন তুমখুন তালিঙৈদা শা-লাউঃ লান্‌-লাউঃ খোনগা লোইননা লাইয়িংথৌ স্নামহিনা চংশিনলকলবদা পামহৈবা নিংথৌনা মিপাই থাবাইবগা লোইননা ফমুং কাংখন নুংদাগি চোংথোক্‌লকুনা লুখুমদা য়ানলিবা স্না খুৎসুথাং পাইদুনা পামহৈবা নিংথৌনা লান লাক্লবোই নিংদুনা চোংথোক্‌লকপদো-।

চীঙ্গু তায়বঙ খায়বা লাইয়িংথৌনা হায়রক্‌ই-। হাঈ নিংথৌ নচং ফংতবা নংনা-নখুংতা থাংলেন পাইদুনা চোংথোকলকপদী নথবাই মাংনিংদ্রবদি থাংলেন থাদোকউঃ নংগী থাং অদু কিবীবা মী নংতে-। নংগি থাং অদুনা ঐঙোন্দা কৈদৌনুংদসু য়ানবা ঙমলোইদবনী,-। পুক্লিং অতিংবা য়াথং অদুশুম্বাদবু কিবনী,- খংজৌ অশুম হায়না লাইয়িংথৌনা হায়রন্নগা মাংখিএ,-।

পামহৈবা নিংথৌনা পুক্লিং অঙকপগা লোইননা তয়ুম্‌ নাইজ মনাই সিংবু কৌসিন্দুনা স্না য়াথং হংখি,-। ইদাইরেম নখোইবু হৌজিক লাকপা হুয়েন লান অদুবু তাবার-হাইনা হংবদা,- তয়ুম্‌-নাইজ-মনাইশিংনা খুমৃমি-পোইরৈ স্নামিতম ঙানবা লাইনিংথৌ ননাই ঐখোইদি তাজদে,- মনাইশিংগী য়া-অদু তাবাদা পামহৈবা নিংথৌনা মংগ্রেম্‌ হাগ্রেম্‌নাবরা হাইনা তাংজ লুকুনা লৈখি,-। পামহৈবনা হায়রকই- চংলোঃ- চংলো-ইদাইরেমশা,- মরম অসি খংনিংদুনা কৌবনী,-।

ইনুং অদু ঙান্‌লবগা মতম্‌ খোংলৈ তুংইন্নবা পামহৈবনা লুক্‌-হারিঙৈদা তরা চাক মথক্তা লাইজ-ঈখেং অঙাংববু হৈথরক্লে-। পামহৈবা

নিংথৌ তরালুক্ হাবা,- য়াদ্রদুনা তোক্কুনা ব্রাখন তৌনা ফমদুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা মফম্ ইখঙ খঙহৌদনা কোরৌ নোংদোন্‌থক্তুগী চীঙু লাইপাউ লাউরক্ই-।

"হে: নিংথৌ অপঙবা, নবুথৌ ঐবু শকখঙদে, খোইয়ুম ঐদি মাঙফদবা চীঙুনি, তরেং শেলহিংনা হয়জবা কোলু অদুদি তরেং শেনগী কোনলুনি,-। চীঙু ঐবু লঙজবা নিংথৌ নংবু খাঙঙুদো"-।।

অশুম লাউরকপগা লোইননা নিংথৌগী স্না শঙ্গাই-কা খুদিংদা খাম্বী মৈহৌ লাংপোক থোক্লে-। নিংথৌ স্না মাঙদা, তিমেন তাগা,-খুৎসু থাঙশাং অরংবগা-২- অনিনা খুদম-চাংদম্ উৎনা থাদরবদা মৈদিংঙু পামহৈবদি অকি তুজুং পোক্কুনা মোংবা শঙ্গাই মপান্দা কোইচেল চেন্না খাংজরে,-।

মতম অসিদা মচা ইবুঙো শ্যাম্‌শাইদি ইখঙ খঙহৌদনা মালেম লৈমাই থক্তা তুখিদ্‌না ব্রাহ্মখিবদগী কৌবা খুমখিদরে,-। মৈতৈ লৈবাক্তা লৈরীবা মী পুম্বসু অনা অয়েক ফংবা পাউবু স্না কোনুংদা,- কারক্কুনা হঙংলে,- মতৌ অসি উবদা পলেম - মমা - লৈমখুবিনা,- চেনশিল্লক্কুনা মচাবু কোনখৎচরে,-। পারী ইবুঙো নুংচানবা,-। নপাবুং পম্থৌ মৈদিংঙুনা চীঙু মাগী মকাদা লঙজরগা পারী নংঙোন্দা খুদম ফংলবকো,-।

অশুম্না অরাম্বম্ চনু-লৈমখুবীনা মালেম লয়দা ওন্না ইঙা নোংখোং মতমগুম্ ইঙেন নোংখাই মতল্লক্লা মীকপ্লবদা,-মৈদিংঙু পামহৈবসু পারী ইবুঙো শ্যামশাই নঙগী নতৌ অসিবু ওস্থোক্‌য়ে, ইপারী নুংচানবা নঙবু খমনুং শব্রা মীখুরোল্ অমন্ খমলৈ মীনুংকোন্দবু ইন্দানবরা কল্লকয়ে,-। অশুম্না উন্‌বি লয়নিঙ শিংনা পাউহংনখি,-। আ:-মতম্ অসিদা গুরু শ্বামিজী থোইখোইবনা,- লেংবিরক্লবদি নিংথৌ ঐগী পুক্লিং অসি পেল্লগনিকো,-।

অশুম্না নিংথৌ শঙ্গাই মথক্ মখা ওল্লবদা শান্তদাস মহন্তসু অতোপ্পা রামায়ণ ব্রারী লাইরিক্ অচৌববু পুরক্কুনা স্না শঙ্গাইনুংদা য়ৌরক্লে-। মৈদিংঙু নিংথৌরেল ইবুঙো,ননাই ঐসু থুংলরে হায়না নিংথৌকাদা খুরুম্লবদা পামহৈবা নিংথৌনা চেনশিল্লক্কুনা খুরুমলে,-। গুরু শ্বামিজি থোইখোইব-ও ইপারী নুংচানবা শ্যামশাইদি মতৌ লাংওন অমা ওইখরে,-। ইপারী অসিগী

য়াইবী থব্রাই অসিবু অমুক্তদি কনবিয়ু-।

নিংথৌ য়াব্রা তাবদা শান্তদাস মহন্তসু অঙকপামখৈ ফংখরে রামায়ণ পুরান নিংথিববু মালেম লয়দা থন্নগা তফিং-তফিং চংশিন্না মপারী শ্যামশাই খুরাই লাকপবু লাইকন্নবা য়াওররে,-। শ্যামশাইগী লুব্রাই কোইরেম্বক্তা রাম্ তাড়ক্ মন্ত্র শোন্দুনা কান্নক্লে রাম্-রাম্ হায়না হেক শোল্লবগা,- চীঙু তাইবং খায়বনা কোরৌ নোংদোন থক্তগী খাম্বি মৈরী হুমথরক্তুনা মশম-মনা মফি মরোন পুম্বা পুমচাক চাক্লে। মতম অসিদা শান্তদাস মথন্তা হন্দোক্তুনা ঙাহাক্ পুঙ্গোই ব্রাখন তৌরগা নিংথৌদা হায়জরকই-। লাইনিংথৌ ননাই শান্তদাসগী গতি লৈতরে নপারী ইবুঙো অসিগী অনাবা লাইওং মফম্ খংদরে অশুম্না শান্তদাস মহন্ত নুংবংদুনা লৈরিঙৈদা,। পলেম মমা অরাম্বম চনুনা শান্তদাস মহন্তদা হঙ্গংচৈ হে গুরু লাইওইবা, থোক্লিবা থৌদোক্ অসিদি অতৈ অমা ওইররোই-। পোইরৈ মৈতৈ স্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা চীঙু তাইবং খায়বগী স্না কোনলু থুগাইরুবদগী থৌদোক অসি ওইগনি হায়না নদাইরেম্ ঐনদি নিঙজৈ-।

লৈমখুবিগী য়াব্রা তাবদা শান্তদাস মহন্তনা ইনিংথৌ ইবুঙো ইবেম্মা অপাম্বিনা হায়রিবা ব্রা অসিবু অচুম্বরা? নিংথৌনা চুম্ই গুরু-। কোলুদি য়ৈখাইরুরে-। মাদুমক্লা ওইরমগনি করম্ থাজসিবা? শান্তদাসনা করি ব্রানো লাইনিংথৌ? নিংথৌ স্না পুক্লিংদা তয়াং-তশোইর্মল্লি-। কনাগী থৌইনশিন্না থবক্ অদু তৌরুবা? মৈদিংঙুনা গুরুদেব,- ঐগী ইরৈবাক অসিদা ব্রামান্দি ধর্ম্মা চংনবা ব্রাখনবু ইঙম ঙমলোইদৌবা উবদগী গুরুগী চেক্লা অনিগী য়াব্রা পাউতাক্ মতুংইনবদগী ইবুধৌ খাগেম্বা পনলোনগী লাই অসিনা অশুম্ লৈরবদি ধর্ম্মা অসি চংপা য়ারোইদৌরি হায়বা ব্রাখন্দগী চুমগদরা হায়দুনা তৌরুবনি,-।

নিংথৌগী য়াব্রা তাবদা শান্তদাসনা মমিং ঈশুম্ খেরাং থাংনা মহা পাপি মখোয়না করি মতিক লৈদুনা লৈবাক্কী ওইবা লাইবু করেম্না কোলু থুগাইরুবা? মহা পাপি মখোঈ-অনি লোয়নবদগী শান্তদাস ঐবুসু অমাঙবা ওইরেদো,-। অশুম হায়রন্নগা ভগবানদাস নারানদাস অনিমকপু কৌশিন্দুনা হায়খি,-। নখোই অনিমক য়াম্না নতিক নগুন লৈবা মীনি অদুনা লৈবাক অসিদা

ঐগা লোয়নননা লৈমিন্নবা য়ারোই। থুনমক লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রো অশুম্না চেক্লা অনিদু তাম্নোক্খি।

মতুং অসিদা শন্তদাসনা ঙাহাক ব্রাখল তৌরগা নিংথৌদা অশুম্না হঙ্গংখি,- হেঃ নিংথৌ অথোইবা,- নপারী ন্না অসিগী ন্না হক্চাং ঈরিবা কনাগী শক্তিনা ঙন্নরোই-। মৈতৈ নংগী নরৈবাক্ পণ্ডিত লাইওই অথোইববু কনা লৈবগে? মাগী মফম্নাংদা চংজরগা ফগনি নংত্রবদি মাঙবা তারে লাইনিংথৌ,- শান্তদাসকি ব্রা অসি তাবদা গুরুদেব, মৈতৈ ঐগী ইরৈবাক্কী পণ্ডিত অথোইবদি লৌরেম্বা খোংনাংথাবনি,-। অশুম্না তাক্লবদা মহন্তনা হায়খি।

অদুদি পণ্ডিত অদুগী মফমদা ননাই ইশামক্ চত্তুনা খুরুমজরগে, নপারী অসিবু লাইকম্নবিরমও:-। ননাইশিং অমগা ঐগা চৎচগে, হায়রবদা মৈদিংঙুনা হাউবম মন্ত্রিবু থাদুনা মহন্তগা অনিমক্ লৌরেম্বা খোংনাংথাবাগী লাইনিং সঙ্গাই তাম্না চংখ্রে লাইনিং সঙ্গাই মাঙ্গোন্দা খোংনাংথাবা ফম্নম্বা উবগা শান্তদাস মহন্ত মঙক্তা চরৈ ফিবু য়েংনা লাইনিং শঙ্গাই মশুম্মাংদা দণ্ডবং প্রনম তৌনা খুরুম্খি,-। হাউবম মন্ত্রিসু খুরুমখি,-। মতৌ অসি উবদা খোংনাংথাবনা মন্ত্রিগা লোইননা মীরৈবাক লম্বোইবা,-। নখোই অনিদি লৌরেম্বা ঐগী ইফমদা করি হিরম লৈবগী লাকপনো:? হায়না হংবিখি, শান্তদাসনা খুমজেয়ে,- মৈতৈ পণ্ডিত অথোইবা,- ননাই তোল্লবা শান্তদাসনি,-। গতি লৈরক্তুদুনা চীঙু লাইওইবা নফম্নাংদা চংজরকলিবনি,-। চীঙু নহাক্লা অমুক্তদি পোকপিয়ো,-। নসু নচা ওইদুনা নপোইরৈ ন্না লৈবাক্তা মতম খরতদি লৈজগে ননাইগী অরানবা কোঙ্গাই ঙাকপিয়ো,-। মৈদিংঙু মচা নুংচানবা মপারী শ্যামশাইগী য়াইবি মথব্রাইবু অমুক্তদি কনবিয়ু-। অনা লাইওং খংখিদ্রে।

ব্রা অসি তাবদা খোংনাংথাবনা হায়রকই। মীরৈবাক লম্বোইবা,-। নুঙঙাইদা,- নিংথৌগী মচাগীদমক নহাক্লা অদুক ব্রারবা,-। মীনুংশি খঙবদি খোংনাংথাবা ঐঙোন্দগী হেনববু তানবা ফংগদবা মী কনা লৈরিনি? অদুবু নিংথৌগী মচং মতৌ য়েংলগদি চংফম্ থোক্তে-। অদুবু মী অমনা ঐগী ইফমদা চংজরবদা খোংনাংথাবা ঐদি খাংঙমদে, অদুনা নখোয়

হান্না চৎলমলো ঐ ঙাহাক্কী মনুংদা লাকলগে। মাইচৌ য়াব্রা তাবদা মন্ত্রি মহন্ত অনিমক্না থুনা য়াঙনা শঙ্গাই মাইকৈ পাংনা হনখিরে,-।

ঙইহাক পুংগোই লৈরগা খোংনাংথাবা মাইচৌনা স্না শঙ্গাই পাংলক্লবদা কোনুং য়ৌরক্পগা শঙ্গাই শুমাংদা পামহৈবনা চরৈ ঙক্তা য়েংনা খুরুমই। ইপু ননাই ঐগী ইপারী নশু শ্যামশাইগী মথব্রাই অসিবু অমুক্তংদদি কনবিয়ু হায়দুনা মালেম লয়মাইথক্তা কোংয়াংচৈশুম্ তানা নোং খোংবশুম কপ্চখি,-। মতৌ অসি উরগা খোংনাংথাবনা হায়রকই। নিংথৌরেল,- ননাই ইপুনা লাই ওইদুনা কনবা ঙমগদবা নত্তে থৌদোক অসি ইপুসু খঙলে। ইনিংথৌ নহাক্না খরদং লান্নাখিবা মরম্না থৌদোক অসি থোকপনি,-। মোইরাং ললহান্বসু হাংকে মতৌখি,-।

অদুগা লৈবাক অসিগী পারি পুরি লাইওইবা চীঙু তাইবং খায়বা নবুথৌ খাগেম্বা পনলোনগী স্না হাক্তক্তা লাংলম্বা লাইবু হেক্তা থুগাই য়েখাইদুনা মাঙনবা শীনবনা থৌদোক অসিনা ওইবনি,-। নবুথৌ স্না মহিবু হেন্না লুবা লাইদি মালেমসিদা লৈরোইদবনি,-। চীঙু মাগী মফমদা লঙজরুবা মরম্না তেনবান্ অসি থোকপনি,-। চীঙু মাগী মকাদা, নবুথৌ স্না খুয়া খাদা চংজৌওঃ শোয়দনা ফগনি,-। নিংথৌ মমিং থিংনা খঙহনগে হায়বগী চীঙু মানা তৌবনে,-। হৌজিক মৈদিংঙু নিংথৌরেল নহাকসু স্না ন হক্শাংদবু তেন্বাল্লক্খিগনিয়ে,-।

মরম অসিনা নবুথৌ স্নামহিবু থাদা কোন্না নপুক চেংনা নিঙজৌওঃ ঐসু হল্লগে হায়রবদা,-। খোংনাংথাবা মাইচৌবু য়েংদুনা শান্তদাসনা হায়জরকখিয়ে,-। হেঃ মাইচৌ পণ্ডিত অথোইবা, লাই ওইবওঃ- ঙাহাক পুঙ্গোইদদি ঙাইবিখোঃ চীঙু মাগী মতিক অরূববু হংজনিংয়ে,-। খোইয়ুম মাগী মংশাবলি খরবু ননাই ঐঙোন্দা তাকপিয়ো হায়জরবদা খোংনাংথাবনা হায়রকই। হেঃ মীরৈবাক মচা লম্বোইবা! তাউ-। থক্তা হৌখিবা পলেম পম্বৌ লাইনিং অহল্ ওইবশিংনা অশুম্না ঙাংন-শোন্নরময়ে,-।- খোইয়ুম শরি সিদবা মহাকপু হেনবা লাইদি লৈতেয়ে অহানবা লাই য়াইবিরেন সিদবা, য়াব্রা কোনখাংশগী-নমু-পোংথোক মথংলেংনা থেন্দম্নকপা থিরেন উংলৈনুঙদগী লাবা থিয়াং থোক্না লমহৌরকপ্পা স্নাকোনফুরেন্ সিদবা

অশুম্না নিঙনববনি,-।

লাইমিং অসি তাবদা শান্তদাস মহন্তনা ব্রাহে খুদিংগী অর্থ অমুক্ হংজববু তাকপিরবদা মৈদিংঙুদা য়েংদুনা লাইনিংথৌগী মফমদা ঐখোইনা লঙজখরে ইনিংথৌ। ঙসি কৌবা নোংদগী খংজরে,-। নপোইরৈ মৈতৈ স্নালৈবাক্কী খোইয়ুম লাইশোন অসিনা খ্বাইদগী হেন্না ব্রাংলন্নে,-। আদি-অনাদি-পুরুষ-ভগবান-শ্রীবিষ্ণু অন্তর্জামিব্নি ব্রা অসি তাবদা লৌরেম্না খোংনাংথাবনা হে মহন্ত! চীঙু খোইয়ুম ওইবা মহাক্তি মী-মী মহাক্কী নিঙজ-নিঙজবা অদুগী মতুং ইন্না পিবিবা লাইনি খংউ-। অশুম্ হায়রম্লগা খোংনাংথাবাদি,- মোংবা মরান য়াইদা হনখ্রে-।

৭-শুবা মাতাং

লংজবা কোক্লবা-নিংনা উপান মরু থিবা

মতুং অসিদা শান্তদাস মহন্তনা নিংথৌদা হঙৎচৈ,- লাইনিংথৌ ননাইশিংনা থুগাই য়ৈখাইদুনা ছন্দোকখি হায়বা চীঙু কোলু অদু নদাই তয়র্মশিং থাদুনা থিহন্দবা য়াদরে,-থিংবিরগনু-। নবুধৌ স্নামহিগী শ্রী মুর্ত্তি অদু অমুক হন্না হয়রগা অনৌবা ফুরা লাইয়িম শাদুনা চীঙু মাবু পুকমসে অশুম্না খোইয়ুম মাবু ইরাংলগা, ঐখোইনা নিঙজবা ধর্ম্মা অসিবু পাঙথোকহনবীয়ু নির্জাশ অদুম তৌরবদি নাপারী নুংচানবা শ্যামশাইস্ অনা লাইকোক ঙমগনি,- । মতৌ অশুম্ তৌদুনা মপারী শ্যাম শাইদি কোরৌ নোংজা তরেংনিবু ব্রা ঙাংদনা অনা ফমংশেন্ননা লৈরক্লে,-।

শানন্তদাস মহন্তগী ব্রা তাবদা মৈদিংঙু খোংনাং ময়াম্বনা ময়ম মনাই অনং ফিহায়রোইশিংবু থাদুনা লহান্নোং লিন্দুখোং য়োইকোন পাত্তা থাদাখবা চীঙু স্না মহীকশাং কোলু অকায়বা মচেংশিংবু থুনা য়াঙনা লৌরু হায়না স্না য়াথং তাক্লবদা তয়ম মনাইশিং চত্তুনা লৈশাংখোং মরু লিন্দুখোং য়োইকোল্ লৌপাত্তা থাদখিবা চীঙু কোলু মচেংশিং খুল্লুদুনা পুরক্লে,-। স্না মাঙদা থানা কংলরে,-। মতৌ অসি উনদা কোলু অসি হয়খিবা মীশককী মংশাবলি থিবদা শগোল-পুন তাবা সেঙনা অমুদোন ওইরবগী, মাগী মচা

মশুশিং কোল্ হয়বা ঙমগদবা কনানো কৌরুও হায়না তাকপিবে-নিংথৌ স্না য়াথং তুংইন্না সেঞ্জবা অমুদোনগী মচা মশুশিং সেঞ্জবা তাংখোম্ববু কৌরুদুনা চাঁঙ চেংলৌ ঈকপানথোংদি ইবুধৌ খাগেম্বা স্না মহাকথক্কী মালেম লয়রুম-তৌ-খোইরু-মিতম লার্কখিবা মওং লৌনা হয়গদবনি হায়না স্না য়াথং তাকপিখি, ।

নিংথৌ যাথং ফিগাউননা সেঞ্জবা তাংখোম্বনা চাঁঙ কোলু হয়খিবা লোইদাম থামিং খঙনবা কোরৌ নোংজা খঙনবা,- নহাননোংগী নিংথৌগী লংজবা কোকুবা নিংথৌ মনাইশিং থাদুনা মোইরাং ললহাম্বা মাইচৌদা মমাংঙৈগী মরম পুম্বা হংহনলুরে,- ললহাম্বনা মরম পুম্বা তাকপিরে,- নিংথৌ মনাইশিং ললহাম্বা খুরুম্নম্নগা,- থুনা য়াংনা লাক্কুনা নিংথৌদা তম্লরে,- নিংথৌনা খংলবগী স্না যাথং হায়দোক্লে স্না যাথং তুংইম্ননা লোইদাম ফাইরেন থাজগী থানিন য়ুমশকৈস নুমিৎতা চাঁঙু কোলু হয়জরে-। হয়র-নিঙখাযব-হযব-নিঙখায়র-চাঁঙ স্না মহীকশাং লেপ্পা য়াদ্রবদা লৈবাক চঙনা থন্নরে ॥

মতম অদ্দা পামহৈবা নিংথৌ অসিনা শান্তদাস গুরুবু কৌদুনা লাইযিংথৌ গ্রামহিগা স্না হকচাং কোল্ য়েখাইখিবা মচেং চেংলৌ শক্রম হযবা নিঙখাযখিবা অদু যেংহনলি মাদু যেংলগা সান্তদাস অসিনা হাপবক্লে, ০। হৌর্জিভ হনিংথৌ স্না হকচাং অকাগবা অসি অং স্মা, । শামটি লিংখৎতুনা লোংত্রবদি শামগী নাম্ অযোইববু সোনবা যানবোই। লোইবৈ স্না মরক ডান নুপানবা ঙমলনোই-। শ্রীমা রু অসি অমুক ময়া হৈনবা থৌনা থোনাস, । অঙুম হাযনা শান্তদাস অসিনা তাযবনদ পারেংন নিংথৌনা, মনাই ত্তযম ঞচানবা অনংকিহায়বোই কৌনগা পাওসনে ইদাইহনেনও নংনা চাঙ্ মোইবাং ললহাম্বা কৌরুও ইপুদো পুক্নুঙগী অশাওবা নিংথৌ এঙ্গাম্দা লৈবদগনি ইদাইবেম নংনা শাওদনবা গোকইনা থৌদোক অসিগী মরম পুম্বা হাযনগা কৌবকউ স্না যাথং তুংইম্ননা চংখ্রে । ললহাম্বা শঙ্গাই মাঙ্গোন্দা কোবপাক মাংদা শাননা লাইরিক য়েংলিঙে নিংথৌ মনাই থংলবে ললহাম্বনা নিংথৌ মনাই ওস্না কৌরি হাযনিনা লৈ ললহাম্বা ইফম লাংদা লাকপবু ব্রা অসিদগী নিংথৌ মনাইনা খুরুম্নগা লোইননা ইপুব স্না য়াথং অমুক্তা কাবিরবনি হাযবম্নগা থুনা য়াংনা কোনুং তানা লাকলে।

ইনুং অদু ঙানলবগা মোইরাং ললহাম্বা স্না কোনুং য়ৌনবা কারক্রে,- কোনুং য়ৌরক্লবগা মৈদিংঙু পামহৈবনা ঙক্তা ফি য়েংতুনা দন্দবৎ প্রনাম তৌনা খুরুম্না হায়জখি,- ইপু নিংথৌ ঐনা লংজবা মঁরম পুম্নমক ঙাকপিয়ু হায়না হায়জখি,- ললহাম্বনা ইনিংথৌ ইবুঙো ননাই ইপুনা করি ইতিক খঙবা উবা লৈদনা স্না য়াথং করি তাক্পিগদবা ইনিংথৌ নিংথৌনা হায়খিয়ে হে ইপু পণ্ডিত অথোইবও নহাক্না লাইয়িংথৌ স্না হকচাং অসি পুনসিন্দুনা হৈবা য়াদ্রে মরম অসি ইপুনা খঙবা উবাগী মখে মরম্ পুম্বা তাকপিদুনা অমুক্ হন্না স্না কোলু হৈবা য়ানবা থৌরাং তৌবীয়ু হায়জগে, হায়দুনা নিংথৌ ঐনা ইপুগী নফমদা লানখিবগী ইকাইবা পুম্নমক্ থাদোক্লুনা ইপুবু কৌজবনি-। নিংথৌগী ব্রা অসিদগী মোইরাং ললহাম্বনা লাইয়িংথৌগী স্না হকচাং অকাইবশিং অদু য়েংবদা,।

য়েংথংবা সয়েং-পাম্বোম্ য়াউরমদরে মদুদা মোইরাং ললহাম্বনা হায়খি,-। হে: নিংথৌ-ইবুঙো স্না হকচাং অসিদি য়েংথংবা পাম্বোম্ য়াউদরে,-। চীঙু তায়বঙ খায়বগী চেংলৌ শকপম্বোং অসি মালেম্ লৈরুম তাউ: থোইরু মিতম লাকপা য়াররোই। চীঙু মতিক হক্পা থোইয়ুম মঙন্ চাউবা লাইনে,-। মরম্ অমত্তা ব্রংপা য়ারোই-। ইপুথৌ শিংগী স্না হাকতক্তা তৌরম্বা মরম অদু ,- থোইয়ুম্ মিনম্ হৈদাবা অমম্ অঙান্ উবা লাইনে,-। ফননবা তৌরগা, ফৎতবা মরম ওইদুনা পোইরৈ স্না লৈবাক পানবা য়ারোই-। ব্রা অদু তাবদা-।

পামহৈবা নিংথৌ তাংজ লৈনা লুক্তুনা অব্রাবা পানদোন্ লোন্রে,-। ঙহাক ব্রাখন্,তৌরগা নিংথৌনা মনাই অনং ফি হায়রোই কৌদুনা স্না য়াথং তাকখি,-। তন্নম অনং ফি হায়রোই নহাক্না লাইয়িংথৌগী স্না পাম্বোম অমা ব্রাংলে হায়বা অসি নংনা অমুক্তং চত্তুনা হুন্থরুবা,- লাইজ ঈয়োক কোম অদুদা অমুক্তং লৈহৌবরা হায়না য়েংঙু নিংথৌগী স্না য়াথং তাবদা স্না য়াথং তুংইন্নবা মনাই অনং ফি হায়রোইনা লমলেন্ লিন্দু লৌখোং পাং লাইজ ঈয়োক কোম্ তানা চৎপ্রে-।

চৈরক মতম অদুদা লৈমখুবীগী পাইমা পিপুকুঙদা চীঙু মানা চংখিবোই ইবেম্মা লৈমখুবীসু চীঙু তায়বং খায়বগী হকচাং পুনসিনবা য়াদবগী

য়াখলনা ককৃত্তাওনদুনা কোনুংদগী চংখিবনা মপাম লমদম য়ৌখরে,-।- পলেম্ মমানা মপন্ পম্লৌগী খরাই থোংগান্দগী মচাবু উবদা ইমাগী ইমোম্ ইবেম্মা-পাইখুলাম্বী লাও-লাও চংঙকৃউঃ- মচা চনু থোইনু অহোংবী য়েংদুনা ইবেম্মা ইমাগী থোইনু অহোংবী থোরকউ লাও নচেম্ ইবেম্মা নিংথৌ ওংবী স্না লৈমকোন্দা চাওখ্রবী ইমোম্ ইবেম্মা নচে পাইখু লাম্বী লাক্ই ইবেম্মা নচে মাইয়োকনরা লাউঃ মমানা মচা অনিমক কৌশনজে-। পম্লৌ মপানা হরাউ মীনোক্লা কৌসিনবী লৈরীবা ময়াম পুন্নমক মাইয়োক্লনা য়ারি পুম্বা শানরে-।

নিংথৌ ওংবী পাইখুলাম্বী, অসি মপানা-মমানা পোকচবদগী থোলক কৌরকলবা মমিংনী-। কোনুংদগী অপানবীসু কৌই লৈমাখুম্বীসু কৌই-।- মনাউ ইবেম্মসু মমা-মপানা থোইনু অহোংবী কৌই, কোনুং লোম্গী মীনা কৌবদি লৈফোননু কৌই।।

মনাও ইবেম্মা থোইনু অহোংবীনা মচে ইবেম্মা পাইখু লাম্বীনা লাকপদা,- লাইয়িংথৌ স্নামহিগী সয়েং পাম্বোম অদু পুথোক্লুনা,- মচে ইবেম্মগি মফমদা ফিয়োম্ কিসি অদু থোক্লুনা য়েংহনলি,-। লাইয়িংথৌগী স্না পাম্বোম অদু উবদা ইবেম্মা পাইখু লাম্বীনা, তরং লাইজ ঈরা চেলনা হিক্লা-হিক্লা কণ্ডুনা স্না পাম্বোম অদু কোন্দুনা নোং থোংবণ্ডম কপলে,- মালেম লৈমাই থক্তা গুহাক্ য়াম্দুনা কপ্লুরগা,- মনাউ য়েংদুনা হায়রকই।

ইবেম্মা নহাক্লা ফংলিবা অসিবু কদাইদগীনো হায়না হংবদা,- ইবেম্মা থোইনু-অহোংবীনা পাওখুমজেয়ে,- ইচেম্ ইবেম্মা, ঐনা নহান নোং ফি শারিঙ্গেদা ঐগী ইয়োং খোংদিং সিন্নাই ফিথক্তা পাইরমলগা খোংতিং মখাদা তারক্পনি,-। অদুদা ঐনা হৌগৎতুনা ঙৈহাক্লদা খলজরই-। লাইয়িংথৌ স্নামহিগী স্না হকচাং নিংথৌ মনাইশিংনা য়েখাই-থুগাইগনি হায়বা য়া অমা তাখি নিংথৌ মনাইশিংনা স্না হকচাং য়েখাই থুগাইবদা লায়িংথৌগী শয়েং য়েৎথংবা পাম্বোমনা পাইরক্লুনা লমলেন নাগা তুরেন, খোংবান্ অরাম্বম নিংঙোম্বী থোইনু অহোংবী ঐগী খোংদিং সিন্নাই ফিথক্তা লাইয়িংথৌগী পাম্বোম তারক্লবনি সোয়রোই খল্লুবগা মতৌ অদু উবদা অসিদি লাইয়িংথৌ তায়বং খায়বগী স্না পাম্বোমনি হায়না চেংনা লুনা লৌসিন্দুনা চরৈফি অহনবা অমনা

চেংনা য়োমশিন্দুনা উপু তাবুনুংদা কনাগুম্বা মী অমা ফাওবা খঙহন্‌-উহন্দনা থমজবনি, ইচে ইবেম্মা।

থোইনু অহেংবীগী ব্রা তাবদা মচে পাইখুলাম্বীনা হায়য়ে, অদুদি ইবেম্মা পোংশক অসিদি অরুবা পোংশকনি,-। য়াম্না চেকসিন্না কনাগুম্বা অমতা খঙহন উহন্দনা চেংনা য়োমসিনলো ইচেম্না হৌজিক মফম অসিদা লাক্লিবা অসিসু চীঙু মাগী ম্লাকোলু হৈবদা য়েংথংবা শয়েং ব্রাংপদগী য়াম্রবনী হায়দুনা লৈবাক্ চংনা পোং অসি লৈবনা ইনাউ লাইবক ফবি অমা ওইর্ল্গনি,-। ইনাওদী,- অসি ইনুং হৌগ্রগা হয়েং নুংদাংগি ইনুং অদু ঙানলবগা পোংশক অসি মীকনা উহন্দনা ম্লা কোনুংদা পুখৎলকউ হায়রম্রগা মপাম য়ুমদগী কোনুং তাম্না চংনবা পলেম-পুম্বৌ খুরুম্রগা মনাউদা পাওমেনলম্রগা থোরক্লে। নিংথৌ মনাই অনং ফি হায়রোইন্না লাইয়িংথৌ তায়বং খায়বগী য়েংথংবা শয়েং পাম্বোম্বু ব্রাজোঈ লিন্দু লৌথোংপাং লাইজ ঈয়োক কোমদা ম্লা পাম্বোম্বু লৈবরা হায়না য়েংবদা লৈত্রে,-। মনাই অনং ফি হায়রোইনা তম্না চেন্থংলক্লুনা ম্লা কোনুং য়ৌরক্লবগা নিংথৌ ম্লা খুয়াখাদা হংকংলরে,-।- ইনিংথৌ ইবুঙো ননাইনা লাইনিংথৌগী, ম্লা পাম্বোম্ লৈবরা হায়না য়েংজরুবদি,-। ম্লা পাম্বোম লৈত্রে,-। লাইজ ঈয়োক কোমগী লাইজ ইরোন্ নুঙদা ননাইনা ঙম্বামথে থিজবদি ফংবা ঙমদারে,-। অশুম হায়না হংকংলরবদা,-। পামহৈবা নিংথৌ অব্রাবা লৈখা তামখরে,-। প্রভুরাম চন্দ্রগী নাম্ সোন্দুনা তুমিন লৈরক্লবদা,-।

নিংথৌগী অব্রাবা মতৌ অদু উবদা, চীঙু নোংদম অমা লাক্লে ইবেম্মা লৈমখুবী মপামদগী থুংঙবগা নিংথৌ ম্লা খুয়া খাদা চংসিনলক্লুনা হংকংলে,-। ইনিংথৌ ইবুঙো ম্লা পুক্লিংদা থনলিবা লাইয়িংথৌগী চেংলৌ শকপানথোংবু থোইরু মিতম্লাবা মালেম লৈরুম্ তাউনা অমুক হয়গনি হায়বা অসি অওইবমক্তা ওইরবদি ননাইনুবী লৈমাখুবীগী পুক্লিংগী অব্রাবা পুম্নমক্ কোক্লে,-। ননাইনা চীঙু তায়বঙ খায়বা মালেম লৈসেম্বগি ম্লা সয়েং পাম্বোম্বু ননাইনা থমজরিএ,-।

লৈমাখুবীগি ব্রা অদু তাবদা,- পামহৈবা নিংথৌনা ছি কর্নি ব্রানো:? ইবেম্মা,- নঙনা তায়বঙ খায়বগী ম্লা পাম্বোম্বু ফংঙুবনো:? ব্রা অদু

তাবদা লৈমখুবীনা হায়রকঈ-। ইনিংথৌ ইবুঙো,- ননাইনা নাহান্ ইপাম্ য়ুমদা চংচরুবদা ইনাউ: ইবেম্মা লৈফোম্নুনা ইয়োংফি শারিঙৈদা ইয়োং চরৈ খোংদিং য়োংখম মখোং চরৈ ফি মথঙ্গা তারকলবদা, লৈফোন্নুনা চীঙু লাইগী খুদম্ করম্বনো? হায়না,- লৌসিনজদুনা চরৈ ফি অহনবা ফিসেং অমনা চেংনা য়োমদুনা চরৈ উপু তাবু নুঙদা থমজরমই-।- অদুবু ননাইনা ইপাম্ য়ুমদা চংশদ্রা ইনাও ইবেম্মানা পুথোক্লকুনা ননাই ঐঙোন্দা য়েংহনবদা,-। ননাই ঐনা চীঙু তাইবং খায়বগী স্না পাম্বোম অদু উবদা মাংঙেদনা ইবুংঙো নোংদম্বা নহাক্কি স্না পাম্বোম্বু অসিদা, লৈরম্বা অসিদি,- চীঙু মতিক্ অরুবনে,- খোইয়ুম নঙান্ অরাবনে,- নহাক্কি কুম্মে অসিদি অঙক্পনে, হায়না খন্দুনা,- ইনাও ইবেম্মাদা পোং অসি অরুবা পোংশকনি,-। মাংবা য়াদবা মশকনি লুনা চেকসিন্না থম্মু ইবেম্মা হায়না থমজরি লাইনিংথৌ-।

ইবেম্মা অপাম্বী লৈমখুবীগী ৱা অদু তাবদা পামহৈবা নিংথৌনা নুংঙাইখরেদা,- ইবেম্মা লংগী ৱা অসি তাবদা, নিংথৌ ঐনা অৱাবা ফংজবা মতম অসিদা চীঙু তায়বং খায়বগী স্না পাম্বোম ফংজবদি,- ইবেম্মা নহাক্না লাইয়িংথৌগী মফমদা পুক্লিং লিনথুপ্ লিনগোই নায়দনা চংচবা মরমনা, চীঙু তায়বং খায়বনা থৌজান্ লনকুবীদুনা ফংজবনিকো:? হৌজিক্তি নিংথৌ ঐনা নিংবা পুম্নমক্ থুংবা তারে,-। ইবেম্মা নঙনা চংতুনা নপাম্ য়ুমদা লৈরিবা স্না পাম্বোম্বু লৌরুদবা য়াদে,-। ৱা অদু তাবদা অরাম্বম চনু লৈমাখুবীনা মপাম য়ুমদা চংরুদবগী মফি মরোন সেংলগা অথুম্ অহাও চানা থরুবা করি পোং পুবনা ফগদগে হায়না পক্লিং লাংতক্লনা লৈরিঙৈদা মনাউ ইবেম্মা লৈফোননু অরাম্বম চনু মাহানা ইবুঙৌ স্না মহীক শাং স্না কোলু হয়ঙমদবদি লহান-নোং নুজা ইনাক্তা তারক্পা চীঙু পাম্বোম অদু ৱাংপনা খোইয়ুম কোলু হয়ববু থৌবাংদবা ওইগনি অশুম হায়না খন্দুনা তাবুনুংদা থমখিবা চীঙু পামবোম নিংথিববু পুখংলকুনা নিংথৌ মাঙদা কংলরে,-। থোকখিবা থৌদোক্ অপুম্বা নিংথৌ কাদা পাউদম্রে,-। য়াৱা পাউদম তাবদা লৈফোম্নবু নিংথৌনা পেনখিদুনা লাইবক্ ফবি নহাক্কি চীঙু নোংদম ফংবীনি,- লৈমা নঙগী নপাম্না নিংথৌ ৱাবা কোক্তনি অশুম্না পেনবিরবগী লৌচা পরি-৫- গা লাইয়িংথৌ স্নামহি থুমখোংগা নঙগীদমক্ পিরবনি হায়না লাউথোক্লে।

পামহৈবা নিংথৌনা মা পাম্বোম অদু ফজলবদা মনাই খাদুনা মোইরাং ললহাম্বা কৌখংলগা মা শজাইদা পামহৈবা ললহাম্বা অনিমক্তা মরম অপুম্বা তান্নরে,-।- মোইরাং ললহাম্বনা হায়এ,-।- ইনিংথৌ ইবুঙো কোরৌ নুমিৎ অরুবা থাবা মশা তাদবা থবাইমিচাক্ খোংজোং অসেংবা য়েংদুনা মা কোলু হৈনবা থৌন্নাং তৌবিয়ু,। হায়রবদা,- ললহাম্বগী ৱাসি তারবদগী নিংথৌনা মাগী গুরু শান্তদাসকা লোইন্না লৈবাক্তি অত্তম অথৌবা পুন্নমক্তা কৌখংলগা ৱাতানবদা,-। ললহাম্বনা কোরৌ অফবা থাবান অসেংবা য়েংলগা, অৱাংপা চীঙু পাম্বোম্ অদু হাপ্তুনা তিলশংলে,-।

মদাইরেন হাউবিজম থৌরি নোংচু অহোংবগা,- অরাম্বম্ চনু পাইখুলাম্বী নিংথৌ লৈমা অপাম্বী লৈমখুবীগা মনাও ইবেম্মা থোইনু অহোংবী লৈফোম্নুগা মখোই অহম্মকপু লাইয়িংথৌ মামহিগি চেঙলৌ শকপান থোংবু খোইরু মিতম্মু হায়না মিতম্হনলে অদুগা অমুক নিংথৌ মা ম্নাথং তুংইন্না সেঞ্জবা অমুদোনগী মচা মশুশিং সেঞ্জবা তাংখোম্ববু কৌশিন্দুনা খোইরু মিতম মালেম্ লৈরুম্ তৌববু য়েংহনলে,-। সেঞ্জবা তাংখোম্বনা শক্তম অদু য়েংবদা চীঙু চেংলৌ শকপান থোংদি ইবুধৌ খাগেম্বা মা মহাকথক্তী মালেম লয়রুম-তৌ খোইরু মিতম লাকখিবা মওং লৌনা হয়গদবনি হায়না মা ম্নাথং তুংইন্না সেঞ্জবা তাংখোম্বনা অমুক হন্না মাকোলু হয়বদা চীঙু চেংলৌ শক্তম্মু হান্নগী মতৌ অদু ওইদুনা কোলু মপুঙ ফাখরে,-। নোংম্নাই চারাক্পম্চা ঙাখি অমসুং কেক্রু সিনহৈবনা মওঙ চুন্নে হায়রবগা।।

লৈপাক নিংথৌ হপ্না কোরৌ নুমিৎ অচঙবা য়েংদুনা লোংজা অফবা য়েংদুনা লাইয়িংথৌ, মা মহিগী চেংলৌ শকপান্ থোং মান্নাপিহন্ তান্নবং খায়বগী শক্তম্মু লমলেন ৱাজোই মকাইফমদা থিন্নবা লৈবাক চঙনা থন্নরে,-।- অয়ুক্তী খোংলৈনা ৱাইখংলক্ নুংথিল্গি থোংমৈনা নেম্থরক্ নুমিদাং ৱাইগি মতমনা লৈশন্লক,- নুমিৎ কৌবা লাইনা তান্নবদা অমম্বা পুঙফম্মা চংলকুবা ইনুং অদু লয়থবা অহিং তাংলৌ থেংজিন্নকুবদা মৈদিংঙু পামহৈবগী খোমলেন্ মঙলান্দা চীঙু তাইবং খায়বনা অশুম্না তাকপিখি,-।

হেঃ নিংথৌ ম্নাইফবা,-।ঐদি হৌজিক্তি চীঙু ঐগী ইকাইফম্ ৱাঙোই লমলেন লমনুংসিদা লৈরৱোই-। কংলৈ মা পুঙ মন্নোনগি উফোং

য়ুমফম্‌দা,- ঐগী ফুরা লাইয়িম অমবু শারগা থমজৌও: অশুম্না তাকপিরম্নগা মাঙখরে,-। মতম অসিমক্তদা নিংথৌ মীকপ্‌ থোক্কুনা মবুধৌ স্নামহিবু থাগোম্নমা কপচরে,-। কোরৌ মশেক্‌ য়েরকপা নোংঙান্‌ মতম ঙাইরগা,- চীঙু খোংনাংথাবগী মফমদা লমলেন্‌ কংলৈ উফোং য়ুমফমবু মফম কৈদা লৈবনো? হংজখি,-।

চীঙু খোংনাংথাবনা নিংথৌরেলও,- উফোং য়ুমফম হায়বদি কৈশাম্‌পাংপু কৌবনে,- উফোংপাংসু কৌবনে,- পাৎ অদুগী মরিনবু হয়িং খোংবান্‌ কৌবনে,- উফোং য়ুম্‌ কৌবদি হয়িংখোংবানগী মখাথংবা পামেন খৈবোং হৌরিবা মফম অদুনি,- হায়না তার্কপিরে,-। মাইচৌ চীঙু লাই ওইবগী যাল্লা তাবদা,- মৈদিংঙু শান্তদাস অনিমক্কা পোইরৈ খুংহৈবা মীয়াম খোম্না পুদুনা উফোং য়ুমফমদা ফুরা লাইয়িম তন্না শাদুনা চীঙু তায়বং কায়বা খোইয়ুম সিদবা লাইবু লাইয়িম্‌ নুঙদা পুসিন্না ইরাং থৌনিজরে, ।

চীঙু মাগী খুয়াদা মৈদিংঙু থোংনা ময়াম্বগা শান্তদাস মহন্তগা অনিমক্কা লাইনিং পরৈ চেংনা থৌজান লনকুবিয়ো,- তোল্লবা ননাই ঐখোইনা নিঙজবা রামান্দি ধর্ম্মাবু মৈতৈ স্নালৈবাক অসিদা চংহনবিয়ু হায়না নিজখি,। মতৌ অশুম্না চীঙু মাবু ঈরাংচরবদা মৈতৈ হুপ্পা নাবশিং পুম্নমকসু মপারী শ্যামশাইসু অনা লাইকোক্‌ ফংজরে,-।

৮ -শুবা মতাং

মৈজ্রদা - বাশক্‌ লৌনবা- ।

মতুং অসিদা শান্তদাসনা নিংথৌ য়েংদুনা হায়রকই। ইনিংথৌ ইবুঙো হৌজিক্তি চীঙু তায়বং খায়বনা থৌজান্‌ পিবিববনিনা চীঙু মাগী ফুরা লাইসং মমাঙদা নুমিৎ -৭ -নি সংকন্‌পা তৌদুনা শ্রীবিষ্ণুগী মহা -মৈজ্র তৌদুনা হুমপিগে,- ইনিংথৌনা চীঙু তায়বং খায়বগী থৌজান্দগী নিংথৌ ঐনা পার্মালবা ঐগী মপোক্কী মহৈ তানবা অসিদা পিনবিয়ু হায়না খোইয়ুম লাইনিংথৌ চীঙু তায়বং খায়বদা থৌনিবীয়ো ইনিংথৌও:।

মৈজ্র অসিদা শ্রী মহা বিষ্ণু ভগবানগী নামগা কোম্নমা প্রভু

রামচন্দ্রগী রামান্দি ধর্ম্মা অসিগা লোইননা সোন্দুনা রামান্দি ধর্ম্মা অসিবু পিনবিয়ু হায়না,- সংকল্পা তৌদুনা অগ্নিদেবাতা হুম্ পিদুনা ব্রাশকপিয়ু-। অদুগা পোইরৈ স্না লৈবাক্কী প্রজা অপুম্বসু রামান্দি কৌবা ধর্ম্মা অসি চৎলগে হায়না অগ্নীদেবতা-হুম্ পিহন্দুনা ব্রাশকহনবীয়ু করিগুম্বা মশানা য়াদবা থোক্লবসু নিংথৌগী অরুম্বা দন্দি পীদুনা প্রজা অপুম্বা য়ানবা তৌবিয়ু অশুম্ হায়না শান্তদাসনা নিংথৌদা হায়রবদা,- পামহৈবা নিংথৌনা হাউবমগী শগোন মকোক্লা চিংবা অঙম্ অথৌ অপুম্বদা স্না য়াথং তাকপিরে,-। হৌজিক্তি নিংথৌ ঐগী ব্রা অসি তৌদ্রবদি হয়েংগী নুমিত্তা নিংথৌ ঐনা চিংবা তয়ম্ নখোই পুম্নমকসু চীঙু তায়বং খায়বগী মমাঙদা গুরু লাইওইবনা শ্রী বিষ্ণুগী ভগবানগী মহা যৈজ্ঞ তৌগদৌরি মসিদা নখোই পুম্নমক্সু চীঙু তায়বং খায়বা নহাক্কী সিদ মিংখৈলেন্বু থাদোক্লগে,-। প্রভু রাম চন্দ্রগী নাম্বু শোল্লগে হায়না মহা যৈজ্ঞ মনুংদা,- অগ্নীদেবতা হুম পিদুনা ব্রাশক্কদবনী অদুগা পোইরৈ মীপুম খুদিংদসু নিংথৌ ঐগী য়াথং অকলবা পিদুনা মখোই পুম্নমকসু কারকউঃ যৈজ্ঞ অসিদা য়াউদবা য়াদে হায়না য়ুমথোং খুদিংদা পাউজেল্লু-।

অশুম্না স্না য়াথং তাকপিরবদা নিংথৌ মনাইসিংনা পোইরৈ য়ুমথোং খুদিংগী চৎতুনা পাওজেল পাউতাক্লে,-। অশুম্না শান্তদাসনা লাইয়িংথৌ স্নামহিগী ফুরা লাইয়িম মমাঙদা,- শ্রী বিষ্ণুগী মহা-যৈজ্ঞা তৌরে,- পোইরৈ স্না লৈবাক্কী মীয়াম অপুম্বা নিংথৌগী য়াথং কিবা মরমদগি কারক্কুনা শান্তদাসকী যৈজ্ঞদা য়াউররে,-।- পোইরৈ স্না লৈবাক্কী মীয়াম অপুম্বাদি খোইয়ুম্ সিদবগী মিংখৈলেনবু য়াউদ্রবদা মালেম লৈদা তাংজলৈনা লুক্লা মিংসনা তরং লাইজ ঈরাচেলনা লৈরবদা,- পামহৈবা নিংথৌনা লাইজ ঈশেং অরুবব শমু খুপাক্ ময়াইহাপ্ চেং-থোইদিং-লৈ হাপ্তুনা খাম্বী মৈনুংদা ওন্সিন্দুনা শরি নামুং সোনলে,-। হেঃ মৈ কৌবা লাই নহাক্লা খংবিহৌরো,- খোইয়ুম শিদবা লাইয়িংথৌ নহাক্কী মিংখৈলেনবু অসি কোরৌ নুমিৎ অসিদা থাদোক্চরবনি,-। প্রভু রামচন্দ্রগী নাম্বু সোনজরগে,- হায়না হুমলেন্ খাম্বী মৈনুংদা লাইজ-ঈশিং চেং-থোইদিং হুনজনবদা,- চীঙু তায়বং খায়বনা শাউদুনা অতিংঙা কোরৌ থক্তগী খাকপা মতেনজানা অখাক্ অরাউঃ হুম্থারক্কুনা যৈজ্ঞগী মৈনুংদা, তাদুনা খাম্বী মৈরিক্ চোথোকল ঢ়পনা,- পামহৈবা নিংথৌগী মফি

মরোন চাক্লে-।- যৈজ্ঞ ফন্নিবা শান্তদাসশু খাম্বী মৈরিক্ চোংথোক্লক্তুনা মশা অপুম্বা মৈনা পোক্লে,-। যৈজ্ঞ ফম্বা ঙমদদুনা যৈজ্ঞ কায়রে।

পোইরৈ মীয়াম অপুম্বসু খাম্বী মৈশা লাংলবদা কায়দুনা চেলখরে, পামহৈবা নিংথৌসু মপুক্তা অকি তুজুং পোক্তুনা সঙ্গাই তান্না লেংশিনখরে,-।- শান্তদাসশু মতৌ অদু উবদা মপুক্তা অকিতুজুং পোক্তুনা ময়ুম তান্না চংখরে,-। অশুম্না রামান্দি ধর্ম্মা অসি চংপা য়াদ্রবদা,-।

মতুং অসিদা পামহৈবা নিংথৌ অসিনা চীঙ্গু তায়বং খায়বগী খোইয়ুম লয়ম্ নুংঙদুনা নিংথৌ ঐনা চাবা-থকপা লৈতনা চীঙ্গু-ঙাংলৌ থম্বাল মানবা স্না খুয়ারেনবু চেংনা কোন্দুনা নিংজরেল-।- কোরৌ মালেম তায়বং অহুমনক্কী মপুঙ লেপ্লিবা করিসু লৈত্রিঙৈদা মালেম লৈশেম্বীরকপা চীঙ্গু মতিক অরুবা মালেম তায়বং য়ুমথোং খুদিংগী খোইয়ুম লাইফম্ য়ানা খুরুম লৈপাইনা ঈরাৎনরিবা,-। চীঙ্গু নতিক্ চাউবা লাইয়িংথৌ থৌজান হৈবা ইবুঙো: নংনা নিংথৌ ঐনা নিংজবা অসিদদী থুংহনবীয়ু হায়না চাদ-থক্তুনা চীঙ্গু মাবু থাগোম্লনা লোইতাম্ থাজ থাপুম্ -৬- সুনা লাইনিং পরৈ চেংনা নিংজরে,-।- চীঙ্গু তায়বং খায়বা নহাক্লা থৌজান লনকুবিদুনা ননাইনা পামজরিবা রামান্দি ধর্ম্মা অসিবু অমুক্তদি চংহনবীয়ু হায়না খোইয়ুম স্না খুয়ারেন্দা চঙজদুনা চাবা থকপা লৈতনা হায়জরক্লবদা,-।

কোরৌ নোংমদি পামহৈবনা তুন্নিঙৈদা খোমলেন্ মঙলান্চান্দ লায়য়িংথৌ স্নামহিনা লাক্তুনা হায়রৈএ,-। নিংথৌ নংনা রাম্গি নাম্ সোনগে হায়না নিংজরবা অসিদা,-।- নবুঙো ঐদি ঐঙোন্দা চংজরবা মী মহাক্ অদুবু মানা-মানা নিংজবা থৌরম্ অদু হেক্তা থুংহনবা নবুঙোনে,-।- হৌজিক্তি নংনা ঐপ্রেন্দা চংজরবনিনা,- নংনা পামজৈ হায়রিবা,- রামচন্দ্র হায়বা অদুদি, নংগী শাগৈগী নবুখৌ লাই ওইবনী,-। নবুঙো ঐবু হুনলান্ লবাদা, কদৌনুংদসু সোনবা য়ারোই -। অহানবদা নবুঙো ঐবু হান্না খুরুম তাইসিন্না শকচা সোনজরগা,- নংনা পামমি হায়রিবা নবুঙো রাম্গী নাম্ সোনজৌ হৌজিক্তি থাদোক্পিরগে,? হায়রন্নগা লা: য়িংথৌদি মাঙখরে,-।

অশুম্ হায়না লাইয়িংথৌ স্নামহিনা তাক্পিরবদা পামহৈবা নিংথৌনা' ইনু' অদু ঙানলবগা গুরু শান্তদাস কৌদুনা মরম্ অপুম্বা ব্রারি

শারে,-।- ব্রা অদু তাবদা শান্তদাসনা হায়খি ইনিংথৌ ইবুঙো,- হৌজিক্তি লাইয়িংথৌগী থৌজান্ ফংলর্বাননা ঐসু লাইয়িংথৌগী স্না খুয়াখাদা খুরুমজগে হায়না লাইয়িংথৌ স্না মহিগী চেংলৌ শকপানথোং তায়বঃ শক্তম্ ওইনা সংশংনা উহনবীরবা ইবুঙো মাগী ঙাংলৌখাদ খুরুম্জরে, । মতৌ অশুম্না লাইয়িংথৌ স্নামহিনা য়াবীরবদা,- নিংথৌনা মহাক্কী গুরু শান্তদাস্তগী রামান্দি ধর্ম্মা অসি লৌখি,-।- পামহৈবনা মপা বিষ্ণু গোস্বাম্মীগী মংশার্বাল মবম্ পুম্বা হংর্জখি, মাগী গুরু-শান্তদাস্তা,-।- নুমিৎ অসি ব্রাকচিং থা-১৫-নি পানবা য়ুমশকৈসনে-।।

পামহৈবনা নিংথৌ ওইবা ইশোক -১৭০৯- দনে,- মহাক্না নিংথৌ ওইবা চহি -২০- শুরকপদা মপা-পারী মপু-পুবি থিদুনা বামান্দি ধর্ম্মাদা নাম্ ফংখিবা,- ইংশোক -১৭২৯- দনে, । মহাক্না পাল্লমবা অসি ইংশোক্ -১৭৪৮- ফাওবনে,-।- চহিনা -৩৯- নে অশুম্ খঙউ হায়রবা ইংশোক অসিগী মনুঙদা মহাক্না মীতৈ জাতিগী মাঙন্নবা তৌবা থবক থৌবম কয়ামুক্ লৈরিএ,-।।

৯- শুবা মতাং

পুয়া,-খোমজলবা।

মতুং অসিদা শান্তদাসনা পামহৈবদা হায়এ,- হে নিংথৌ যাইফবা ওঃ-নংনা চংকদবা ধর্ম্মাগী অরুবা হৌফমগী লাইরিক্তি অসিনী তায়দুনা বাল্মিকী অর্ভন্ত রামায়ন আদি খণ্ড অমদি বেদ ব্যাসনা মহাভারত আদি খণ্ডদা ইবম্বা শ্লোক্না চিংবা অসি নংগী ধর্ম্মানি, লৈবাক অসিদা লৌবিনা হিয়াই পুরা অসিদি নংগী হৌফমগী লাইরিক নত্তে হায়দুনা লাইরিকশিং অসি পিরে,-। পামহৈবনা লাইরিক শিং অসি ফংবদগী মৈতৈ স্না লৈবাক্কী মী পুম্নমক নুংসিরকএ,-। ঐগী হৌফমগী মরুদি শিলোট লৈবাক্তগী লম্বোইবা অসিনা পীরিবা লাইরিকশিং অসিনা ঐগী হৌরকফমগী অচুম্বা ওইরে হায়বা অসী খল্লক্লে,- পুরান অসি ফংবদগী,-।

নিংথৌ-গোশাই অনিনা লৌনম্বা আক্রমন অমা তাং তৌদুনা

মৈতৈ লৈবাক্কী মৈতৈ মীয়াম পুন্নমক মাংল্লবা মখোই অনিনা শিল্লক্লে,- শিলোট লৈবাক্কী ঈনা মৈতৈ লৈপাক্তা চখাঙ্গরক্লে। নক্লবা মতু সোনবা মী খরদি অল্লাবগি খুদম ফংলক্লে,- নিংথৌ গোশাই অনিনা নিংথৌ খুভমদা লৈখিবদগী মখোই অনি মান্নদনা মীয়ামগী লমচং মথক মখা ওন্নবা ব্রাখল নংতবা পুথোক্লক্তুনা মীগী থম্মোই মথক মখা ওন্নবা থবক থৌরম্ মথং মথং কয়ামুক পাইখৎলক্লে,-।

শান্তদাসনা পামহৈবা নিংথৌদা হায়এ,- হে নিংথৌ য়াইফবা নিংথৌ ওইবা মীদি তৌনিংবদা তৌগদবনী নিংথৌ নংগী ননাই তয়মশিং খরা থাদুনা পোইরৈ মীয়াম মীশিং কৌখৎহনলু হায়বদা নিংথৌনা মীনাই মনং ফি হায়রোই অদী শগোল মাকোক্পা চিংবা মীনাই খরা কৌসিল্লগা শগোল পাও চত্তুনা লৈবাক মীয়াম কৌ হায়না নিংথৌনা হাউবম শগোল মকোকতা স্না য়াথং তৌখ্রে,-। মনাইশিংনা লৈবাক মীয়ামদা পাওজেলথোক্লে।

শগোল পাওজেল্ চৎহলদুনা মাইকৈ পুন্নমক্কী মী কারকউ: হায়দুনা শগোল পাওনা কৌবদা লৈকাই-লৈকাইগী মী খরা কোনুংদা কানরক্লে,-। মীয়াম খরা তিনলক্লবা অদুদা শান্তদাসনা মীয়াম্ তানা হায়রে,-। মৈতৈ স্না লৈবাক্কী মী পুন্নমক তাবীয়ু রামান্দি ধর্ম্মা অসি য়াম্না ফবা ধর্ম্মা অমনি ধর্ম্মাসি মী খুদিংনা হরাও পাম্না লৌবীয়ু হায়না লাউথোক্এ,-। অদুগা পামহৈবগা মরম পুন্না তানরগা মৈতৈ লৈপাক্কী মী পুন্নমক নমদুনা ফাদুনা রামান্দি ধর্ম্মা পিরে,-। য়াদবা মীসিংদী খুগ্রাংনা কাওবদা ময়া তেকপা য়াওনরক্লে নুপী মখৈদী চেন্নবদা তুনবা য়াওরে নিংথৌ মনাইশিংনা তুরিবা নুপিসিংদুগী মখোং পাইদুনা চিংবদা লোংচিং চিংবনা মনঙল্ মশা পুন্নমক্ ঈনা পুমঙাং ঙাংখ্রে-। অদু ফাওবা অদুম ব্রাহনলে,- হায়রি,-।

মতৌ অসি উবদা শান্তদাসনা পামহৈবদা হায়রে নংনা লৈবাক অসিদা নিংথৌ ওইনা পানবা হায়বা অদু থোক্লে,-। নিংথৌ হায়বা অসিদি য়েক্লবা থম্লোইদবনী নংগী ধর্ম্মাগী হৌফম্ মরু নংতবা লৈবাক অসিদা লৈরীবা লাইরিকশিং লৈপাক অসিগী. হিয়াঙ্গী-পূয়ান,- হায়বিবা লাইরিক শিংদো: লোইনা খোমগৎলো:।- লৌরবা নচা নগাহ মানাই মিসন থাদুনা,- অদুগা লৈবাক অসিগী চৎনরিবা মী [illegible] মৈ: -[illegible] লাইরিকশিং

অদু যৈজ্ঞা হুম্ পিদুনা মৈঃ থারসী,-। অশুম্না শান্তদাসনা পামহৈবা নিংথৌদা হায়রবদা-।

পামহৈবনা মাগী গুরুদেবগী ব্রা অসিনা অচুম্বা ওইবা তাই খলবনা হাউবম মকোক মন্ত্রিগা মনাই অনং ফি হায়রোইগা মীনাই মিসন পুম্না লোইনা কৌসিনলগা স্না য়াথং তৌরে পোইরৈ অসিদা লৈরিবা হিয়াই পুয়াসিং পুম্নমক নখোইনা চৎতুনা পোইরৈ ফাৎথিবাশিংগী মখুৎতগী লৌরগা পুরকলগা নিংথৌ ঐঙোন্দা পিরগদবনী হায়না স্না য়াথং তৌরে,- স্না য়াথং তুংইন্না মীনাইশিংনা হিয়াই পুয়া খোম্বা চৎনখ্রে-।

তয়ম্ নাইচা মীনাইশিংনা খোমগৎলকপা পুয়াশিংগী মমিংশিং তাওরোইলাই য়াংবী, -১- পাখংবা য়াংবীনে, -২- তাওরোইলাই নোংখম্নে -৩- পাখংবা নাওয়োম্নে, -৪- স্নামহি নাওয়োম্নে, -৫- স্নামহি নোংখম্লোম্নে.- ৬- স্নামহি লাইহুইনে, -৭- পাখংবা লাইহুইনে -৮- লৈথক লৈখা[illegible] [illegible]. -৯- লৈখা-নোংখালোম্নে. -১০- লৈচিনলোন যুম্বীনে, -[illegible] [illegible] [illegible]ম্বানে. -[illegible]২- নোংলোন লাইচমনে, -১৩- নোংলোন্ [illegible] [illegible]৪- নোংদোন লাংপমনে, -১৫- নোংদোন লৈচিনলোম্নে. [illegible] [illegible]মচেৎপনে, -১৭- লৈচিনলোন নাওয়োমনে, -১৮- হাওবা লোচন লোম্নে, -১৯- লৈখা লাংপুমনে, -২০- থিরেন সাকোকনে, -২১- লিরোন শিংকাপনে, -২২- খুনুঙ সিংকাপনে, -২৩- থিরেন মৈরম লিবনে, -২৪- থিরেন লা য়াংনে, -২৫- থিরেন লাইচমনে, -২৬- থিরেন্ চেপ্পিনে, -২৭- থিরেন থিবোংবিনে, -২৮- কাংখ্রোংনে, -২৯- লৈসাংখোং থিরেননে, -৩০- য়ুম্বী থিরেননে, -৩১- নোংমাইজিং থিরেননে, -৩২- হৈপোক্ থিরেননে, -৩৩- লাংগোন থিরেননে, -৩৪- কৌব্রু লাংখৈনে. -৩৫- থাংজিং লাংখৈনে, -৩৬- চিংখৈ সেক্লিংনে, -৩৭- চিংঙা লাংখৈনে. -৩৮- ললামপুং লাংখৈনে, -৩৯- ব্রাংব্রেন সেক্লিংনে, -৪০- নুংলোন লঙ্গবনে, -৪১- নুংলোন্ য়ুম্বীনে, -৪২- নুংলোন য়াংবিনে, -৪৩- নুংলোন কক খাইবনে, -৪৪- সাকোক লাইচমনে, -৪৫- নুংলোন মহৌনে, -৪৬- চাকত মহৌনে, -৪৭- খোইমহৌনে, -৪৮- মহৌলাংপুমনে, -৪৯- মহৌচা তখেম্নে, -৫০- মহৌ সেক্লিংনে, -৫১- মহৌসা সিকোক্লে, -

৫২- মহৌসা লাংপুম্নে, -৫৩- মহৌ লাংপুম্ তখেম্নে, -৫৪- তাম্নোং মহৌনে, -৫৫- লেমথোং মহৌনে, -৫৬- নোংপাই মহৌনে, -৫৭- লৈহৌ মহৌনে, -৫৮- য়ুম্বী-মহৌনে, -৫৯- লৈহৌ লাংপুমনে, -৬০- থেনখেন মহৌনে, -৬১- লৈচাই মহৌনে, -৬২- নোংলোন্ মহৌনে, -৬৩- লৈরোন্ মহৌনে, -৬৪- চকপরোন মহৌনে, -৬৫- হয়িলংপুং মহৌনে, -৬৬- কিথুম্ মহৌনে, -৬৭- চকপরোন্ থেনকানে, -৬৮- চকপরোননে, -৬৯- সোম্না নুঙপুং কোইবনে, -৭০- লৈখা নুঙলোন লাংপুমনে, -৭১- নোংলোন হিরিনে, -৭২- খুনুঙ শমপুমনে, -৭৩- য়ান লোননে, -৭৪- মরান লোম্নে, -৭৫- মরাক লোম্নে, -৭৬- হিরি লংয়ুং লোম্নে, -৭৭- চোংখু লোম্নে, -৭৮- খম্বিলোম্নে, -৭৯- লাইসিং কোকলোম্নে, -৮০- জরা লোম্নে, -৮১- অপোকলোম্নে, -৮২- লংমাই চিংকোই রোম্নে, -৮৩- চিংথাং চিংকোইরোম্নে, -৮৪- লোইজিং চিংকোইরোম্নে, -৮৫- কোনচেং কোকফাইরোম্নে, -৮৬- চোংখু লম্বীনে, -৮৭- কৌব্রু চিংগোইরোম্নে, -৮৮- খুনং পুকোইবনে, -৮৯- খানি থিবেনলোম্নে, -৯০- সিদা শ্রী লাংনে, -৯১- খুনথোক লাংবিনে, -৯২- চিংসংলোম্নে, -৯৩- মহৌ যাংবনে, ৯৪- উরেন পুং মরু য়োম্নে, -৯৫- ব্রাবোম্নে, -৯৬- পাবোং খোংচিনলোম্নে, -৯৭- য়াংপুম লাংপুম্ লোম্নে, -৯৮- খোংচিনলোম্নে, -৯৯- কুলংয়ুংলোম্নে, -১০০- খায়াং হিবু লোম্নে, -১০১- কাইবা থেক্লিংনে, -১০২- সিংখল্ লাংখন লোম্নে, -১০৩- সিংতাপু কিয়াননে, -১০৪- পোইরৈতোন্ খুনথোক্নে , -১০৫- পোইরৈতোন, নিংচিংনে, -১০৬- পোইরৈতোন্ ফাংখোংনে, -১০৭- খঙওই য়াংওই সেক্লিংনে, -১০৮- স্নামহি থিরেননে, -১০৯- নোংসাবা খুনথোক্নে, -১১০- পাখংবা থিরেন্ য়ুম্বীনে, -১১১- নুংবী নুংথা লোম্নে, -১১২- য়াব্রা লাংপুম্ লোম্নে, -১১৩- কোংখোং লাইচৌ লোম্নে, -১১৪- সেলোই নিকচিংলোম্নে, -১১৫- পাদম্ উহৌলোম্নে, -১১৬- নুমিৎ খেনচংলোম্নে, -১১৭- থা খেনচংলোম্নে, -১১৮- লাতোই সেক্লিং, -১১৯- দেস মাপন্‌গী পুম্না লৈপাক অসিদা পায়বা জোজতি প্রান অমনে, -১২০- সাকোক সারুমনে, -১২১- স্নার্মহি ফাংখোংলোন্-মাপননে, -১২২- পাখংবা য়ুম্বীনে, -১২৩- ব্রাকোব লোন থিরেন সলাই তামাইলোন্ পুকোক্,

-১২৪- খুনথোক পাখংবা থিরেম্নে, -১২৫- পুরান্ লম্বুবনে, -১২৬- থাংলোন্ ইরাংনে, -১২৭- পাখংবা সায়োমনে, -১২৮- সাদিং সাকোক্লে, -১২৯- পাখংবা য়াংবিনে, -১৩০- লাংলোন্ সেক্লিংনে, -১৩১- তাওরোই লাই য়াংবিনে, -১৩২- থৌনিরোন্ সাদিংনে, -১৩৩- অথুম্-তিল্ থুমনে, -১৩৪- সাদিং মচানে, -১৩৫- নোংতম্ পুয়ানে, -১৩৬- নাওথিংখোং ফমগাবনে, -১৩৭- য়াইবিরোক্ অহানবনে, -১৩৮- স্নামহি অহোংলোম্নে, -১৩৯- লম্বুবা মচানে, -১৪০- সলাই অপোকলোম্নে, -১৪১- নুমিং কাপ্পানে, -১৪২- সুবিকা নোংয়াইনে, -১৪৩- লাবা লাংলোম্নে, -১৪৪- নোংখোংলোম্নে, -১৪৮- কাইবারোম্নে, -১৪৯- লাইয়ুংকুয়োননে, -১৫০- নোংদম্ লোম্নে, -১৫১- পাখংবা তুথেক লৈরোংনে, -১৫২- অপোক লৈরোংনে, -১৫৩- মিকৌ থাগোল্ লাইয়েক্লে, -১৫৪- কাকয়েন্ মিঙম্বনে, -১৫৫- চেকখোংলংথাবনে, -১৫৬- লমতিল্ লোননে, -১৫৭- থিরেল মৈবোম্বীনে. -১৫৮ কংলা-লায়াংনে, -১৫৯- মৈচাক্ খেলনে, -১৬০- খোংহৈ াংনবী নোঙ্গাবোম্নে. -১৬১- লৌতারোম্নে, -১৬২- অঙাং চউম্ লোম্নে, -১৬৩- স্না লমওক্লে, -১৬৪- খাগেম্বা লাংলোম্নে, -১৬৫- মৈতৈ কংলৈ লোম্নে. -১৬৬- সেংকাও পাখঙবা লাংলোম্নে, -১৬৭- সোরারেন্ লাইযেক্লে, -১৬৮- স্নামহি মিংলেন, -১৬৯- অমাইলোম্নে, -১৭০- সুবিকা লৈসাবনে, -১৭১- তাওরোই লাই য়াংবি লৈরোংনে, -১৭২- স্নামহি লমহিং নে, -১৭৩- স্নামহি লাইখললোম্নে, -১৭৪- নোংলোন লাইচমনে, -১৭৫- লৈরোল্ ইচম্ চেৎপানে, -১৭৬- লৈচিললোল নাওয়োমনে, -১৭৭- লৈমাতাক্ হাওবনে, -১৭৮- পাতা লাংপুমনে, -১৭৯- থিরেন্ সিংকক্নে, -১৮০- খুনুংসিংদাইনে, -১৮১- থিরে লাইয়াংনে, -১৮২- থিরেল, লাইচম্নে, -১৮৩- থিরেল লাই চেম্পীনে, -১৮৪- থিরেন কাওথোংনে, -১৮৫- লৈসাংখোং থিরেল য়ুম্বীনে, -১৮৬- নুংলোন খালাওবনে, -১৮৭- নুংলোন লাইচম্নে, -১৮৮- নুংলোন্ য়াংবীসুবানে, -১৮৯- সাকোক লাইচমনে, -১৯০- চাদা মহৌনে, -১৯১- খোইমহোকনে, -১৯২- মহৌ লাইপুংনে, -১৯৩- চাংদা খেলনে, -১৯৪- মহৌফাবী সাকোক্লে, -১৯৫- মহৌ লাংপুম খেননে, -১৯৬- নোংলাই মহৌনে, -১৯৭- লৈহৌ মায়োক্লে

, -১৯৮- লৈ-ঈ-মাহৌনে, -১৯৯- থেংকা-মহৌনে, -২০০- হিরি লংসুং মহৌনে, -২০১- চাকলোন, হৌনবনে, -২০২- কোম্না নুংপুম্ কোইবনে, -২০৩- নাহাঈলোল-মখল, -১০৮- অসুবনে, -২০৪- ব্রাচেৎ পাথুপ্ হকলোম্নে, -২০৫- তেন কাপ্লোননে, -২০৬- পাখংবা খোইজু লম্কক্নে , -২০৭- হকলোন থিরেন্ লাংপুম- "পুয়া"-অমমম্না- "পুয়া"-৬৪+ ৬৪- থোক্না সনথোক্না ইবা "পুয়া" লাইরিক মমিং মান্নদবা লৈঙাক লোননা চিংবা "পুয়া" -১৮৮৮৬- পু হাউবম্ মকোক মন্ত্রিগা অনং ফি হায়রোই নিংথৌ মনাই সিংনা মৈতৈ পোইরৈ ফাংথিবসিংগী মখুৎতগী লৌখৎলগা নিংথৌদা পিরে।

মদুদা অকোইজম্ লাংমৈবা নিংথৌ সেনবা অসিনা হায়রে,- ইনিংথৌ ইবুঙো: পোইরৈগী হিয়াঈ "পুয়া, লাইয়েক লাইরিকসিং অসিদী অনৌবা খুৎসিন লাইয়েক্ ঙহাকতানী। পোইরৈ মাইচৌসিংনা লাইয়েক্ ময়েক্ অনৌবা ইথোক্লগা পিখৎলকপা ঙহাকতনী,। লাইরিক্ মসিং ১৭৫০- রোম্ লৈহৌরি ইনিংথৌ ইবুঙো:- ব্রাসি, তাবদা নিংথৌনা ইপু লাংমৈবা করি- করি মমিং কৌবা লাইরিক্ লৈহৌরিবগে-?- লাংমৈবনা ইনিংথৌ ইবুঙো: মশিংবু থাঙমলোই থব্রাই পিচাক খেনচং লোননে,-১- লোইনা সিনলোননে, -২- পাখংবা য়ুম্বী লৈরোংনে, -৩- সংকাও-মখল্ মরিনে, -৪- থিরেন্ নানম্বনে, -৫- সাকোক সদিংনে, -৬- মহৌথেবারোম্নে, -৭- সাকোক- থিরেন্ নম্বনে, -৮- সিংলুবনে, -৯- থেব য়াররোননে, -১০- য়াংবিরেন- সুবনে, -১১- লৈমরেন সেক্লিংনে, -১২- চায়নরোননে, -১৩- খুবাক্ খুনম্ লোননে, -১৪- তমং সাফোংবনে, -১৫- তমং সালোংপনে, -১৬- সাকোক্ লম্লেননে, -১৭- লৈমরেন নাওয়োম্নে, -১৮- তাংক্রুম্ লমলেন "পুয়া,নে, -১৯- লৈমরেন্ ফম্বাল লাংবনে, -২০- ছিংকবা মৈবারেননে, "পুয়া,নে, -২১- স্নামহি মৈবুবা কারন লম্বুবনে, -২২- মহিরেন,- অপোকপা-"পুয়া,নে, -২৩- ব্রাকোক মকোক "পুয়া,নে, -২৪- খান্নাংবা অহুইরোননে, -২৫- লৈসেম্ চক্, -৮- গী মহৌ লাংপুমনে,-। অসিনা চিংবা লাইয়েক, -১৭৫- রোম অসিগা হৌজিক ফংঙিবা লাইরিক, -৩১২- অসিগা সুপ্না লাইরিক মমিং মান্নদবা, -১৯৬২- অসিদি ইপুনা খঙঙি,

ইনিংথৌ ইবুঙো: লৈবাক্ মীয়াম্না ঙাংনবদী মমিং মান্নদবা, ‘‘পুয়া,- লাইরিক্ মশিং -৪৩২১- সুই হায়নরি ইনিংথৌ।

ব্রাসিদগী নিংথৌনা সাওমনখিদুনা ইপু মকোক মন্ত্রি হৌজিক্মক্ মী সিবগী ছিংশেম্ অদু শেন্মু লাইয়েক্ অসিদা লৈরিবা লাইরিক্- মখৈ মৈথাবা থিল্লে, লৈহৌরিবা লাইয়েকসিংদু কোন্না অমুক্ লৌখৎলগা থাগনি হায়দুনা স্নায়াথং তৌরে,- স্না য়াথং তুংইন্না হাউবম্ সাকোল্ মকোক্ মন্ত্রিগা অনং ফি হায়রোই নিংথৌ মনাইগা,- লোইননা ছিংশেন্নে,-ফৈদা হিদাং মসুমাংদা।

১০-শুবা মতাং

‘‘পুরান, - মৈথাবা

খৃদাব্দ-১৭২৯+২৩- নি পালবা ব্রাকচিং সাগোলসেন চুক্ - ৬- য়ুং ছিংখল -৭- শেম্ পন্দলি -৩- ফা ফংঙকপা অচোইবা লাইরিক্ খরা হাপচিলগা শন্তদাসনা অগ্নী হুম্পিরে,- পামহৈবনা গিরা মৈকোই চফু ঈশিং হাপ্তুনা মৈকোইবে হাউবম মকোক্ মন্ত্রি-অনং ফি হায়রোঙ্গ সাজিকলোই মীনাই ময়ামগা লোইননা মৈকোইরে,-৩- লক্ কোইরক্পদা শান্তদাসনা মৈ থারো-থারো হায়রবদা পামহৈবনা পুরান মৈ থাবা হৌরক্লে,-। অহানবা হুমাই হুম্বদা স্নামহি লাইকলনে,-১- নুংলোন্ য়ুম্বীনে,-২- পাখংবা নাওয়োম্নে,-৩- অসিদি থাংজিংদা তাখি,-। অনিরক্ হুম্বদা ছিংতা পুং কিয়াননে,-৪- থিরেন লাংপুমনে, -৫- পোইরৈতোন্ নিংচিংনে, -৬- পোইরৈতোন ফাংখোংনে, -৭- হৈচুপাং হৌবদা তাখি,-। অহুম্লক্ হুম্বদা তাওরোইলাই নাওয়োমদি, -৮- চিংখৈ চিংভাং লেন্দা তাখি,। ৫- রক হুম্বদা সিংখন্-নাওয়োনে, -৯- য়াংবী থিরেননে, -১০- অনি অসিদি লাংগোনগী তেরা অঙৌবগী মখোংদা তাখি,। -১৩- রক হুম্বদা সাকোক্ থিরেননে, - ১১- সাকোক্ সারুম্নে, -১২- অসিনা পাইখিবনা সাকোক্ চিংদা তাখি,-। লাইয়েক পাইবা লোইসিনলকপদা লৈশেম্লোন্ অরিবনে, -১৩- সাকোক্ লমলেননে, -১৪- মহৌ লাংপুম্নে, -১৫- অসিগা লোইননা পাইখিবা লাইয়েক ময়াম্ সাকোক্ চিংদা তাখিএ,-।

লৈহৌরিবা লাইয়েক লাইরিক খরা অদু পামহৈবনা মৈ, থারো-থারো হায়দুনা পুরান মৈ: থারকুলে, থারকপা মতমদা মাংবা য়াদবা অরুবা লাইনা থারম্বা ''পুয়া, তরেৎ অদুদি শোকপা ঙমদদুনা লৈহৌই। মমিংদি পাখংবা য়ুম্বী পুয়ানে, -১- সাকোক্ সারুম্নে, -২- থিরেন, নানম্বনে, -৩- সিংলুবনে, -৪- থেবা য়াররোম্নে, -৫- য়াংবিরোন শুবনে, -৬- সংদিং পাফননে, -৭- হৌফম মরু ওইবা ''পুয়া, তরেৎ অসিদা মৈনুংদগী সৎতোকপদা কুরাংবান খরা মৈনা চাকখরে মৈচাক্ খাক্ অদু খুলক্ত পুথরক্তুনা লৌসিন্দুনা থমলগা কোম্না সংকাও ''পুয়া, মখল্ মরি লৈহৌবা অদুগা লোইননা য়েংমিননরগা মাইচৌসিংনা হাম্নগী পুয়া অদুগুম্না তায়বং চারোন সুরোনগীদমক থনমম্মী হায়না ইবিরম্মী।

মৈ: থাবদা য়াওদবা-''পুয়া, অরিবা লৈশেমঙৈদগী লৈরকলবা লিশিং মরি হেননা লৈহৌরিবা খরা অদু শগোল পাওনা চৎতুনা নিংথৌগী স্না য়াথংনি হায়দুনা নিংথৌ মনাই মীনাইসিংনা অমুক পাওজেনবদগী মিনাই মীসনগা মরি লৈনবা কাংলুপ্ খরনা লাইরিক্ অচোইবা খরা স্না কোনুংদা পুখৎলকতুনা পামহৈবা নিংথৌদা পিরে, নিংথৌ মমাংদা লাইরিক্ অমা অনি লৈবা উরদুনা শান্তদাস লাইরিক অদু অমা পাইখৎতুনা য়েংলগা পামহৈবদা হায়রে, লৈরিবা লাইরিক্ অসিদী নিংথৌ নংগী হৌরকফমগী মরম অমৎতা য়াওদ্রে মরম অসিদগী নখোইগী অসিদি লাল্লি, ইনিংথৌ-।

ঐনা ফংলিবা লাইরিক্ পুয়ানি, হায়রিবা লাইরিক্ খরদং অসি মমিং পুরান থোন্দুনা শেমদোক শাদোক্চরগে ইনিংথৌ অশুম্ হায়না লাইরিক খরা অদু শান্তদাসনা মমিং পুরান্ হায়না শেমখরে, মাইচৌসিংগী মখৎতগী, সনদোকখিবা, খুনলক ইরকতা লৈখিবা হিয়াই ''পুয়া, ময়াম অদুদী পুথোকপা য়ানদরে, মিরান্ ইথিন্ চংদুনা স্না কোনুং মথক মখা ওনবদাগী,-লৈবাক অসিদা মীরমলেন্ লাইরমলেন্ অনিমকতা লিরৌ খোংজি লাংয়েং খুরৌ চেল্লবনি,- মরম্ অসিদগী মৈতে স্না লৈবাক্কী মীয়াম্ পুম্নমক হৌফম মরু খণ্ডনহনদ্রে-। শান্তদাসগী ঈনা লৈপাক্ অসিদা চাইখায়রকপদগী অরুবা লাইফম্ পুম্নমক মমিং হোংনবা থৌরাং কম্না মচা মনাইনা তৌখ্রে-।

অহানবদগী হৌনা তুবী চরাইরোংবা হাকতক্ ফাওবা লাইনিংথৌ

কৌরম্বদগী শাপম্ চনু নুংথিল্ চাইবীদা মিরান ইথিন্ চংলকপদগী শান্তদাসনা পামহৈববু মহারাজ হায়না থোনবীরে:-। হান্নদগী কৌনরম্বা চীংঙু কুরুম্ সিদবা মাইচৌ সিংসু পণ্ডিত গুরু হায়না কৌনরে, গুরু হায়বা অসি মুসলিম্শিংগী লোন্দা মৌনুবিবু মগুন্ লৈরে হায়দুনা মৌলুবী গুনলৈবা গুরু হায়বনে-।

মমাংঙৈদা চীংঙু কুরুম্ সিদবা মাইচৌসিং অসি উনা ওক্লারুরবা লোইসংগী মরোই মনাওসিং অমদি লৈপাক মীয়াম্না ইরাং থৌনি তৌনরম্মী মদু কোক্লবা লাইহৎলোন পুনরম্মী-। লৈপাক্ অমাইবা মাইচৌ কুরু নিংথৌ মাইবা সিরগা লৈবাক নিংথৌ মীয়াম্ পুম্নমক্ য়ুমমাং চফু থুগাইদুনা য়ুমদৈ নাসেং নাহৈ তৌনরম্মী-। পণ্ডিত মিংথোল্ লৌরুবদগী পুরান পায়বা পণ্ডিত গুরু ওইবদগী চীংঙু কুরুম্ মাইচৌ সিদবগী মতিক্ ময়াই মাংনবা হোংনখি-। পামহৈবনা শানন্তদাসতা গুরুপাং কংলে, অদুদগী নিংথৌনা লৈফম অমা পিরে লৈমা চিংদা লৈরে ময়ুম্ শাবিদুনা লৈহনলে-। অসিগী তুংদা চীংঙু কুরুম্ সিদবা মাইচৌ পুম্নমক্ তুমিন্না লৈনরি কংলৈ-স্না লৈবাক অসিদা লৈশেমঙৈদগী লৈরকলবা ছিয়াই "পুয়া, মমিং মাননদবা -৪৩২১- লৈ হায়নরিবা অসিগী মনুঙদগী মমিং মান্নদবা "পুয়া,- লাই ঈয়েক্ লাইরিক -১৮৮৬- পাজরে,-।

১১-শুবা মতাং

মহৈ তান্নবা

মৈতৈ স্না লৈপাক্কী চীংঙু খোংনাংথাবা মাইচৌগী মপুক্লিংদা খল্লি শান্তদাস হায়বা পণ্ডিত অসিবু মহৈ কয়ামুক হৈরবনো? কয়ামুক খঙলবা পণ্ডিতনো:? মহাক্লা তৌরিবা অসি য়াম্না খঙবা হৈবগী মতৌদি মানলি অদুবু অসুক-হৈ-হৈতে হায়বদি খঙবনা চুম্মি ঐখোইসু লৈবাক অসিদা মাইচৌ অমানি হায়দুনা লৈরিবনিনা মহাক্লা হেনলবদি ঐখোইসু মঙোন্দা চংদনা হংফম্ থোকঈ হায়না নোংমগী নুমিৎতা মসি খঙননবগি নিংথৌদা হংগৎফম থাকই লৈবাক্কী মীয়ামদসু খংহনফম থোকঈ অদুনদি হংগৎলগে নিংদুনা নিংথৌ পামহৈবদা হংকৎলে, ঐখোইসু নিংথৌ নহাক্কী মাইচৌ অমনি হায়দুনা লৈরে,

অদুবু ইব্রাদি চংপিদা মরম্ অসিনা লাক্লিবা শান্তদাসকা মহৈতদি খঙননিংই ঐখোইদগী হেনলবদি ঐখোইসু খঙজহৌগে,-।

মসিদি লৈবাক্ ময়াম্ খঙনা লৈপাক কুম্মে ওইরসনু মসি থোকল্লবা ইনিংথৌনা স্না পুক্লিং অসাওবা লৈতনা অমুক্তা সিনবিয়ু হায়না হঙকংলে,- ব্রাফমসী তাবদগী নিংথৌনা য়াম্না ফৈনা অদুদি অসুম্ হায়না লৈবাক পাওচেল্লু হায়না নিংথৌ স্না য়াথং লাউথোকলক্লে, স্না য়াথং মতুংইননা নিংথৌ মনাই অনং ফি হায়রোইসিংনা মাইকৈ মরিমক্তা সাগোল পাও চেল্লে,- হয়েং কৌবা নুমিৎতা নিংথৌ স্নামাংদা কুম্মে তৌগনি মাইকৈ-মাইকৈগী, লৈপাক মীয়াম পুম্নমক হুপনা স্নাকোনুং তাম্না কারকউ হায়দুনা সাগোল্ পাওচেল্লে-।

নোংঙানলগা লৈপাক্ মীয়াম্ পুম্নমক স্নাকোনুংদা কারক্লুনা লৈবাক মীয়াম্ তিল্লে, নিংথৌসু লেংথোক্লক্লে নিংথৌনা হায়রক্ঈ ঐখোইগী লৈপাক্কী মাইচৌনা হাম্না কুম্মে হৌনবা তৌবিরো হায়রবদা, খোংনাংথাবনা হায়এ, ঐবু তৌরো: হায়রবদি নিংথৌগি হিয়াং হিরেন অদু চিংসিন্বিরকউ:- হায়দুনা নিংথৌদা হংগৎলবদা নিংথৌনা মকোক মন্ত্রিদা স্না য়াথং তৌরে, মকোক্ মন্ত্রিগা অনং ফি হায়রোই মীনাইসিংগা নিপা -৫০- চংদুনা চিংসিন্লক্লে, হিযাং হিরেন সঙ্গাই সুমাংদা তনিক তনিক লৈরে,- অদুদা মাইচৌ খোংনাংথাবা মথন্তনা হিয়াং হিরেন্ অচৌববু পাইখৎতনা পেরেক্- পেরেক্ সাইগাইদুনা য়োংসন্লক্লে য়োংসনলগা খাগি থোংদা পুথোক্লুনা হান্নগি মতৌ গুম্না থন্লে। অদু উরবদা, শান্তদাসনা ঐগী কুম্মেসু তৌজরগে হায়দুনা নিংথৌদা হংকংলে,- নিংথৌনা স্না য়াথং তাকপিরে, তৌরো হায়দুনা, সান্তদাসনা হায়জে- হে: নিংথৌ য়াইফবা-ও: হংগাম্ মরু উতোং অমতং পিবিয়ু হায়জরবদা নিংথৌনা খুদক অদুদা হংগাম্ মরু উতোং অমা পিরে শান্তদাসনা হংগাম মরু অদু মখুংনা লৌদুনা পায়রগা কাংজৈবুং থুংনা নাপি মরকতা লোইনা চায়খাঈরে, অদুগী মতুংদা শান্তদাসনা লংগুনু ওন্দুনা হংগাম্ মরু অদু খুনলে, মতৌ অদু উবদা মাইচৌ খোংনাংনা খঙলে মনা তৌরিবা, মহৈ অসিদি ঐখোইগী লৈপাক্কী মহৈনী পাখংবা য়াংবীদা য়াওরিবা অদুনি, মাগী মতিক অসি কয়া য়াম্না লৈবগে য়েংগে হায়দুনা খোংনাংথাবনা হৌদোং ওনলগা,

খুনুবু লাক্কে তান্নরে শান্তদাসনা খাংবা ঙম্দ্রদুনা চেল্লে,- অদুবু উবদা তানবিররোই হায়দুনা খোংনাংথাবনা তোকপিরে, শান্তদাসসু খুনু ওনবা তোক্লে-।

অদুগী মতুং খরা লৈরগা কোনুংগি মখা থংবা মহাবলী হিদেন্দা কুমথদুনা শান্তদাসনা মথিবোং মরিনবোং অদুবু পুথোক্লে, অদুগা তুরেন্দা চাম্লে, চামলিবা অদু নুপী অঙাং কৈথেল কাবিনা উরক্লদুনা মহৈ-মহৈ কিনবদগি মরুম্-মরুম্ ঙাংনদুনা কৈথেল কাবা ঙম্নদ্রে, হায়বা পাও অদু তাবদা মাইচৌ খোংনাংথাবনা শান্তদাস হায়বা নিপা অসিদি লাইমা ইকায়বা নাইদেদা,- ঐগী ইমাংদা মদুবু তৌরম্লবদি মরাইনা মথব্রাই মাংদুনা তোকচগনি হায়দুনা য়েংদুম য়েংলুগে হায়দুনা লাকপদা শান্তদাসনা তৌরিবা অদু উরে,- অদুদা চীংঙু খোংনাংথাবনা তোরৈ অমা কাখৎলগা তেংপাক্ লৈতুম অমা খুন্দুনা সোল্লগা তুরেনগী ঈশিংদা থাদদুনা খুদম য়েংবদা লৈতুম্ তারিবা ঈশিং অদুনা শান্তদাসকী মনাক্ হেক্ য়ৌবদা শান্তদাসকী মথিবোং ঈশিংদা চাম্লিবা অদু মশাদা হনজিনবা য়াদ্রে থিবোং থিরিন পুন্নমক্ অদু মশাদা হান্নগী মতৌগুম্না হনজলবা য়াদ্রবা অদুদা থিবোং থিরিন অদু মখুংনা পায়রগা তুরেন্দগী কাখংলক্লে, কোনুং তান্না লাক্লগা পামহৈবা নিংথৌগী মফমদা হায়জরুরে- হে: নিংথৌ অথোইবা-ও: ঐবু সিবাতারব্রা হায়না হায়জরুবদা নিংথৌ পামহৈবনা হিঁ করিনো: মহা পণ্ডিত অদুদি হায়রবদা শান্তদাসনা খুম্মকঈ রাজা ঐহাক্কী ইপুক্ অসি নুঙাইতদুনা থিবোং থিরিন্ অসি সেংতোক্পদা মহৌসা ঐগী লৈবাকতদী হকচাং অসী অনৌবা অমা ওইনা য়াম্না নুঙাঈ অদুবু হৌজিক্ রাজা নংগী লৈবাক্ অসিদদী হনজিনবা য়াদ্রে ঐবু সিবাতারে,- রাজা নহাক্না উপাই অমুক্তা তৌবিয়ু হায়জরবদা,- নিংথৌনা খল্লি তৌরিবা অসিবু করিনো:- কন্না খঙগনি কান্নররোই অতৈনদি ঙম্লরোইএ,- ইপু মাইচৌ খোংনাং নৎতনাদি হায়দুনা নিংথৌনা হাউবম্ মকোক মন্ত্রিদা ইপু মাইচৌ খোংনাংথাবা কৌরু হায়না স্না য়াথং তৌদুনা মকোক মন্ত্রিনা মনাই অনং ফি হায়রোই থাখিদুনা অনং ফি হায়রোইনা খোংনাংথাববু কৌরুরে, খোংনাংথাবনা কোনুং য়ৌরকলগা ইনিংথৌ স্না য়াথং কৌবিববু মরম করি তাকপীগদবনো: হায়বা ব্রা অসিদগী নিংথৌনা হায়রে ইপু মাইচৌ

তৌরিবা অসি ইপুনা অমুক্তা য়েংবীয়ু হায়দুনা শান্তদাসগী মথিবোং মরিনবোং অদু মাইচৌ খোংনাংবু য়েংহনলে নিংথৌদা খোংনাংথাবনা হায়এ, অঙাং মচাদৌনা তৌরিবা অসিবু হায়দুনা খুবাক্তা নানবদা হান্নগী মতমগুম্না ফরে-।

১২-শুবা মতাং

কংলা মৈহৌবা

মতুং নুমিৎ খরা লৈরগা হায়রকঈ শান্তদাসনা রাজা নহাক্কী লৈবাক অসিগী মখারোমদা ঈশিং অচৌবা অমা লৈ হায়না তাবদু মদুদা হি তোংদুনা কোইরুসী খাগী লৈবাক অদুনা করম্ তৌবা খঙনিংঙি য়েংনিংঙি চৎলুসি হায়এ, মদুদা নিংথৌনা হায়রে, মদুদি মীয়াম্না চৎতুনা কান্নদে মাইচৌ খোংনাংথাবগা থোংবা হীমাইবা গুরুগা ঐখোই মরিদমক চৎসী হায়রে,-মতুংদা, উতোং চাক হৌন্নবা মী খরা থাগ্রে,- মী খরা চৎখ্রবা অসিগী তুংদা, মৈদিংঙু পামহৈবাগা, শান্তদাসকা! লৌরেম্বা খোংনাংথাবগা, থোংবা হিমাইবগা, মখোঈ মরি, হিয়াং হিরেন্ হী: ইশম্চাইবা তোংদুনা ফুবাল্ব্রাদা উতোং চাক্ চাবা চৎলি। থোংবা হিবাইবনা হি: ইশম্ চাইববু লোক্তাক্ ইয়াই শম্না হোন্দুনা লাকপদা লোক্তাক ময়াইদা হি: ইচম্ চাইবা অদু ওরং-ঙরং-ঙংদুনা চরাং য়েনশম্ চরপ্-চরপ্ চাদুনা লুপ্কে তৌরক্লবদা থোংবা হিমাইবনা থাংনা য়ানবদা থাংফমদা ঈ: মতুম্-মতুম্ শিন্থম্মী। ইশম্ চাইবনা হে: হে: নাহেদুনা থক্-থক্ নিক্তা নোম্না হায়না চৈনাখোল্ খাংলক্লবদা খোংনাংথাবনা শান্তদাসদা নহাক্তি নিংথৌগী, অচানবা গুরুনি লৈবাক্কী অহৈবা অখংবা পণ্ডিতনি নাহেবা অসি খাম্মু হায়রবদা শান্তদাসনা মখুত্তা পাইরিবা মালাদা, রামতরকোক-মন্ত্র সোন্দুনা হিদা ফুরুবদা নাহেবা লেপ্পদি লাইরদুনা হিদুম্ লুপ্কে তৌরক্লে।

মদু উবদা মৈদিংঙু পাম্হৈবনা নুংসা থিদুনা খোংনাংথাবদা ইপুনা হি: অসি খরা খাম্বিদ্রবদি মাংবা তারে, হায়রবদা লৌরেম্বা খোংনাংথাবনা অনাবসুং তাইসিল্লো লাইয়িংথৌ তোক্লো সাউরগনো:? চৎপিরো, হায়না মখুবাক্তা হিদা নানবদা সিন্থরগ্বা ঈ: থকৃতুনা নাহেবা তোক্তুনা হান্নগী মতৌগুম্

চংখি। মদুদা পাম্হৈবনা ঙক্রদুনা খোংনাংথাবদা ইপু-হি: অসিনা তৌরিবা অসিবু করিনো:? হায়না হংলক্রবদা খোংনাংথাবনা খুমলম্মী মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বা নোংপোক ব্রাইরং পামহৈবা তাউ ও:-। হি: অসিদি অচম্বা হি: নত্তে নবুধৌ পাখংবনি-। নবুধৌদি ঐখোয়না লমচং শাজং চাক্চা ইথক্ পুম্নমক্ হোংবা তারে মিরান্ মী লমচংনা ঐখোয়গী ইলমচং ওইনা চংলগনি হায়দুনা লাইয়াম্গা লাইতিং কোন্দা তিন্নদুনা ব্রাতান্নরগা কোংখু কোনলেন্দা থুপ্খ্রবনি। অতোপ্পা মীরৈবাক্ মচা শান্তদাসনা তোংবা অসিদা নবুধৌনা শাউদুনা তৌবনি হৌজিক্তি নপুনা থেম্লে, নুংশা থিরগনু হায়না ব্রারী সাদুনা লাকপদা ফুবাল্লাদা থুংলে,-। ফুবাল্লা য়ৌরবদা নিংথৌনা মখারোমদা মমাই অব্রাং ওন্নফম্ শান্তদাসনা মনিংলোমদা মমাই মমাঙ ওন্নফম্ খোংনাংথাবনা অব্রাংলোমদা মমাই মখা ওন্নফম্ থোংবা হিমাইবনা হীসংবা, নিংথৌ মনাই খরানা উতোং চাক্ হৌবা লোইসিন্লকপগী চান্নবা থৌরাংতৌ নিংথৌ মপু-মনাই মখোঙ্গ অহুম্ মক্লা ফুংগা লোংচুম্ সানা ফম্দুনা ঙসি থোংবা হিমাইবনা তৌবা অসিদি ওনথোক্লা নুঙাইখ্রেদা হায়দুনা থাগৎতুনা মাগী মনা অসী করি পিসিবা হায়দুনা অশুম্ খল্লকঙ্গ নিংথৌনা মাগী মানাদি লৌ পরি তরা পিরে,- অদুগী মতুংদা মরম্ পুম্নমক্ থৌরাং তৌদুনা উতোং চাক্ চাবা থক্পা লোইরে, ব্রারি শাদুনা ঙৈহাক্ নুঙাইনারিঙৈ অদুদা,- লৌরেম্বা খোংদাংথাবনা ইখঙ-খঙহৌদনা হাঁ: হায়না লাউদুনা চোংখৎপদা তুদুনা লৈবাক্তা চেগাই লৈরম্বদগী চেগাইনা য়াখাইদুনা ঈ থোক্লবদা কুরুগী ঈ: লৈবাক্ তাহৈদে হায়দুনা স্নাগী শেমপাক্লো ঈ: য়াখি, নিংথৌনা মদু উবদা শান্তদাসনা করেম্নবা মীনোক্লা খোংনাংথাবদা অহায় শালা, ময়াম্ ফম্লিঙৈদা নংনা উইরগা করিগী খংদুনা তুরিবনো:? হায়রবদা খোংনাংথাবনা সাউনা খুম্খি। নংনা শালা, হায়ববু কনাবুনো:? নংগুম্বা করিসু খংদবনা ঐবু অঙাং খোমথক্পগুম্ উসিংতদুনা করেম্নরিবা হায়না শাউরদুনা খোংনাংথাবনা শান্তদাসপু হাংকে তৌরক্লবদা পামহৈবনা মাংবা তারে হায়দুনা খোংনাংথাববু খাম্জিনখি। ইপুনা খংহৌদনা লাউদুনা তুববু করি তৌরবগে হায়না পামহৈবনা হংলক্রবদা খোংনাংথাবনা খুমখি।

নিংথেম্ ইপা ইপুনা চংনরম্বা লমচংপু ফৈ ফত্তে য়েংদনা হোংদুনা মী অতোপ্পাগী লমচং তম্জদুনা চংপা অসিদা নোংচুপ্ লমদগী থাংজ তরেং

পাইরক্লুনা স্নাকৈথেন য়ৌরবদা স্নাকৈথেল্ কাইরে, মদু উবদা নপুনা খংহৌদনা হাঁ হায়না লাউবনি। ঐনা অমুক্ খামলে অদুদগী খান্বা য়াদদুনা কংলা য়ৌগ্রে, কংলা মৈহৌরে। অদুদা ঐনা মাংবা তারে হায়দুনা মৈকনবা হোংনবদা তুবনি নিংথেম হায়বা, খোংনাংথাবগী ব্রা তাবদা শান্তাদসনা নোকখি।

অঙাং নংদি করি খংবা শারদুনা ঐ মক্লসু খংদবদা হায়না শান্তদাসনা করেম্নরক্লবদা খোংদাংথাবনা নংগুম্বনা ঐবু অঙাং হায়বদি নংদি কুম্শিং কয়া শুজরবগে হায়না হংলক্লবদা শান্তদাসনা খুমখি রাবন্না সীতা হুখিদুনা শ্রীরাম্চন্দ্রনা লঙ্কা লান্ চৎপদা শান্তদাস ঐদি ফিরান্ পুবা ঙম্না চাউরে হায়না খুম্মী। খোংনাংথাবনা অদুদি নংদি ঙরাংতগী খোম্থক্লিবা অঙাং নত্তবরা? শিলোং লৈবাক্তা লাইরেম্বীনা চাদুনা মী-য়াম্না নাদুনা শিনরক্লবদা লৈবাক্কী পণ্ডিতশিংনা খুরুমজদুনা হায়জববু হেন্না-হেন্না শিজিল্লক্লবদা মৈতৈ লৈবাক্তগী মাইচৌ পণ্ডিত নংত্রবদি লাইরেম্বীবু তাইনবা ঙম্লরোই হায়না ঐবু কৌরবদগী ঐনা লাইরেম্বীবু তাইনগে লাকপদা নমানা নংবু পোক্লুনা মতম্পাক্তা পম্দুনা লৈরম্মী। ঐবু উবদা নমানা হে:কুরু লাইওইবা কুরুনা লাক্পিরিঙৈদা ঐগী ইচা অসিগী মমিং থোনবিরম্মু হায়বদগী ঐনা নংগী নমিংবু শান্তদাস কৌও:- হায়না থোনবিরম্বা নংত্রা? ঐদি অদুঙৈদগীনা হৌজিক ফাওবা অসিগী অসি ঙাইদুনা মরৈরিবা অসিনি হায়না খৎনরক্লবদা পামহৈবনা খাম্জিনখি।

ইপুগা গুরু গোসাইগা অনিমক্লা খংনবা অসিবু অসিনা চুম্লে অসিনা লাপ্লে, হায়বা খংবা ঙমদ্রে-। কংলা মৈ হৌরে হায়বা অসিনা করিগুম্বা কংলাদা মৈহৌরম্লবদি ইপু-খোংনাংথাবনা চুম্মে, মৈ হৌদবা ওইরম্লবদি গুরুনা অঙাংনি হায়বনা চুম্মে, হায়না খাম্জিল্লগা, হৌজিক্ মতম খোংব্রাই থেংজল্লক্লে, ইপুসু গুরুসু খোইসাও লিনসাওবা পুম্নমক্ খোইখা লিনখাদা নম্থদুনা থম্বীয়ু হায়না নিংথৌনা হায়রিয়ে অদুদা।

চীংঙু নোংদম্ অমা লাক্লে কোনুংদগী শগোল সরিক্ থাংবনা পাওবু থুংঙরে, কংলা মৈ হৌরে হায়দুনা তন্নরে ব্রাসি তাবদগী নিংথৌনা হায়রে মাইচৌ খোংনাংনা চুমলে হায়রবা শগোল-তোংবদা হংঙি করম্ তৌই হায়বদা শগোল তোংবনা নিংথৌদা হংকৎলি, ইনিংথৌ ইবুঙো: পোইরৈ মিতম্ ঙানবা

হুয়েং লাংজেং সাফাবা মা পুক্লিং তপ্না তাবীয়ু উনবী সেংলোং নিকপিগনু ইনিংথৌনা য়ামান্দি ধর্ম্মা লৌরগা নুঙাইবীরিঙেদা অশোম্‌দদী মা কোনুং মৈ চাক্লে-। মৈ অসি কদাইদগীনো:? হায়না সঙ্গাই সেনবা মায়াম্না মৈগী হৌফম্ থিনবদা অতৈ অমদগী নংলম্‌দরে-। কোরৌ মালেম্ তায়বঙ অহুম্‌মক্কী খোইদৌ থম্বাল ওইরিবা কংলা য়াইকোম্নুঙগী মালেম্ লৈখারোন্ লাইজ ঈরম তরেংকী হৌফম্ মরূদা ঈরম্ পেরেপায়না লেপ্লিবা নবুধৌগী নুঙসা স্বর হোনফম্ কংলা য়াইকোন্ নুঙদগী খাম্বী মৈ হৌরক্লুনা খাম্বি মৈপোক থোক্লা চাক্লকপনা মা-কোনুং সঙ্গাই চাকপনী ইনিংথৌ ইবুঙো: কংলাদা হৌবা মৈ অদুনা অঙকপা অকিবা ফংনা মৈ চাকখংলক্লবদা হাউবম্ মকোক মন্ত্রিনা ইনিংথৌদা কংলা মৈহৌবগী ব্রারম খঙহনদবা য়াদে হায়দুনা শগোল শংগী সজিক লোইদা য়াথং তৌরে মকোক মন্ত্রিগী থৌদা মতুং ইন্‌না ননাই ঐগী ইখুংসু শগোল সায়াংথক্তা তাইবোং হাপলগা শগোল্ শরিক থাংদুনা ঐনা শাগোল তোংলগা লাকচরিবা অসিনী ইনিংথৌ কংলাদা হৌরিবা মৈ অসিগী অহানবদি মাকৈথেল্ লোমদগী পায়রকপা মৈনা যুম পুম্নমক চাকপা লোয়খ্রবগী মতুংদা হৌজিক্ কংলাগী মৈদী পুং মরি বাংনা চাকহৌরি হায়না খুম্মি।

মদু তাবদা খোংনাংথাবনা খঙলব্রা শান্তদাস ব্রাহৈ অদু তাবদা শান্তদাসনা খুরুম্লে। অদুদগী পামহৈবনা গুরু ঐখোই চংলসি হায়ববদ খোংনাংথাবনা ঐ কংফান্দা লাক্‌লগে, নিংথৌগা শান্তদাসকা থোংবগা অহুমদি হিদা লাকলো: হায়রমলগা চংখ্রে খোংনাংথাবদি।

মখোই অহুম্‌মক্লা হিদা লোক্তাক শম্না লাক্লে ঙাক্রা খোং মরিন ইননা হোনকংলকপা হিনা হৈপোক নিংথৌগী মচা ইবেম্মা লাইবেম্মগী চীংখোঙ য়ৌবকপদা হি: চংলু য়াদদুনা হি: থাংলে, হী: অদু মখোই অহুম্মক্লা চুক য়ৈদুনা পুল্লমলে,- মফম অদুবু হী: থাংফম কৌরমএ মখোই অহুম্‌মক হিদগী কংফান্দা কাখংতুনা কোনুং তানা লাক্‌লে,- হি:সু অদুম্ মমাই ওন্দুনা ঙাক্রাখোং মরিন ইননা চংথাখিদুনা লোক্‌তাক য়ৌখ্রে।

মখোই অহুম্ মক্লা কোনুং য়ৌরবদা, কংলা সুরুংগী মৈনা পুং মরি ব্রাংনা চাক্লুনা লৈবা অদু উবদা অকিবা ফংলে,- থাংজ তরেংকী সানি

মৈনা য়ুম মৈ চাকপা অদুদি মতোম্তা মুৎচপ্লে।

সুরুংগী মৈদি ঈবুধৌ পাখংবনা হৌবা মৈনিনা মৈরি ব্রাংনা-চাকতুনা লৈবদুদা চংবা ঙম্নদদুনা মী পুম্নমক্ লৈনরবদা পামহৈবনা য়াইরেক্ সং সাদুনা সংদুদা লৈরে, নোং ঙান্লবগা, নিংথৌনা শান্তদাসতা গুরু মৈকলবিয়ু হায়রবদা রাজা য়াহাক্লা কলগনি হায়না সংখাদা তুল্লসি হাপ্তুনা রাম্ তরকোক্ মন্ত্র সোল্লগা সংখাজোন্ চায়রুবদা লাই পাখংবনা সাওদুনা ঙাঙ্গেং-ঙাঙ্গেং খোংদুনা চাকখৎলক্লে, মদু উবদা শান্তদাসনা হায়এ, অকোইবসী লৈবাক্লা কোইসিনলু হায়দুনা মীয়ম পুম্নমক্লা লৈবাক কোইসিন্দুনা অকোইবা অদু পনথিংলে,-। অদু লোইরবগা ঈশিং হৈজিল্লু হয়দুনা ঈশিং হৈজল্লে, ঈশিং থলনা হৈজিললে, মৈ-অদুসু ঈশিং চায়রো: হায়দুনা মীয়াম্ চংসিন্দুনা ঈশিং চায়রুবদা হান্নাদগী হেন্না মৈ অদু চাক্খৎলক্লে,।

অদু উবদা লৈবাক্ মীয়াম্ পুম্নমক্ কপ্না লাউনাদুনা চেল্নবে,- ইমা ইমা হাযদুনা মদু উবদা নিংথৌনা হায়রক্ই মনাইসিংদা মাইচৌ ইপু খোংনাংথাবব্ কৌরু-ও: হায়রবদা থোংবা হি মাইবনা ইনিংথৌ ইবুঙো: ইপু খোংনাংথাবদি হৌজিক্ মতম অসিদা ব্রাহেং খুমন্ য়ৌরক্লমবদা য়াই ননাইসিং ফুবাল্লাগী উতোং চাক্ হৌবা কাংলুপতুসু থুংলদ্রি হায়না হংকংলবদা,-নিংথৌনা মকোক্ মপ্লেনা হায়রিবা অসি তারেদনা হৌজিক্ থুনা য়াংনা ইপু-খোংনাং কৌরুদবা য়াদে হায়না স্না য়াথং তৌরবদা স্না য়াথং তুংইননা হাওবম শগোল্ মকোক্কী অনং ফি হায়রোইসিং নিংথৌ মনাই অমা শগোল্ তোংদুনা কুমখিবদা, ঈসোকতা থেংনরে, খোংনাংথাবা উবদা শগোল্ তোংবনা শগোল্ থকতগী কুমথদুনা খুকুম্মী হে: মাইচৌ কুরু ও: নিংথৌগী স্না য়াথং থুনা কারক্উ: হায়না তার্কপিরক্ঈ হায়রবদা, ব্রাদু তাবদা খোংনাংথাবনা ঐ লাক্লে, হায়বদা শগোল তোংবনা হায়রকই ইপু শগোল মথক্তা লেংখৎপিরো থুনা য়ৌনবা হায়বদা খোংনাংথাবনা হায় চৎলো: চৎলো: ঐনাদুম হানগনি হায়না লাকপদা শগোলগী মাংথানা খোংনাংথাবনা কোনুং য়ৌরক্লবদা,- নিংথৌনা চিংবা শান্তদাস অঙম্-অথৌ লৈবাক মীয়াম্ পুম্নমক্ হুপনা খোংনাংথাবদা থুরুম্লে,-। খুরুম্নগা পামহৈবা নিংথৌনা হায়রকএ,- হে: মাইচৌ কুরুও:- গুরু শান্তদাসতা মৈকলবিয়ু হায়রুববু থোইনা হেন্না মৈরি ব্রাংনা

চাক্‌থংলকলে, হন্‌দক্কী মৈ: অসিবু মাইচৌ অহলনা কলবিদ্রবদী লৈবাক্‌ মাংবা তরে, হায়না নিংথৌনা হায়জরবদা খোংনাং থাবনা হায়: কন্‌বা ঙমদ্রবদি চাকলসনু, খোংনাংথাবগী ব্রাহৈ অসি তাবদা নিংথৌনা হায়রকই ইপু মাইচৌনা মৈ অসি কনবিদ্রবদী মৈতে লৈবাক্‌ মাংবা তারেদো: ইপু লৈপাক্‌ অসি লোইনা তুম্বা তারেদো:-।

ব্রাদু তাবদা খোংনাংথাবনা হায়রকই হে: নিংথৌও: কংলাগী মৈ: অসিদী নপুধৌ পাখংবনা সাওদুনা তৌবনিনা ঐনা হায়জরগা য়াবীগনী, অদুগা নোংচুপলোমগী সনি থোক্‌লক্তুনা মী পুম্নমক্কী মপুক মনুঙদা চাক্কদৌরিবা মৈ: অসিদী কংলাগি মৈদগী হেন্না লুখরে,- ইপুনা কলবদা খরা লুনা থোক্‌কদৌরী চাকলসনু হে: নিংথৌও: হায়রবদা নিংথৌনা হায়এ, ইপু কংলাগী মৈসু মুংথংপিয়ু তায়বঙ পিপুক্‌ নুঙগী মৈসু মুংথংপিয়ু হায়রবদা, খোংনাংথাবনা নিংথৌ য়েংদুনা হায়এ:- ইনিংথৌ ইবুঙো: নিংথৌরেল য়াইফবও: ইপুনা করি হায়সিগে কংলাদা মৈ: হৌরগা লৈবাক মাংবদি চহি কুমজা অহুমগি মনুঙদা কোক্কনি, পোইরৈ তায়বং চারোন্‌ সুরোনগী নুঙদা চাক্‌হৌগদৌরিবা মৈ: অসিদি মীরোন-তরেং ফাওবা মৈ: মুংপা ঙমলোইদৌরি-ইনিংথৌ ইবুঙো:-। খোংনাংথাবগী বাসি তাবদা নিংথৌনা হায়এ,- ইপু তায়বং চারোন্‌ সুরোনগী মৈ: অদু ইপুনা মুংথংপিয়ু-। নিংথৌগী ব্রা অসিদগী খোংনাংথাবনা হায়এ, ইনিংথৌ ইবুঙো: তাইবং চারোন্‌ সুরোনগী মৈ: অসি মংথংপা তারবদি ইনিংথৌগী লিকলাং পারেং তংপা তারে। ব্রা অসিদগী নিংথৌনা হায়এ,- করি ব্রানো:? ইপু-নিংথৌ ঐগী থবানাইগী লিকলাং পরেংবু তংকনি হায়বা ব্রা অসিদি লৈবাক্‌ অসিদা নিংথৌ ঐগী করি ইরান্‌ লৈরদনা ইপু নিংথৌগী ব্রা অসিদগী খোংনাংথাবনা হায়এ,-।

ইনিংথৌ ইবুঙো: ইনিংথৌনা ইপানাং ইপুনাং থিবদা লৈবাক্কীদি য়েংবিদে, ইনিংথৌদি গুরু গোস্বামীগী হৌরকপা মরু থিদুনা শ্রীপ্রভু রাম্‌চন্দ্রগী নাম্বু রামান্দি ধর্ম্মানি হায়দুনা নংগী গুরু শান্তদাসতগী লৌবদা মরান্‌ লৈজদবা মৈতে পুম্নমক্‌সু নিংথৌনা ঙম্‌ই হায়দুনা নমদুনা ফাদুনা রামান্দি ধর্ম্মা হেক্‌ পিসিনবা অসিবু অচুম্‌বা লমচংলা অসিগী মৈরি অসিদি তায়বং মীরোন তরেংকী নুঙদা চাক হৌরগদৌবা মৈনে,- ইনিংথৌ-ইবুঙো: ইনিংথৌগিদী

ইপানাং ইপুনাং অচুম্বা ওইগনি পোইরৈ মৈতৈ পুম্নমক্কীদি অচুম্বা ওইবা য়ারোঈ-। মরম্ অসিনা ইনিংথৌগী লিক্লাং পরেং অদু থদংতুনা লিকলাং চোইনা কেল্লবা,- লৈরাংগী লৈরিক্ চোইনা তাদুনা তাউজিং হৈরাং খুনফম্ খংদ্রবা অদুদতা মৈতৈগী নুংদা চাকপা মৈ: মুংকদবনি,- ইনিংথৌ-।

ব্রা- অসিদগী নিংথৌনা খোংনাংথাবা য়েংলগা হায়জরকই। ইপু নিংথৌ ঐগী লিকলাং তংতনা তায়বং চারোন্ সুরেনগী নুঙদা চাকহৌগদৌবিবা মৈ: অসি মতৌ করম্ তৌরে হায়রগা, মুংকদগে,? ইপু অশুম্ হায়জরবদা, ব্রা অসিদগী খোংনাংথাবনা হায়এ,- ইনিংথৌ ইবুঙো: মুম্না ব্রাখন্ তৌবীয়ু-। পাউতাক্ হিদেন মপাল ফৈদাহিদং মশুমাংদা তরেৎ সেনপুং য়ৈদুনা ব্রাংলেন পুঙফাং ফুদুনা তুবী মরূ থাবদী হৌদ্রেদো: শেঙ্গী মুকোক্লৈগী মরু ওইনা হৌবনা পোইরৈ মৈতৈ পুম্নমক্কী নুঙদা চাক্কদৌরিবা মৈনিনে, ইনিংথৌ মরম্ অসিদগী মৈতৈ পুম্নমক্কী নুঙদা তায়বঙ মীরোন্ তরেৎ ফাওবা চাকহৌগদৌরিবা মৈ অসে ননাই ইপুনা মুংহল্লম্বা ঙমমোইদৌরে,- ইনিংথৌ ইবুঙো:-।

ব্রা অসি তারবগী তুংদা নিংথৌনা হায়এ,- ইপু তায়বঙ নুঙগী মৈচাক্ হৌরসনু নিংথৌ ঐগী নিংবা কাইবদি য়াবা নংতে-। পানদা চাকলিবা কংলাগী মৈসি মুথংপিয়ু ইপু অশুম্না নিংথৌনা খোংনাংথাবদা হাযজরবদা-। খোংনাংথাবনা ফরে হৌজিকতি মৈ মুথংলগে, পন্ অসি ফাংতোক্লো: হায়না তাকপিরবদা মীয়াম্ চংদুনা পন্ ফাংতোকলে, ঈশিং অদু কংখ্রে মতুং অদুদা অহন্ লাইনা মৈগী মশক্ ওইবা পাথংবগী মিংখৈবু খুবাক্তা সোন্দুনা লাইয়িংথৌ করিনো: মতম্ ব্রাংলি সাওবিগনু হায়না অহুম্লক্ খামববু য়ারদুনা মৈরি অদু খরা-খরা হস্থরক্তুনা পুম্মুং মুংখ্রে মতৌ অদু উবদা মীয়াম্ পুম্নমক্কা অহন লাইওইবনা য়াইফরে হায়না য়াইফা খোন্লাওখরে,- অশুম্না কংলা মৈ: মুংখি।

মতম্ খোংলৈ তুংইম্নমা ইনুঙ খোংমৈ নেম্থরকপনা মীয়াম্ পুম্নমকসু মরান্ য়াম্দা হলব্রাইখিয়ে-। কোনুংগী মীয়াম্ অপুম্নসু মকাইফমদা চংনখিয়ে,-অশুম্না পোইরৈ অসিদা রামান্দি ধর্গা চংখিয়ে-অশুম খঙউ:-।

১৩-শুবা মতাং

নোংশ্রং ইরুঙ্বা

মতম অসিদা মইতুশা ... চৈ, ... লৈ, নৌইং ... তাকনবা চেবাক পিদনা বাসান্দ থংগ ... নাসুং শোলইন্দা নোংখু পাযনা ইক ... অহুম লোঙবন্দি পংলে মইরেং, ... যিবোংবু, - যিরোং অহুম শাংবন্ ... অথোইবা মাইচৌ ... পনলোনগী যেইমোংব, - ... ... হৌবা বাবী লীনা খুঙহল্লনদা ... লাইফম অকবা মযমান তাকপিনে,

অসিগী মতুংদা মৈদি ... খুদিং পাউজেল্লে। ... শবী সিদবা থাদোককে, ... যিকপর্নাব মৈতে কনা অসনু চিখনা ... হৌদুনা নিংথৌ চেবাক ... উনড অদ্ ... ...

খোংলন্ মনা চসিদা ... অদ্দি বামান্দ থম্মা ... ইরুঙ্বা কোবৌদি শকাব্দ - ১৩৫৪ ... অযুক্ নোংঙানপুং - ৫ দগী হৌখবে, ।

মতম্ অসিদা শান্তদাস গোষাইনা ত্রিবেনী তীথ ভব লোইদুনা মৈতে পুম্বা খুঙহল্লে। পোইবৈ মৈতে পুম্বন মাগী মাগী ঈযেক সনাই হৌনকলগ,

"গোত্র, হায়না পানশিন্না লেপ্‌হল্লে। মসিবু মৈতৈ মাইচৌ পণ্ডিত লাঙ্গোল্ লুখোইনা গোবিন্দাস নোংখ্রং হায়না মিংথোন্দুনা থব্রান্ থাগী কার্ত্তিক থব্রাই পিচাক্লা পানবা য়ুমশকৈস নুমিৎতা "পুয়া, অমা ইখরে,-।

মতৌ অশুম্না লাইরবা লম্বোইবা শান্তদাসগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্মী হায়নগী পামহৈববু মমিং গরিবনিৱাজ হায়না মিংথোন্দুনা লৈবাক হুপ্না খংহললে, । মতুংদা গোবিন্দাস নোংখ্রং নংত্রেগা গরিবনিৱাজ নোংখ্রং হায়নসু খঙনখি, । গোত্রম অসিনা লাইগী চাদা-নাওতা লাইগী ঈয়েক সলাই সাকৈ লৈপাক অসিদা লৈরিবা নিংথৌ মনাই-মীনাই খবানা লাইগী ঈয়েক সলাই মখে ওইবন গোত্র মচানী হায়জলদ্‌না গোত্রনি হায়না সন্দোক্লুনা লৈবাক অসিদা নামান্দি ধর্ম্মা চংখিএ,-।। "মঙাং, য়েক্ শলাইনা "শান্ডিল্য, হায়না কৌখি। "নাবাংনা, "কৌষক্ গোত্রা, কৌরে। "খুম্মন, য়েক মখৈনা "মধুবেল্য, হায়না কৌখ্রে। "অঙোম, য়েকচা খৈবীক্লা "গৌতুম গোত্রা, হায়না কৌখি। "মোইবাং, য়েকচা খৈবীক্লা "ভরদুৱাজ গোত্রা, থোনখ্রে। "খা-ঙানবা, য়েকচা খৈবীক্লা "আত্রায়ো গোত্রা, কৌখি। "চেংলে সরাং-লৈশংথেম, য়েকচা খৈবীক্লা "নৈমিসা গোত্রা, কৌখি। অসুম্না নিংথৌগী মশাক মযাইদা শাদোং ওইদনা শান্তাদাসনা শাথৌখি।।

১৪-শুবা মতাং

শান্তিদাস মহিং শুব্রা তৈনা হায়বা-।

অহানবদগী চংথারক্লবা শান্তদাসকা নিংথৌগা মনৌ তৌনদুনা ইংশোক -১৭২৬- শজিব্ -১৫- নি পানবা লৈপাকপোকপদা যাংখৈ নিংখল পান্থ্রদা বামাজ প্রভু লিংখৎলগা লাংপা হৌখি। মতুং অসিদা শান্তদাসনা নিংথৌগা মযেং লৌরগা মানা শিন্দুনা পোইরৈ য়া লৈবাক্ অসিগী লৌরবা উমং লাইগী কোমাই খোম্‌গৎলগা মোংবা হনবগী উমংলেন্দা ফুর্মাজনাখি,। মশি ইংশোক -১৭২৬- কী ঈঙা থাগী মুঙর্দানি,।

মোংবা হনবগী লাইফম্ উমংলেন্দনা ইংশোক্ -১৭২৯- ঈঙা ১৬-থাপঙ গোংমা কোনবা নোংমাইজিংদা কেথেল অচৌবদা, য়ুংবা কৈথেল

লাইরেম্বী নংবু ফুক্লগা মোংবা হনবা উমংদা চিংশিল্লি, নুং অদুদা হনুমান্ মুর্তি য়েক্ই। ইংশোক -১৭২৯- হিয়াঙ্গে -১১- নি পানবা য়ুমশকৈসদা হনুমান্ মশক শারগা মোংবা হনবা লাইফমদা পুশিন্দুনা মমিং হনুমান্ থাকুর কৌশিন্লগা লাংপা হৌরে-। মৈতৈ পুম্বদা লাউথোক্লে-। নিংথৌগা শান্তদাসকা অনিনা হৌজিক্ মোংবা হনবগী উমংলেল লাইফম্ অসিদা লিংখৎলিবা লাই অসী অনৌবা মমিং অসিদগী মহাবলি থাকুব কৌরবনি হায়না লাউথোক্লে-। হিয়াঙ্গে -১১-নি পানবা অসিদা।।

অসিগা লোইননা পোইরৈ য়ুম খুঁদিংগী থেলোং সুমাং ময়াইদা,-উপী উরেন উহন থানরম্মী ঈরিক সিদবা থানরম্মী তাইরেন লৈসং থানরম্মী অদুসিং পুম্নমক্ ফুক তোকখোঃ অদুগা রাম্ তুলশি থাবগদবনী, নিংবনা রামজি প্রভু নিংগদবনি। শুমাং উমংলেন্ মথৌপুঙদা হান্নদগী হৌরম্বা উপী উরেন তাইরেন্ অদু ফুক্তোকখোঃ হায়না লাউথোক্লে-।

১-পোইরৈ অসিগী কোরৌ নোংহৌরক্ংঙেগি মালেম্ লৈহৌনরক্ংঙে লৈশেম্ংঙেদগী তিনশক্ লাইশক্ হোংদনা লৈরক্লবা লাইয়িংথৌগী,- হিথাংফম্ হিঃ য়াংথাং কৌবা হৈপোক লৈমাগি লাইফম্ হিঃ য়াংথাং ঈরৈমা লাইরেম্মগী মফম্-অসিসু পামহৈবনা চীঙু মাইচৌ খোংনাংথাবগী ব্রাফম্না তুংওঈনা শান্তদাস মহন্তগী ব্রানা মাংওইন্দুনা উতোংচাক্কী হলকপা মতমদা নিংথৌগী হিয়াং তাওদিংস্না পাখংবা মিংথোলবা হিয়াং-হিরেন্ লোইয়ুম্বা লৈকৌবা,- উনা শাবা হিবু থাংলমই। হায়বদগী হিয়াংথাং হায়না অমুক্সু কৌসল্লে, হৈপোক লৈমা মোনশানবি ঈরৈমা হায়না কৌবা তাযবঙ ঈয়েক সলাইগী শন্তরকপা চাদা নাওদা তাইবং ওইবা পুম্নমক্কী পলেম্ ওইরবি লাইরেম্মা লাইমিং অসিসু কামখ্যা দেবী হায়না মিং থোনবিখ্রে-। অদুগা সাচিফু তরেৎনি পানবা মৈতৈ চৈরাউবা নুমিৎ অসিদা মৈতৈনা ঈরৈমা লাইরেম্মগী কুমজাগী ওইবা ইরাৎ থৌনি তৌনরম্বসু বাসন্তি পুজা হায়না মমিং ওন্থোক্খ্রে-। সাচিফু লৈখুন ফুনবা, কোংবা লৈথোং ফাৎপগী থৌরম্ অসিদী মমিং ওন্থোক্পা ঙমখিদ্রে। মতুংদা শান্তদাসকি মনাইশিং অনৌবা কৌথোকলুবা মীনাইশিংদা দেবী সেবা পিবিখ্রে-। হৈপোক নিংথৌ হায়রিবা অরুবা লাই অদুসু মহাদেবা হায়না মমিং কৌশিনখ্রে। মহাদেবা কামখ্যাদেবী হায়না

নিংনবদগী লৈবাক্ মাংবা হৌরবনে।।

হৈপোক চিঙগি মিংখৈদি হঙ-হিঙ রঙ-রিঙ চিঙ চিলবা কৌই। লাই পখরা চিঙজিল্ চিঙখোঙদা নুং শামু মানবা লৈবা অদুগী মমিংদি সঃহিঙ কৌই। মদু পোইরৈ মীয়ামগী থৌনিফমনে,-। থরোই লোক্ মনুঙদা লৈবা লাইগি মিংখৈদি মিনুঙসি মিপোলেন্ কোলিংবা কৌই। মন্ত্রি পুন্সিবগি পুখ্রি লৈরিবা মফম্ অদু য়েলহৌঙৈগী, ওইবা লাইফম্নি-। মিনাইনা মপু ওইবা মপুনা ফমথোন্ কাবনে।

হৈরাং খোক ঙায়াম্ পোকপা তম্পাক্ মমাংদা অকুংপা কোন্ ওইনা লৈবা মফম্ অদুসু লাইফমনে, অদুদা লৈবা লাইগী মিংখৈদি, উম্ হয় হিকখ হিক্ চিক্ খায়বা কৌই। খুভম্ অরুবনে,। লাইথুং কোকপা লৈমা নিংথৌ পুন্সি নুঙসাংগী থৌনিফম্ ওইবা অরুবা লাইফম্নি চুক পুবা লাইফমনে,- ।

খুমন সোইগী খা-থংবদা নোংথৈ পাম্বি-মউঃ লিংদুনা পাল্লম্ই খাগেম্বা নিংথৌনা নোংথৈ ফংই। শদিং "পুয়া, মাইচৌশিংনা লাংথাক্পদা, লাল্লুপ্ কাদবা লাই ময়াম্ থুই। লাই ময়ামবু লাংথাক্ফমনি হায়বগি মফম্ অসিগী মমিংবু থোংলেন্ তাইবি কৌরম্বদগী লাংথবান্ কৌখি।

হৈপোক লেমচেং লিহিপোকতা খুমনগী শামুনে, কৌব্রুগী শামুনে অনিনা ওইখিবা নুং অনি লৈরিবা লাইফমনি থরোই লোক্তা নুং -৪- লৈ লাইথুং কোকপা মফমনে,- অদুগী চিংয়াংদা খুমন অমু লায়তোংবগি য়ুম্বীনা ওয়বা নুংনে পুন্সি ইনিফমনে,-। সুংহাল-চিংগী চিংদোল মপা নোংচুপ্ থংবদা নুং তরা হুমদোই লৈরিবা অসিনা ম্না-লুপা-কোরি শেন কংলম্বা লাইফমনে,-।

মতোন থংবা খ্বাইদগী চাওবা নুং অদুনা অসুপ্পনে,- থেনকংফমদা নুং অনি লৈয়ে নুংবিনে হৈপোক লাইরেম্বীবু থোংঙারেন্না হৈজিংপোং পুরকপদা নোং থৌরেন্না চাইখাইবগি নুংনে থরোই লোককি পুখ্রিদা নুং অমা লৈয়ে মঙাং ইয়ুগী শানথুপফমনে,-।- হিয়াংথাংদা পম্হোইবীগী ফুভম লৈরিবা অসিনা চহিগী ওইনা লম্তা থাদা লাইরৌ তাবা হায়না থৌনিরিবা লাইফমনি,-।- পোইরৈ ম্না লৈবাক অসিদা মহাদেবা কামখ্যাদেবী হায়বা মমিং অসি লৈতে-।

হৌজিক্না লাংথবান চিংগি নোংপোক থংবা চিংমাইগী ব্রা মখোংদা শুরুং লৈবা মফম অদু গম্ভিরশিং স্না হাকথক্তা খুৎ চংলবা নুংনা থৌগল্ তৌদুনা লৈরি,-। রাস মগুল হায়রিবা মফম অদুগী পুখ্রিদা মচু অঙুম ওইবা নুংপাক অমা লৈরিবা অসিনা ঈশিং মনুংদা লৈ,-। লাইখ্র চিংজিন লুহোংবা থিলবদা দোলাই পুহৈদে লাইখ্রাম পোকপা খুভম লৈ-। লাই তুংগোল নুং ওঈনা লৈ কুমগি ইনৌ তাবদা ঙাথোকই। কুমচংগী মহৈ অফ-ফৎত খঙনৈ,-। শ্মনগী হিনাও: হিরু নুং ওইনা লৈ,-। ১ হৈপোক লৈমা মোনশাবী -২- লালহামপুং লৈমা হে মোইবি,-৩- নোংমৈবুং লৈমা ইমোইনু,-৪ চিংঙালৈমা লানবৈবি, -৫- পিশুম লৈমা শাফাবি, -৬- লাংচিংলৈমা পিয়াইনু,-৭- লিব্রা লৈমা তেংকোল্ চাইবী,-। অশুম্না লৈশেমঙৈদগী কৌরকলবা লাইরেম্বীগী মমিংবু নিংথৌনা রামান্দি ধর্ম্মা লৌরুবদগী কামখ্যা দুরুগা দেবী কৌশিনখিবনে। উমং লাই নিপাগি মখৈসু মহাদেবা হায়না মমিং কৌশিনখিবনে -১- লৈশেমঙৈদগি ইহান-হান্না শাবা চিংলেন খুংলাম খাম্ লংমাই য়ুহারাবদা য়ৌদবা সেল্লোই নীক্কবরা নীক্তবা, লংমাই হাগবরা হাদচি য়ুচেংনা নীক্তবা,-য়ুহান হাদবা, স্না হুঈথাবা, লপা যাই ওইবা, চোইনৌ লপা পোকপা, চিং তেংনৌ য়োংপী হুইথাচিং-। চিংশা মাপন পালবা চিং চিংমাঈ মাপন লোংনা চিং ঈশিং ইরোক তরেংলোনা,- চেলবা লম-কা অঙুম থোক্লা খাঈদোক্লবা নোংমাইচিং লাইযাম খুন্দিন য়াকাপু । নোংমাই ফাওনা ব্রাংবা চিংশাদা সুরুং মফম তরুক লৈরিবা অসিনা অমুক সুরুং মাপন থোকখিবা, । নোংমাইচিং চিংকোক্তা সুরুং অঙুম্ চিংখৈ পাংবদা সুরুং অমা মৈথম পাংবদা সুরুং অমা সন্তোং পাংবদা সুরুং অমা নোংচুপ লোমদা সুরুং অমা চিংযাইদা সুরুং অমা চিংতোন্দা সরুং অমা লৈ,-।

লংমাই চিংথোন্দা লাইখুন অঙুম লৈবনে মযাই লাই খুননা কংলা য়ুমজাও সঙ্গাই ওকসং লাংশং খ্রাই ব্রাংখৈ খ্বাই-য়াইস্কুল্ মায়কৈ মরি ফাওনা তুরেন মথেক মাপন মক ফাওবনে। মখাগি লাইখুননা সালৈতাং পোবোম পুং ফাওবনে, অব্রাংথংবা লাইখুননা ময়াই শুমখোংপান লৈপাক পুম্নমক ফাওনবনে,-।

কোঈনা লৈরীবা লৈখুনগী তুরেন তাফম ইচিন-ঈরোং অঙুমগি

ফম্বীদি চিংখৈনে অসিগী তেংখন ওইরিবদী মোংবী চিংনে সোগী ফম্বীদী, ময়াই থিংক্রু চিংনে লৈপাক্ মমাদি থাংজিংনে,-। লাংচৈদি মারচিংনে সোলমতি চিংথাংনে,-অসি খৈবীক্কী মরুদী কৌব্রুনে- হৌনরকপা মফমশুং হনজিন ফমশুং অসিবু হেনবা অমা লৈত্রবনে-।

নুঙ্গোইবিদগী নুংজেংগা ফৈতেনবীগা অনি মক্কা পুমসাই খোংদা থোকখিদুনা কৌব্রুদা তিল্লুইয়ে,-। কৌব্রুদগী চিংগোই নুংখোং নুংলাওবী, কুমশু খোং অহুমমক্কা লমুঙাই চিংদা ইরম কাদুনা নুংবী চাংনুংহুংতা ঈথমবনে -।- য়াওরৈবী লৈখোমশং সংলাংমৈ য়ুমজাওরেন সঙ্গাই মরিমক্কা তেঙ্গৈ খাদা তিনবনে,- নুঙ্গোইবীদি নোংপোক্ অপানবগী খুভমনে,-।

স্না হঈ-য়াইচীং-চিঙগি চীংতোন্ ঙানবা অঙান্ আশাবা নুমিং স্না খোম্-মতোন্ অতোনবগা, মশাবি তাউহুইরেং অহনবগা, অনিনা নিংথৌ ওইদুনা অয়ুক্ নুমিদাং লেংশিন্নবা পায়বদা,-। পোংথাবা, ফংদ্রবা খ্বাই নোংজেংবম্ পিবা নিংথৌ য়েক্‌মা হাও তংলা নমু পোংবা, নিংথৌ কতনবনা লান্ তাদুনা তাউহুইরেং অহনববু তানখায়রে-।

মহাক্কা চেলখিদুনা লংমাইচিঙদা পুরৈরোম্বা কৌনা লংমাং চিঙতোন সুরুং মেনফমদা সেলোই ফম্বান্ তোংদুনা লৈখি,-। মহাক্কা সেনলোই লংমাই শেমদুনা পায়খি,-। মশানৌ নুমিং স্না খোমতোন অতোম্বনা চেনখিদনা মেইবাংগী লোইরেল্ লোক্তা লাইংগি চহি লাখা -৬ চামাপন লোত্তুনা লৈখি,-। চহি লাখা -৭- শুরমদাইদা থাংজিংনা খুংখোংদুনা লাইপুংথৌ লাইক থাম্না জগোই শাদুনা থেমদুনা পুখংলকঈ।

মতম অদুদা য়াঙ্গোই কারোংদা পেনা তেংখল তুখ্রে-। মদু শের্মলিঙৈদা পাখংবদি শামুরৌ য়ৌখ্রে,-। পাখংবনা শামুরৌদগী অমুক লাকপনা কংলা য়ৌবদা নোংতা লাইরেন্ পাখংবনা কংলাদা নিংথৌ ওইদুনা লৈবমলে,-। মদু উবদা নুমিং স্না খোম্-মতোন্ অতোনবা শেন্দ্রেঙ পাখংবনা চংখিদুনা,-লোলাং পাখংবা, কৌদুনা লোত্তুনা নোংমাইচিঙদা লৈখি।

মহাক্কা লৈখিবা মফম্ অদু হৌজিক্ লৈরিবা খলোংগা থংনবা শঙ্গাই-য়ুফম অসিনী,-।- সঙ্গাই-য়ুমফম্ অসিদা পুক্লিং চুম্না খুকুম লৈপাইজববদী মী মহাক্কা নিংজবা মখৈ অদু থুংনবা পিবে,-। মরমদী

লাইনিংথৌ অসিগী মপুন্সিদা নিংবা কায়বা থোকখিবদগী মীগী অনিংবা নিংজবা মহৈ ফংজগে হায়দুনা লাইনিংথৌ মঙোন্দা লৈরাং লৈছন তমদুনা লৈরাং খুদোন্ কৎনা তাওজিং অসংবা খনতোক্ হৈরাং অমুনবা কৎনা সিঙেন চরোং অচুম্বা তাওজিং খুফাং নাইববু কৎনা খুরুম্ লৈপাইজদুনা নিংবা মতুং ইন্না খুরুমজরবদী লাইনিংথৌ অসিনা খুরুমজরিবা মী মহাক্ অদুগী নিংবা থুংনবা ময়তদী মপিরে,-। মসুম হায়না লাইওইখ্রবা ইপুথৌশিংনা ঈবিরম্মে-।

নোংমাইচিঙদা লৌরিবা খলোং সুরুং অসী পুরৈরোম্বগী সঙ্গাই যুমফম্নী খলোং মফম্ মেনফমদা নোংপোক নিংথৌগী মেনফম অহুম লৈবগী মরম্না নোংমাইচিঙবু স্না হঙ্গ য়াঙ্গ চিঙ কৌই-। নোংপোক নিংথৌবু লাইয়াম্না লাইয়িংথৌ সোরারেন নোংপোক্ নিংথৌ অপানবা অঙৌবা মাকলং নোংসিং সিদববু কোরৌ মাংলাং পান্দগী তোনলেন তপ্না হুম্থাবিরকপা কায়নৌ চিঙ সোম্বা লাইয়িংথৌ কৌখি। নোংমায়চিঙ চিঙসাদা নোংগী লাইলৈ,- নোংপোক নিংথৌবু সোরারেলনি হায়বদা চিঙনরোইদৌবনী।

চীঙতোন্ খলোংগী সম্থোং পাংবা চিঙসাদা নুঙখোং নুংনাউবীগী খুফম্লৈ,-। স্না লৈপাক অসী কুম্কাংদুনা নোংচুদ্রবা মতমদা নুংখোং নুংনাউবীগী লাইফমদা হৌনবী পোৎ কত্তুনা ঈরাংলগা মফম অদুগী নুংমচা অমা পুরক্লগা ঈরিন তুরেন্দা তিংবদা নোং চুঙ্গ।- মসী নোংচুদবা মতমদা নুঙখোং নুঙনাউবী খমবা লাংদৈ অরোন্নুং নোংগী লাই ওইবা নুং অহুম ফাবদা খুদক্ অদু মক্তদা নোং চুই।

কংলাগী সুরুংদা পাখংবনা মথক্তা ফম্দুনা ফম্বাল্ মেন তোঙই। খলোংগী সুরুংদা লাইয়িংথৌ নোংপোক অপানবনা লাইচগী নিংথৌ ওইবা মতমদা খলোং সুকংদা মেন তোঙই-। মেন ফম্ অসিদা চঙজদুনা থৌনিজবদা লৈবাক নিংথৌ পুম্নমক্ মহাক মহাক্কী নিংবা থুংলৈ।

চিঙব্রাং লোক্কী চিঙৌ পুরৈ হানবনা কুম্সেং কৌনা খাকপা নিংথৌ চনু লাইয়েক লখৎচনুগা লাংওন্ সানবদা ইবেম্মা লৈগ্রেন সিদবীনা পিথেৎ লৈমা লৈসাং খোম্বী লাইরেম্বী অহুমনু কৌনা পোং হিংকোন্দা মপা কুপ্লেং কৌনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অঙোম্ পোকএ,-।

পুরৈ হনবনা য়িরাই কৌনা ইঙেনগী নিপালনি পালবা নুমিৎ য়ুংগদবা পুঙ অমা লৈরিঙৈদা পোকপনে-। পাখংবনা হঙ্গেন্ সোইদা লৈরিঙৈদা পোকখিএ,-।

ইপুধৌ অহুম্ মন্ত্রী মমিংদি হুকসাং কৌই-। লাইরৈবী অহুমদুনা নোংলুম্ থাবু কোল্লে অঙোম্ শাওনলে থাদি ঈঙা থাদনে,-। মাকমৈদি কুলনিথোইনি পালবনে,- নুমিংতি নিংথৌকাবনে,-। মতমদি অয়ুক্তনে থব্রাপিচাক্তি থাদোম্নে নাওরোইবিদি খাচেংলৈ মঙাংনে লৈদি থরো অঙাংবনে লাদি লাকোংনে মৈদি মৈবানে নাহায়বদি তাইরেলনে থাংদি পুকথাংনি মচুদি অঙৌবনে মমিংদি কুরুং কুরুং কৌই-।

শিংদি উপননে নুঙপাংলু অহুমদি কোংবা মরূদনি ঈরুফমশু কোংবা মরূদনি লাইদি লাইমরু সিদবা লাইয়িংথৌ নোংপোক্ সোররেলনে-।

অপোকপনা লুক্লেন্ চারিঙৈদা সোম্নবদী,-১- পোরোং খোক্ হায়না ইবা কৌই-। -২- কোনজিল্লাংবা কৌই-। -৩- স্না কোলজিল্লাংবা কৌই -৪- কোন্হৈরম্ সিদবা কৌই। -৫- মপুরোম্বা সিদবা কৌই-৬- হয়ি মিংলেন সিদবা কৌব্রুলেন সিদবা -। -৮- চৌবুংলেন সিদবা-। ৯- তৌবুংলেন সিদবা।

অসি সোন্দুনা থোংথিনলোঃ- খমলেরে,- খমলেরে -খম্-। হায়জা চংচা খুরুম্বা লোইরগা হান্না পোকপা কোম্না সিবদা সিন্নাখোঃ-।

লমলেন নোংমাই শুংদাই মাপন ফাংবা চীং-সেনলোই তকুপ্ পোইরৈ চিঙ সেনচিঙ চীংনুঙ পোক্-খোইয়ুম নোংপোক্ অরিবা হাউরৈ নোংপোক লময়েং চীং কোরৌ মশেক্ য়েনচীং অঙান মোইথোং হেননা-চীং চিংঙুবা খুভম্ লেপনচীং-। পাইমা লৌশিং চাওবী তিলাং খোইদবী চেংলৌ শকহেনবী লাংওন লিলা হৈবী পাম্লোইবী ইবেম্মাগি মসাইকোন পোইরৈগী অথোইবা লাইফমনি। ব্রাখা লাকপা পললুংবা চিংয়াই লাকপা চিংসোম্বা অন্দ্রো লাকপা পনম নিংথৌ চিংঙু ইবুঙো খাকপা পুরৈ হনবা চিংঙু পুরাংনাগবা খোংমারোক্কী ওলদেবা - ওননা হলব্রাইবা লাইয়িংথৌ-।

নোংপোক লৈহৌ চীংমুবা লোক্লেন্ কোন্ য়ারন্ লাকপা

য়ারহনবা মশোইমাঙ শাবী লৈরাং সোইমা তমপা মরম্খৈ,-। শেনলোইনা নিক্কবরা নিক্তচীং নোংমাইনা হাগবদরা হাদচীং তেননৌ য়োৎপি হুইথাচিং শেনলোই মণ্ডল্ তরুং ব্রাংমা হৈয়াই পোকপী চীংশাং নাপোমথক্তা নোংপোক্ লোমগী অব্রাংবা লম্ লৈশেম্বদা মন্নবা লোক অহানবা শাবা শেনলোয়গি চীং-।

হাননা সাবা লংমাইগি চিং অহানবা সাবা চিঙগি মনুঙদা অথোয়বা চিং মশুং নাইবাচিঙ লংখৎলকপা চিংনি হায়দুনা লংমাই কৌবা অচৌবা চিংচাউবগি মতিক্ ব্রাংবা চিঙজাওদা মতোমতা পালবা লাইয়িংথৌ-।

চিঙখোং লাকপা চিঙ শেম্বলাই অঙৌবা খোঙমরোক্কী ওলদেবা ওল্না হনব্রাইবা অথোইবা নুঙশিংতা ময়ুম ওইবা লংমাই নিংথৌ কৌদুনা নোংথৌ মখোঙ কোয়রিবা অঙৌবা পুরৈ হনবা চিংঙু নোংপোক কায়নৌ চিংসোম্বা লাইয়িংথৌ নোংপোক অচিবগী,- লাই অশুক লুখ্রবা,- অসিগি খুভমদা মিরান লমজানা মহাদেবনী হায়জিনখি, মৈতৈ অপংবদা।।

মালেম লৈশেম্ লৈহৌরকপদা ইপুসিদবনা ফুকৎ- থাংকৎলক্ই হায়দুনা চীংঙু থাংচিঙ কোইরেন্ লাই কৌবা,- লাইয়িংথৌ, ইবুঙো:-। মৈন্ উজাও-থক্তা য়াইহিপ্পা তালা উফৈ-থক্তা চাক্ তাবা, ব্রাংবিরেন,- সিদববু খোংনেং খুদা ওইবা,- লাইয়িংথৌ কোইরেন্হকপা।

থাংহিং ঙাংঙোই হরম্ পাংবদা পোইরৈ খুম্ব্লোক্পা ব্রাঙম্ খুন্দারকপা কেগে লাংবুম অরিবা মোইরাং কাসারেল্ অথোইবা থাংজিংকোল্লু নিংথৌবা কোইরেন হকপা কোইরেল্ শাংবা,- কোল্লু অহুম্না চিনবা তেম্বা নুরাগীদি হৈদিগোন পাখংগিদী নোংগাংখোং হোংগাং নাউরৈ কে,- পোইরৈ ময়াঙ্গ শুম্ খোংবাল লাংগোই সরোক পুঙ-চোসনৌম্না য়ংরৈরেন্ লুবা-থেল্- মোইরাং নাপান- মপুংয়াই ব্রাংলেন্ তিনসিননবা পুঙ-পুংলেন ম্না ময়াইরেন্- ইবুথৌ থাংজিং হননরিল্ লোক্তাক্ খরা-শামৌবি পোংশং চুম্না-ফা উথম্বালনা নোংঙা ওইবা মরমখৈ মশানৌ ইবেম্মা কোইরেন লৈমনা মপারি ইবুঙো তমপাক লাইনিংথৌগবু তানবা মরম খৈবু লোক্তাক্কী উথুম্ -থুম্মি চানা ঈনুঙবা মশিংখোং কেনবা লম্দমদী,-।

কেগে থাংচিঙ কোইরেন লাইগি থাঙ্গা চিঙজাওনী, মমাঙ চিঙদী, য়েংদম চীং খুমন্ লোইজন্ চীং- সিজম নিংতৌ লুরেন চীং- মানৌ নুঙওন্ চীং য়েংদৌ উরোং খিন্না চীং লুকাক্ মাইরোং য়ানা চীং শোইরোই-খোংবৈ ঙাক্লা চীং মোইরাং কংলা ব্রাহৌ চীং শারোং শারী ব্রাক্রম চীং- মুকাপ্ য়াইফু হাজন চীং খুমন্ মোইরাং চায়না চীং কবো লাকয়েন্ খঙবা চীং পাম্হোইবী পাওখুম তেংথা চীং খুমন থারাম লাইর চীং য়ারৌ শঙাই মথুপ্ চীং চেক্লা উফোং য়াইরেক্ চীং লাইরা কাংলৌ লাংন চীং ইমা লোইমোম্ ফৌওইবী ঈমুলাংনা পাতম্ চীং পামু মপাও ঙাইনা চীং পারী চাওনা য়োক্লা চীং পালেম শংলৌ লাংনা চীং মপু কংলা ব্রাঙম চীং।

নুঙসিবা মনাই-ইচল চীং কেগে লোইপোং লোইজন চীং তাংজা লুরেন্ লৌনা চীং,-থাংজিং লাকয়েন্ ফিদাই চীং শারেন্ লুরেন লুচন চীং তাক্মু-পাংয়াই খোংমৈ চীং কোংখোং ইরিন্ ঙাক্লা চীং মোইরাং লোইপোং লোইজন চীং কেগে খুঙ্গাই ব্রাঙম্ চীং খোইয়ুম ফংতবা লাইঙাক্ চীং অব্রাবা কয়া কাওনা চীং মুনু কয়াগী পোংথা চীং খোমলেন্ মিকপ্ য়াইহৌ চীং কেগে মমাঙ চীংজাওনি লমলেন থাঙ্গা চীংজাওনী ব্রাকয়ে খোংনেং হিয়াং চীং-। অসিগুম্বা অশুক লুখ্রবা অসিদা মিরান লমজানা চাকনিবনা মহাদেবা হায়না মমিং কৌসিন্দুনা অপংবা মৈতৈ মীওই খরাদা ওন্না তৈনবা ব্রাহে হায়দুনা অপংবশিংবু থাজহনলী। লৈবাক অসিদা কামখ্যা দুরগা-মহাদেবাগী খুভমলৈ হায়বাসী য়েক সলাই শাগৈগি মনুঙদা লৈবা অখঙবা মীগী মোংতদী তৈমা হাং চাবা শা অমাংবা গুম্না শিংথানৈ লৈপাক অসিদা কামৈখ্যা দুরগা মহাদেবগী কালিকা বিসোরি পুম্নমক্কী খুভম লৈতে খঙউ-।

লাইগা মীগা তাইনরক্পা হয়িচক্ হৌরক্পদা চিংঙু খোইয়ুম্ সিদবনা কংলৈ পুঙবু ঙাক্লবা খোইয়ুম নোংদম্ সাইয়োনলে,- অব্রাং কৌব্রু অসুপ্পা লমলাই খুন্দা অহানবনা লাংওন্ অমা হৌরগে পায়মা নুঙদা নিংখল্লে-। কৌনু লৈমা লাইরেম্বী খোয়মা তথোং চঙখোনবী, তায়বং সন্না পাল্লকপা পারী অনি সাংলক্পা পারী অনি মিংলেন্দি লোইচিয়া লাকপা কৌবগা মালেন খোম্বা কৌবগা পারী অনি সাংখ্রবা তুংদুদা মযোম্ অমা কুইবদি য়োইময়াইদি তাউদনবা,-লোইদাম্ থাজ পাখংবা খোইয়ুম্ অনি,-মকমৈদা-

থবা-মানা ঙানবগুম্ তাংলৌ লয়না থেংবদা শুক্লা মম্না তাংলৌদা নোংথৌ থক্তা তনিক্লা অহিং মমৈ ওইবদা নোংবু পোকপা মাইকৈদা-।

সাচিক্ মানা চিক্থোক্তুনা পুথোক্লকপা মতমদা থবানা থাংতোক্ পিরক্তুনা-কোরৌ মালেম্ তায়বং অহুম ফাউনা ঙানলক্লবী,- নোংপোক্ লোইরাং পানফবী কৌবরোনগী চনু ওই তায়বং পুক্লিং চিংসিনবী,-নমু পোংলুপ্- পুক্হুবী, মযোম্ অমা ফুইরগা পারী মযোম্ ফংদুনা কংলৈ পিবা ওইদুনা লাংওন ফালম্ য়ৌদ্রিফাউ পিবা থৌবু পুদুনা তায়বং লম্বী চিংলম্মি,-। চিংউ মতিক্ চাউবনা কাংবকৌনা মিং হুন্দুনা তায়বং থৌরম সম্পোক পিরম্মী-।

হয়ি চক অহানবদা পানবদি নিংথৌ কাংবা হায়না কৌদুনা লৈমা কাংখন নুবীগা পানন্দুনা ফম্বান তোংদুনা পানলে,-। কুমশিং লখা অচৌবা অমা পানলে,-। লৈমা কাংখন নুবীনা লাইখোংনিংখোং ওইদুনা লৈপাকপু য়োক্তুনা অরানবা পুম্নমকপু চুম্থোক্লগা অচুম্বনা লৈপাক ঙাক্তুনা পানলে,-।- লাইগ-মীগা- তাইনবা, লাংদাইদা পানবা নিংথৌ অসি,- সিললৈমা লৈহৌনিংথৌ চনুনা পোকপা লাংওন্ পাখংবগী মচানী,-। কাংবা কাংখন্না কৌই-। লৈবদী চেংলৈবম চনু ললৈমনা পোক্পী নোংপোক নারং শওজাগি-মচা লৈমতরিংনু কৌই-। নিংথৌ লৈমা অনি অসিনা পাল্লম্বা মফমদী কাংঙবুংদনে-। লম্ অদুবু নিংথৌ কাংবনা পানলম্ই হায়বগী কাংঙবুং কৌখি-। হায়রিবা নিংথৌ অসিনা পোকপা মফম্দি, কৌবুগি শুরুং মনুঙদা পোকপনে-মহাকপু পোকপদা কাংনা তুমিংনা চিক্লনী হায়দুনা, কাংখন্না খন্দুনা থম্মি হায়বগী কাংবকাংখন হায়না মমিং থোনখি,। মমা অসিনা নোংপোক লৈহৌচিঙদা পোকপনে,-। নিংথৌ অসিনা

লৈবাক মীয়াম্বু পুক্লিং চুম্না য়াথং চুম্নানবগিদমক্ পুঙ অমা নল্লি পুং অদুগি মথক্তা লাইয়িংথৌ স্নামহি পাঙ্গলববু লাংলি,। অচুম অরানবা লাক্লবা মতমদা লাইয়িংথৌ মহাক্কী মমাঙদা ফিরান অমা য়ুংলগা খুদম খঙনৈ ফিরান্ অদু তুদরিবা মখৈ নোংসিং কৌবা লাইনা সিংলে,- ফিরান অদু হেক্ য়ুংবদগি নুংশিং কৌবা পাঙ্গলবনা ফিরান তুদরি মখৈ সিংপনে ফিরান অদু হান্না তুবনা অরানবনি খঙনৈ অদুগিদমকপু পুঙ অদুগি মমিংবু ব্রারোইপুঙ -ব্রারোইচিং

হায়নবু কৌই-।

থাংচিঙ চীংশা,-লোইজিং চিঙগী নাপোমদা লৈরীবা চীঙু লাইগী ব্রায়োইচীং চীঙু পাংগলবগি খুভম্-লৈবাক নিংথৌগী অচুম্ অরান য়েংনবদা ফিরান অমা ব্রারোই খুক্মদা হেক্ য়ুংবগা ফিরান অদু তুদ্রিমখৈ নুংসিৎ শিংলিবা ব্রায়োই খুভম্ অসিসু মিরান লমজা চাকনি ফিনিবা খরানা মহাদেবা খুভম্নী হেকতা হায়জনলী, স্না লৈবাক অসিদা মহাদেবাগী খুভম্ লৈতে খঙউ: অপংশাও ঃ-নিংথৌ মহাক্না নিংবা লাইদি স্নামহি লাইয়িংথৌ লৈমরেন পাস্থোইবী পাখংববু নিংএ,-। অরেপ্পা লাইনিংনে,- সরী মহাক্ খঙবা কৌই-। সাগৈ সলাই লাইয়েক লাইচু নাইরমদে অরেপ্পা ব্রাঙাংনা চংনরময়ে,-। স্নামহিবু কম্দৌনা নিংবনো: হায়রবদী, স্নামহিগী ইচেলনা মহি ওইনা চেলদুনা তায়বং পানবা পুন্নমক্ অসি-সিনথুংনা য়োক্তুনা হিংহনলিবা থব্রাইগী মপু ওইরিবা অচংপা-চংতবা পুন্নমক্ অসিগী থব্রাই ওইদুনা থৌজান-ঈরা চায়দুনা মীওইবগী থকশি খাসী খঙনা চংপা মমা মপা মশক খঙনা চংপা লাইনিং পরে চেংপা পুকচেল চুম্বা ইথক ঈপোম্ লৈতবা ব্রাখলবু নুঙাইহনবা স্নামহিলেন হরাও নুঙাইনা তাইবংগী অথোইবা পুক্লিংবু পেনহনবা, পেন্না লৈবা মফমদা লৈবা লৈহী পুন্নমক্কী, লৈরিক্ মপু স্নামহিলেন্ ঈংলবা ঈশিংগুম্বা স্নামহি হায়বনী,- লৈহি মশা মশক্ খঙববুনে-।

লখা অমা লিশিং মাপল শুনা স্নামহিগী লমচংনা পাল্লম্ই-।-

লৈমরেন পাস্থোইবী কমদৌনা নিংবনো হায়রবদী থব্রাই পানবা মক অসিনা তায়বংগী কুম্মৈ লাংওন্ শানাবা চংপদা তেংপানবগী থাদোকনদনা লৈম্নবা লৈমরেন্না থব্রাই নিংশাগী চুপলি পুন্নমক্কী লংগুংনে,- অচংপা চংতবগী ব্রাকলৈ হিনাও শাবীনী, অসিনে,-।

পাখংবা লাইনিং কমদৌনা হায়রবদি-মহাক্ খঙবা থব্রাই খঙবা য়াইবী খঙবা চিংঙু লাইনা মহীরেন্ লাংওনবদা পাখংবনা থৌরম্ তৌরগা সলাইলেম্না পেন্দুনা মহীলেন ইয়োন্দুনা তাইবং শকতম ফংনরগা মপু মাগা শাগোম্নৈ,-।

চিংঙু লাইমরু সিদবগী থৌসিন্না তাইবংনা মপা খঙবা মমা খঙবা মহাক্ ঐহাক্ য়াহাক্ ঐ সেংবা চাকচা ঙৌখিবা ময়ুম শেংবা মফমগী মরুখঙবা

লোইফম্গী পানথেং খঙববু চীংঙু লাইমরু সিদবা অহমগী তাইবংদা তৌরিবা মথৌ মঙমবু চিংঙু সিদবনা মথংশিংনা তম্বীরে-।- মীগী পুন্সি -১৫০০- চামঙা নিপাল গুরুকলবগা থব্রাই ওইরিবা খিবিকসূ চহি ১৫০০+৮ হেক্ শুবদা অপোক অসি নাইনা মঙনাই থনাইনা লৈরকলবদা মীগা লাইগা খঙনদরে,।

সিরগা লাইদা তিন্নবা হায়দুনা মী অফবা ঈরাংনৈয়ে,-মীগী হকসাং সিবু থব্রাই য়াইবী হকচাংগা খায়নরবগা মচা-মশুনা সাকে-নাতৈনা হৌনববু পোংলোই হিথববু হৌনরে-।- মীওইনা পোকইবা তায়বং মপোক্ অসিনা নহানগী মখে-মানা-মানা তৌজরকপা মহৈ অদু মহাক্কী অসিবা হায়বা অরোইবা নুমিং অদুদা মী মহাক্না পামজবা থৌরমশিং অদুনা অচৌবা লম্বী ওইদুনা লৈরিবা লমদাংদুদা তৌজমনগী মহৈশিং পুম্নমক পুদুনা চংপ্রে-। অদুগীদমক্ মী মখল মথেল নাইনা পোক্লরিবাসিনী,-।

অব্রাং কৌবা ঈ মরু,- অব্রাং কৌব্রু অশুপ্পা খোয়ুম্ লাইয়ামদো হানলক্পা নোংহৌ মরুলিংবা-চীং চাইথরকপা লাইজনা তম্য়া লনা পানফরিবা,- উন্-তরুক-ঈরিবা,- ব্রাওতরুক্ ঈথাবা-ঈঙুচাংখেং ঈঙু চাংদম্বা শুক্মু থল্না ব্রায়েনবা, লাংয়া থলনা ব্রাতেম্বা কৌবা লু-ঈরেং-ঈখম্ মারম্খে কৈঙম্-পুলৈ চৈগারম্ লোইয়ারাকপা, কৌনরম্-কৌনু শিংজলব্রাই,-।

অব্রাং ফুং লৌ লাইমকোন্ মীলাই-নমু পোংথোক্লম্ হঙোই কোইন্দে ব্রারীনা ব্রাইকোইরম তাংজ লিল্লা পাখংবনা ব্রাইচংলম্ ঙাঙোই য়োইমোং তুদেংকোন্ ঈমোইনু অহোংবীনা তুতৌকোন তুরেন লোকচা মঙজঈবী খম্ খাইয়াম্ তমনা ফৈদ্রোস-হক্ লিরেন কাংফৈনিক্ মেনাংতম্বা-খুয়ৌ জৌ-হুন্-লাইজ ঈনুঙ হকপা মারমখে,+মশানৌ ইবেন্মা-কৌনু লাইরেম্বী স্না খানা পানবী খারম্-চনু শফবী থৌদুচিংজ নুংলাই খোম্বী দা নুংবী লাইজ ঈখাঈবী ঈমুথোংথিংবী মারম্খে-শংলৌ মথেল ঙম্বী-লৌ তেক-তেক্ য়েন্খুরৈ ব্রানশাবা ঈরোক অঙোম-মঙাং-লুব্রাং খুমন ইরাং-খাবা চেংলৈ ঙানবা,- সারাং-লৈসাংথেম,- য়েক সলাই-মাপন সাগৈ তরেৎ খুদিংদা খৈরোই য়ুবেংনা য়াওশাবিবী মারমখে চিংনুঙগি-হয়ি নোংনাংনা য়াকৈরিবা,- অশুক লুখ্রবা লাইফম অসিদা+মিরান লমজা চাক্লাবা কাংলুপ্পা মহাদেবা হায়না মমি থোংজন্দনা অপং মৈতৈ খরাদা থাজহনলী।

লমলেন্ খামমেন লোক্তি লৈরেন লৈত্রেন অনিমক্কা ব্রাইথুংফম্ খোইয়ুম ইপুংথৌ মাপনগী ব্রাইথুংফম্ খোইমোম্ লাইনুরা তরেংকি ঈকারম্ লমদমনা কোনবা লম্-লাইয়িংথৌ লাইরেম্মা অনিমক্কী মশাইকোন্দা মী ব্রাইরং চেক-চেক্লা মাবু পানজন্বী চেক্লা মানথিক তোং-তেরা মমাং লৈনৌবীচা ঈবেম্মানা-ঈ নুঙবা শিংখোং য়াকৈরিবা লাইয়িংথৌ লাইরেম্বী অনিমক্কী খুভম কৌব্রু চিঙশা নাপোম্ লোইরকপা অসিদা মীরান লমজা চাকনিবনা মীতৈ অপংবা মীওই-খরাদা-কৌব্রু লৈগী লৈ মাইগী অরুবা খুভম্মী হায়জন্দুনা লুপা স্না সেম্না চিংবা পোৎ পুম্নমক কংহনলগা মিরান কাংবুনা চারী অপংবা মীওইশিংদা লাং থাকই-।

চিংখৈ হাইরম্ পাংবালম্ মরজিং থাংমাই মারহনবা নোংপোক্ ব্রাইরং তোনবা,- সাইরেন্ তাংখম্ য়াদা চিকপা লোইবী কোংয়াং ব্রাতোন্ অব্রাংবদা মিংথোনলকপা-লাইজ ঈপাক্ থক্তা মিং তাক্লকপা শাদোন্ অয়াংবা, য়াং মপলী,- কাইমনলী মখোং মখুৎ থেক্লা থৌগাও হৈবা:- কৌব্রু মীমারাম্ হংনাইদবনা হুয়েনগী লান্লোইনবা শা,- হৈঙাংপাংতা চাক তাবা মারজিংগি খুংশা শুক্রুনোং হৈয়ানোং সম্থোং ব্রাবুনোং খরা মানুঙনোং হাকুমগী নোংলেন্ অরিবনা কুমজা অনৌবা ওনলকলবগা শুমাং ব্রাইবুং মাথক্তা ব্রাংবন পুংগী মখোংদা লাইগোই খুদুরুপ-মাপন্-থাবাদা লাংগোই খোঙ্গুল তাদ্রবা লাংগোই মুংশা খোংনেংনবা লাইয়িংথৌ মশানৌ খুনবু লৈমা খুনলৈমগা পানফরিবা মরমখৈ, কাওরেন মরি পানবগি মপু ওইবীরিবা লাইয়িংথৌ অসিবুসু মহাদেবানি হায়না মখাদা চংথরীবা পুয়াগি ব্রারম খারসী মথক্তি লাক্লিবা লাইরিক্ অসিগি মশা নংতে অয়বা নাচোম শমব্রু হাপ্লানি ১-তেংপানবা মপুবু পোকপা অপোকপা-পোকলেন পোকপা ঈহৌ-ইপু সিদবনা লাইজ ঈলোন নুঙদগী মালেম লৈপাক্ লৈমা চিংখৎনবা শায়োল তারা ওনলুরবগি অকোনবাদা পাফন্ নোং পাক্লা সিদবা সাইয়োননা ঙকলি লুজাউ থেক্লা মালেম লৈবাক লৈ লৈরোন নুঙলোন্ মাপন মক্কা লোইননা ঈপাক ঈয়াই ফাওদুনা লাইজ-ঈলেন ঈয়াইদগী তবং নোংদোন ফংনা মালেম্বু থাংকংলগে ঈপুনা-।

মালেম লৈফলেন হানলকপা স্না চীংলেন কৌব্রুগা খন্না চাঙল থাংচাংকা নোংমাই ফাওনা ব্রাংবা ল' মাই চীংগা স্না চীংলোন অভম ক্ল' লোইনল


চিংশা নাওপোম মাপন মকপু লৈরোন নুঙলোন তরেৎ মক্তগী ফাওকংলক্রে, তরং নোংদোন্ ফংনা।

স্না থম্বাল লৈয়োংগুম্ ফাওরবা স্না চীংলেন অহুম্মককা লোইননা মালেম লৈপাক লৈশা চীংশা নাওপোম মাপন্মক্কা তুনা মালেম্ লৈপাক লৈশা লৈপাকপু ঈপুসিদবনা মকোক থক্তা হাপ্তুনা চিক্কা য়াখল তৌথখি,-। নুঙশা ফুইনা হোন্দুনা য়েৎকী নুঙসিং লমদগী লাইগী মরুপ্ চোংথোক্লে সোরলেন্না চিংদুনা মথং-মথং থোরক্রে, স্নাচিং-চীংগী চিংদোন্দা মথক কাখৎখি,-।

অপানবগী মরুপসু অতিংঙাদা পাইখৎথী কোরৌ অহন ইন্দুনা থা থাবুং পুম্নমক ঈপু সিদববু থৌগলথী অপানবদি লোইনমক্ অহিং নুংথিল নাইদুনা অমম্ অঙান্ খায়খরে,-অপানবগী মরুপনা পথাপ্ ইনখরে,-। মাইকৈ তারাগি লাইসু থৌগল্লক্রে-।

য়োইময়াই তাওদনবা নুমিৎতি ওনলবদা ইমি ওনলবদা থাবি চাইরবদা তলা চাইরবদা মিরেন লৈরবদা য়েৎকী লম্বী থিংদুনা ওইগী লম্বী থারক্লে,- লাইরেম্বী মরুপসু মথং-মথং থোরক্লে, লাইরেম্বীদি সিদবা অহানবদা চোংথোকথী,-। লাইরেম্বীগী মরুপ্পা মতুংতবু ইননখি,- লমদাং মতুংইন্দুনা চিংদোন থক্তা কাখরে,- লোইবী মতোন্ য়ৌরগা লাইয়ামসিংগা উন্নরে মপা-মপা য়েংদুনা নুপি-নিপা পাখরে,-।

সোরালেন্না লাইয়ামগী নিংথৌলেনবু ওইখরে,-। লাইরেম্বী সিদবী ফম্বাল ওইদা ঙানখরে,-। সোরালেনগী থৌগলবু নিংথিথোইনা তৌখরে,-।- ঈপু সিদবগী তুখোংদা হুমাং মরিক ফুদোক্লে,- হুমাং মরিক কোন্দগী সরোই মরুপ্ চোংথোকথী,- নুপি-নিপা খাইদুনা লিশিং-লিশিং থোকখরে,- লাইগী লমদাং ইন্দুনা চিংগী চীংদোন তানখরে-সোররেনগী মরুপ্পা য়াথং ইচেল থাদরে,- সারোই মরুপ খিবিক লৈফমতবু তাকপিরে কৌব্রু চিংসা লোকচপ্তা খুন্দাজরু হায়খরগা সারোই মরুপ খিবিক্কা লোকচপ নুঙদা লৈখরে,-।



[illegible]

[illegible]

১। [illegible]

২। [illegible]

৩। [illegible]

৪। [illegible]

৫। [illegible]

৬। [illegible]

৭। [illegible]

৮। [illegible]

১০। [illegible]